মৈত্রবাক্কী মনীঙতম্বা লৈপাক্লা হওরকখিবা

RENNEL'S MAP
DOMINION OF MECKLY, 1769

অইবা
বি: কুলচন্দ্র শর্ম্ম
২০০৯

অফোঙবী
বি: (ও) দিমা
২০০৯

BVP-1141-31/1/17
G-1097-7/21.

মৈত্রবাক্কী মনীঙতম্বা লৈপাক্লা হওরকখিবা

অইবা

বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা

থােকহল্লকপা
বি: (ও) দিমা
২০০৯

2

লাইরিকসিগী মরমদা

১) মমিং	ঃ	মৈত্রবাক্কী মনীঙতম্বা লৈপাক্লা হওরকখিবা
২) অইবা	ঃ	বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা ব্রহ্মপুর থাঙ্গপাৎ মপাল ইম্ফাল - ৭৯৫০০১, মণিপুর
৩) অফোংবী	ঃ	বি: (ও) দিমা থাঙ্গপাৎ মপাল, ইম্ফাল
৪) হক	ঃ	অইবা অমসুং অফোংবী
৫) মমল	ঃ	লুপা ৯০ (মরিফুতরা/মৌদ্রা)
৬) লাইরিক নম্ফম	ঃ	অরূবা প্রিন্তর্স পাউনা বজার, ইম্ফাল-৭৯৫০০১
৭) ফোংবগী মতম	ঃ	মার্চ, খৃঃ ২০০৯
৮) লাইরিক ফংফম	ঃ	১) অইবগী য়ূম ২) অফোংবীগী য়ূম ৩) রাজেস বুক স্তোল, পাউনা বজার ৪) ম্নাথোই, লাইরিক মকোল পাউনা বজার, ইম্ফাল ৫) অতৈ-অতৈ

অইৎবগী ৱারোল

“মৈত্রবাক্কী মনীঙ তম্বা লৈপাক্লা হওরকখিবা” হায়না মিংথোনবা লাইরিকসি মণিপুর ইতিহাসকী তাংকক খরগী শরুকশিংনি। মণিপুরগী ইতিহাসকী মতম হৌদোকপীরম্বা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংব (চাওরাক্লা খৃঃ ৩৩/৩৪-১৫৪) না করম্না নিংথৌজা নৎত্রগা মৈতৈ কাংলুপ (মতুংদা লৈপাক খুন্নাইসি য়েক অমা ওইরক্কদৌরিবা) গী মনীং তম্বা লৈপাক -মচা অমা কনাগী মতেংনা লীংখৎলকখিবগে হায়বদু “মণিপুর ইতিহাসকী নোংঙাল্লমদায়দা লৈনুং য়াবীরোক” হায়না মিংথোনবা প্রবন্ধ অমা হাপচদুনা উৎচরি। মণিপুর ইতিহাসকী শাংলবা মতম, চাওরাক্লা চহি ১৫০০ রোম মতম কনবা লৈঙাকলোনগী চায়নবা, কাংলুপ-ফুরুপ তোংঙান্নবা, মনীঙ-মখা তম্বা অপীকপা লমখৈ-লমকন অমমমদা পানবশিংনা লাম্থেং-লানশোক্লুদুনা অমনা অমবু নমথনদুনা পুনশিন্নরকপা অমসুং ময়ামসিবু “মৈতৈ” কৌরম্বা মতুংদা “নিংথৌজা” কৌরকপা কাংলুপসিনা অপুনবা নিংথৌ পানবা লৈপাক শেম-শাগৎলকপগী ৱারমশিংনি। ৱারমশিং মৈতৈগী অরিবা অমসুং অনৌবা লাইরিকশিংদগী থেংনজরুবা অমসুং ফংজবা ৱাফমশিংদা অরান-অহুই, অশোয়-অঙাম অমসুং ফত্ত-নুংদা য়াওরবসু মতুং তারকপদা চুমথোকচবা ঙম্নবগী খুদোংচাবদু পীনবীয়ু হায়দুনা মণিপুর ইতিহাসকী অমসুং সংস্কৃতিগী অখঙ-অহে ওইবীরিবশিংগী মফমদা নোল্লুক্লা হঙ্গৎচরি।

মণিপুর ইতিহাসকী পরীংদা লৈরিবা খুদোংথীবা অমসুং খুদোং চাদবশিংগী মরমসিদি লৌশিঙগী মঙাল শোল্লবা ঐনা হঙ্গৎলুদ্রবসু খ্বাই তরানা অমসুং হিরমসিদা হৈথোই-শিঙথোইরবশিংনা হেন্না খঙবীদুনা লৈরবনি খঙজবা খরদংদু পাউদমজদুনা মণিপুর ইতিহাসকী মশক লেপ্পদা মতেং খজিক্তং পীবা ঙমগদ্রা, হায়দুনা হোৎনজরবনি। “লানবা” হায়বসিদি মীওইবগা লোইনদুনা লৈরবা মনাৎনিনা অরানবশিংদুগীদমক খঙজদদুনা তৌরিবনি, হায়দুনা খ্বাইনা ঙাকপীগনি। “অচুম্বা” মতেক খর নৎত্রগা ৱাহে খরদং য়াওবদু লৌখৎপীদুনা মণিপুর ইতিহাসকী চুমদুনা লৈরবা মচাকশিংদুদা তিলহনবীয়ু অমসুং ময়ামগী থৌজাল ফংজবগী নুংঙাইবদু ফংহনবীয়ু।

বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা

ময়ামদা লাহোকচবা

মণিপুর ইতিহাসকী অহানবা মতম তাংকক্কী ৱারী-ৱাখোঙ লৌখত্তুনা ইবা লাইরিক— ''মৈত্রবাক্কী মনীঙ তম্বা লৈপাক্লা হওরকখিবা'' হায়না মিংথোনবসি খ্বাই তরা মচাশিংনা অশোয়-অরান তাকপীরক্লবা লাহোকচরি। খ্বাইনা তাকপীরকপা য়াথংদুবু তরাম্না ওকচদুনা মথং-অমুক হন্না ফোংবা খুৎফোংদা অরান-অহুই য়াওরম্বদু চুমথোকচদুনা ফোংজবা ঙম্নবগী খুদোংচাবদু ফংহনবীয়ু। লাইরিকসিনা মণিপুর ইতিহাসকী লুরবা তাংকক খরদা নৈনবনা খ্বাই-মীয়াম অমসুং অখঙ-অহৈশিংগী পাউতাক্কী মথৌ তাই। তারিবা মথৌশিংসিগী মচাকশিংদু পীবীনবা ময়ামদা হঙ্গৎচদুনা লাইরিক অসি লাহোকচবনি। হৌখ্রবা মতমদা হঙ্গৎনা য়েংখৎপদা অকাউবনা অয়াম্বা মতমদা লম্বী থত্তুনা লৈবনিনা পুমচুম চুন্নবা ইতিহাসকী থৌদোকশিংগী ৱারী-ৱাখোঙ পুম্নমক ফংবা হায়বদুদি য়াম্না ৱানা থোকপা, অদুগা করিগুম্বদা ওইথোক্তবা ওইবনা মী অমখক্তনা ইতিহাস শাগৎপদি মতীক চাদে। কল্পনাদা ইবগী ৱাফম, ইতিহাসকী হিরমদা য়াদবনা ''খ্বাই মতেং য়াওদনদি ইতিহাসনা ইতিহাস ওইবা য়াদে'' হায়বা ৱাখল্লোনসি থমজদুনা খ্বাই তরাগী মতেং নীজরি। মদুগীদমক লাইরিকসি খ্বাইগী মফমদা লাহোকচরি।

বি: (ও:) দিমা

ৱাহৌদোক

মৈত্রবাক-মণিপুর, খা-নোংপোক এসিয়াগী অৱাং-নোংচুপকী ঙমখে অমসুং খা এসিয়াগী অৱাং-নোংপোক্কী লমখৈ অনিসিগী তাইনরিবা লাংদাইদা লৈবা লমশাং পরীং মচা অমগী ময়ায় ওইরপ্পা লমতুপ্তা অৱাংগী লেটিটুড ডিগ্রী ২৩.৪০ দগী ২৫.৬৮ ফাওবা অমদি নোংপোক্কী লোংগীচুড ৯৩.০৩ দগী ৯৪.৭৮ ফাওবনা কোনবা লমকন মনুংদা শন্দোরক্লিবা লমদম, থায়নদগী হৌনা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা ওইনা খৃষ্টগী অহানবা কুমশীঙ চাদগী লৈরক্লবা অপীকপা লৈপাক অমনি। অদুবু পৃথিবী পূম্বগী ওইনা ইন্টর্নেস্নেল লেভেলদা মনীঙ-মখা তম্বা নিংথৌনা হাইনা-হুমনা পানবা, মশা মতোমতা লৈঙাক-ৱায়েঞ্জবা অমসুং মনীঙ তম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা ওইনা খ্বাইনা শকখঙ-মায়খঙখিবদি খৃঃ ১৮২৬ কী ফেব্রুৱারী তাং ২৪ দনি [N.N.A., 1983, 193, 172-74 & C.B.A, 1987, 276-375]। লৈপাক অসি চীঙলৈপাক্কী লমদম্না শরুক মাপন অমসুং তমলৈপাক-তমলৈকায়গী লমদম্না শরুক অমা ওইনা মালেম লৈশেম-লৈশারোনগী ওইনা মহৌশা লাইরেম্বীনা খায়দোক্লুনা থম্বীরম্মী। মরম অসিনা লৈপাক অসি ঙল্লিঙৈদগী হৌনা চীঙদনা চীঙমীনা পানবা অমসুং তমদা তম্মীনা পানবা অমদি খুন্দা লৈতানবা চীঙমী অমসুং তম্মী অনিমক্কী মরৈপাক-মরমদমনি।

মৈত্রবাক মণিপুরসি চহী ২,০০০ (লীশীঙ অনি) রোমগী মশাগী ইতিহাস লৈজবা লৈপাক্লি। লৈপাকসিগী মশাগী ইতিহাসকী মতম তাংককশিংদা মখল-মথেল য়াম্লবা মমিং-মথাশিংগী মখাদা খেন্ন-খেন্নরবা মী কাংলূপ-ফুরুপশিংনা খঙনরক্লবসু লৈপাকসিগী খ্বাইনা পান্নবা অমসুং খ্বাইদগী হেন্না মমিং চৎপা মমিংদি 'মণিপুর' হায়না থোন্দুনা খৃষ্টকী ১৯শুবা কুমশীঙ চাদগী লেপ্তুনা লৈরক্লি। অদুগা লৈপাকসিদা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরিবা মীওইশিং অসিগী কাংলুপ-ফুরুপ পুম্নমক্না মরোন-মরী ফাওনবা য়াবা লোন অমা অমসুং হায়রিবা লোন অসিবু ইননবা মশাগী ওইবা ময়েক্কী পরেং (Alphabet) লৈজে। অদুবু মৈত্রবাক মণিপুর অসিদি মশাগী ইতিহাসকী মতমগী মমাঙগী মতমশিংগী

নীঙশিঙবা থোক্লবা মতম তাংককশিংদগী হৌনা লৈপাকসিগী নোংপোক অমসুং নোংচুপলোমদা লৈখ্রিবা পাক-চাওরবা লমদমশিংসিগী ইতিহাসকী মমাঙগী যুগশিং অমসুং মখোয় মখোয়গী ইতিহাসকী মতমশিংগী অঙনবা অমসুং ময়ায় চনবা মতম তাংককশিংগী নোংপোকচাশিং অমসুং নোচুপচাশিংনা ফাওদোক -ফাওজিন তৌনফম অমসুং লল্লোন-ঈতীঙ্কী পোৎলম-চৈরমশিং ওন্ন-শিন্নফম, লৈন-য়োন্নফম অমসুং তীক্লা-ৱান্নফম কৈথেন-মফমসু ওইরকখি। [নন্দ:শ:, ১৯৬০, ৪১-৪৫ অমসুং T.C.H., 2003, 21]।

মৈত্রবাক্কী ৱাফমসিগী ৱারী-ৱাখোঙ লৌফম

মৈত্রবাক মণিপুরগী লমখৈ মনুংসিদা থৱাই-পানবা নৎত্রগা অচঙবা/অহিংবা থৱাই পানবগী হওরকফম নৎত্রগা খ্বাইদগী ঈহান হানবা থৱাই পানবা পোকখিবা অমসুং মীওইবা হায়বা থৱাই পানবসিনা খ্বাইদগী ঈহান হাননা পোক্লক-শাৎলকখিবা নৎত্রগা থোক্লকখিবগী সাইন্টিফিক ওইবা খুদম-চাংদম অমসুং শাক্ষী-প্রমাণ (Evidence and proof) অমত্তা লৈত্রি। লমদম অসি, পৃথিবী ওইনা য়ানরিবা মীওইবা জাতিগী হৌরকফম নৎত্রগা পোক্লক-শাৎলকফম, খুদম ওইনা, চাইনাগী চৌকৌটিয়েন, য়ুরোপকী নিয়েণ্ডরথেল, অসিনচিংবগুম্বা নত্তে, ওইদে হায়বসি হৌজিক্কী সাইন্টিফিক ৱার্ল্ডনা প্রমাণ তৌদুনা অমসুং শাক্ষী পীদুনা লৈজরবনি। অদুবু মণিপুরদা লৈপাকসিগী ইতিহাসকী মতমগী মমাঙগী নুঙগী চক/যুগ (Lithic/stone Age) গী মতমগী মীওইশিং লৈরম্মী হায়বসি ঙসিগী মণিপুরগী আর্কিওলোজিদা নত্তনা অৱাং-নোংপোক ভারতকী হিরমসিগী অখঙ-অহৈশিংনসু খুদম-চাংদম উত্তুনা লৈরবনি।

মণিপুরদা খ্বাইদগী ঈহান হানবা মী, লৈপাকসিগী মী ওইনা লৈরম্বগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৌনরিবসি চান্দেল ডিষ্ট্রিক্তকী সোংবু হায়রিবা চীঙজাওদুগী শুরুঙ্গদা ঙসিদগী চহি ৪০,০০০ (লীশীঙ নিফু) গী মমাঙদা লৈরম্বা চীঙ-লৈখুন-মী (Caveman) নি [L.K.D., 2003, 168]। মণিপুরগী অরিবা, ময়ায় ওইবা অমসুং অনৌবা নুঙগী চক/যুগশিংগী মীওইশিং অসিগী মরী ঙসি ফাওবা শমজিন্নবা ঙমদনা লৈরি অমসুং নুঙগী চকশিংসিগী মখা

তারকপা মতমশিং অমসুং ইতিহাসকী অঙনবা মতমদা লৈরম্বা মীওইশিং অদুগী মরীশিংসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা শমজিন্নবা ঙমদ্রি। অদুবু লৈপাক অসিদা মনীঙ মখা তম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা লৈরম্মী হায়বসিদি চেনবা য়াদ্রবা থৌদোক্কী পরীংনা পীবা অমসুং ইতিহাসনা শাক্ষী ওইবা প্রমান ওইনা লৈরি। মরম অসিনা মৈত্রবাক্কী (মণিপুরগী) মনীঙতম্বা লৈপাক্লা হওরকখিবগী ৱাফম থল্লকপা তারকপদা লৈপাকসিগী থায়নদগী/মমাঙদগী চৎনরকপগী পরীং অমসুং পরমদা মৈতৈ লাইরিকশিং (মমাঙগী মতমদা মৈতৈ ময়েক্লা ইদুনা থম্বীরম্বশিং অমসুং মখোয়দুদগী ময়েক শিন্দোক্তুনা লৈরবা অমদি ফোংলবশিং) গী ৱারোল-ৱাফমশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা থবক পায়খৎপা নত্তনা অতৈ পাম্বে লৈজদে। হায়জরিবা থৌরাংসিদা সিষ্টেমেটিক অমসুং সাইন্টিফিক ওইবা অফংবা অনৌবা লাইরিকশিংগী ৱাফমশিং হাপচদুনা খন্ন-নৈনবগী থাক্তা য়েংবা য়াবা লীখুন অমসুং লংলা-লংজীন পুথোকচনবা হোৎনজবগী থাক্তা চঙশিঞ্জারি।

মণিপুরদা খুন্দা-লৈতারকপা

মৈতৈ লাইরিকশিংনা পীবগী মতুংইন্না মৈত্রবাক মণিপুরগী খ্বাইদগী ঈহেন-হেন্না লীরবা মী কাংলুপ অসি থাংয়ি (চেংলৈ-শরাং-লৈশাং) হায়বসিনি। মখোয়সিগী মপা-মপুশিং অমসুং খাবা-ঙানবা য়েক্কী মপা-মপুশিংনা খৃষ্টগী মমাঙগী কুমশীঙ ৫০০ (চামঙা) গী অদুৱাইদা হৌজিক্কী কংলাতোংবী মথক্তগীনা হৌজিক্কী কাংপোকপী মখাগী লমদম অসি ফাওবগী মনুংদা চোয়না চোয়না খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরম্মী [B.K.S., 1988, 4]। মতম খর হৌদ্রবা মতুংদা খাবা অমসুং ঙানবগী মী কাংলুপ অনি অসি নক্ল-শম্নরুবা অমসুং ৱাখল্লোন্দা নকশিন্নরক্তুনা নক্লনা নৎত্রগা পুন্না লৈমিন্নবগী মরীসি চেৎশিন্নরকখিরম্মী। মতম অদুদা মণিপুরগী নোংপোক মায়কৈ লমদমশিংদগী মী কাংলুপ-ফুরুপ কয়ামরুম মখোয়গী খুম্হোক-খুনহোংলকপগী পরীংদা মৈত্রবাক্কী লমখৈ মনুংদা থুংলখিরম্মী। হায়রিবা খুনহোংলকপা মী-ফুরুপ কাংলুপশিং অদুগী মনুংদা ঙসি ইন্দিয়াগী মনুংদা সেদ্যুল ট্রাইব ওইনা লৈরিবা— কোল, ভীল, মুণ্ডা, সনতাল, ওরিওন, পুলিণ্ড (শবরা) অমসুং ঙসিগী বৃটিশনা শেম্বীরম্বা নাগা হিলসকী নাগালেণ্ডদা খুন্দারিবা— আও, রেংমৈ, কোনয়াক, আঙ্গামী, সেমানচিংবগী

মপা-মপুশিংসি মণিপুরগী চীঙগী লমদম ফাওদুনা চৎখিবা কাংলুপশিংনি [R.R.S., 1985, 2-11]। অদুগা মখোয়শিংগা লোইনদুনা লাক্লগা মণিপুরগী মতমদুগী চীঙলৈপাকশিংদা খুন্দাহৌরিবদি ঙসিগী— ৱুঙ (তাংখুল), মৈরিং/মরিং, কোম, চকপনচিংবগী মপা-মপুশিং অমসুং ঙসি তম্মী ওইরিবা ৱাং/মৈতৈ (নিংথৌজা অমসুং মোইরাং), খ্বাংনচিংবগী মপা-মপুশিংসু খুম্ভোক-খুনহোংলকখিরম্মী। মখোয়, অকোনবগী কাংলুপশিংসিদগী ৱাং (মৈতৈ অমসুং মোইরাংগী মপা-মপুশিং) শিংসিনা অৱাৎ ফাৎলৌ লাইমকোন (হৌজিক্কী কোংবা তুরেনগী মরূগী চীঙজাওসিদগীনা ঈরীন/লিনৱাই তুরেনগী মরূগী চীঙজাও ফাওবগী লমদম) গী লমদমদা খুন্দা লৈতাদুনা পাল্লম্মী [পা:লাই:,খ:]।

মণিপুরগী ইম্ফাল তুরেন অমসুং মসিগী ঈতীল্লবা তুরেনশিংগী ঈশিং চাবা লমদমশিং ওইরিবা মণিপুর-তম্পাক অসিনা খর খোঙ্গং-খুৎকংলবা মতম খৃষ্ট মমাঙগী কুমশীঙ ১৭০-১৫০ রোমগী মতমদা খাবা-ঙানবা অমসুং থাংয়িনা মখোয়গী অৱাংলোমগী খুন্দা-লৈতাফম কংলাতোংবী অমসুং কাংপোকপী অনিগী মরক্কী লমদমদুদগী মখারোমদা তম্পাক্কী ময়ায়রোমদা চঙশিল্লক্তুনা খুন্দাবা হৌরকখিরম্মী, অদুবু মতমদুদা তম্পাক য়ৌবদি য়ারমদ্রি। অমরোমদা, মতমসিদা অৱাং ফাৎলৌ লাইমকোন্দা খুন্দারিবা ৱাং-শিং অদুদগী ফুরুপ অমা খায়দোকখিবদুনা মণিপুর তম্পাক্কী খা-নোংচুপলোমদা চীঙখোঙ-চীঙয়াগী লম্বী ইন্দুনা চৎলগা থাপ্পা হাইথখিরম্মী। মখোয়না খা-নোংচুপকী লমদমদুদা মতা চাবা চীঙ অমা খন্দুনা পানখিরম্মী। হায়রিবা ফুরুপ অসি 'ৱাং' হায়রিবা মী কাংলুপ অসিগী লুচিংলেন অতিয়া শিদবা (লাইরোন্দা) নৎত্রগা কোনসৌরেল (মৈহৌবরোন্দা) হায়বসিনা মচা-মনাই খর পুরগা চৎখিবনি। মহাক্লা খা-নোংচুপকী মায়কৈসিদা অতোপ্পা য়েক অমা পোক্তুনা অমসুং য়েক্তুগী অনৌবা য়ুম্ফম অমা লীংখত্তুনা পাল্লকপসিদগী মহাক্কী মমিংসি চীঙঙু থাংজীঙ হায়না খঙনখ্রে [র:ঙ:ফ:, ১৯৮৪, ২১]। চীঙঙু থাংজীঙ মহাক্লা মোইরাং য়েক পোক্তুনা থাংজীঙ চীঙজাওগী চীঙদোন্দা ফমলেন-ফন্বী ওইরগা মৈত্রবাক্কী খা-নোংচুপকী চীঙ অমসুং তমগী লমশিং লৈঙাক-ৱায়েন থৌদাদুনা পাল্লম্বদগী তমদা লোক্তাক পাৎলেনগী খোংবান্দা কুমথরক্তুনা মোইরাং লৈপাক শেমগত্তুনা অমুক পাল্লকখিরম্মী।

লৈপাক মনুংগী খুনহোং-লৈহোংনরকপা

'ৱাং' কাংলুপকী লুচিংলেন কোনসৌরেন্না লৈপাকসিগী খা-নোংচুপলোমদা হাইথখিবদগী মতম ঈকান কান্নদনা অৱাং-ফাৎলৌ লাইম-কোন্দা পালহৌরিবা ৱাং কাংলুপসি অমুক ফুরুপ অনি থোক্লা খায়দোরকখি। খায়দোক্লরক্লিবা ফুরুপ অনিসি ৱাংগী লুচিংলেন/নিংথৌ কোনসৌরেনগী মচা ঈবুংঙো অনি— কুপত্রেং অমসুং সেনত্রেংনা লুচিংখিবনি। কুপত্রেংনা মহাক্কী ফুরুপকী মীওইশিং পুদুনা কৌব্রু চীঙগী অৱাংবা চীঙদোনশিংদা পানখিরম্মী। নোং পুবা লৈচীন্না পাইদুনা লৈবা, নোংজু পাম্বাদা লৈচিন্না কুপ্তুনা নোংলীক্লা তত্তনা খীকথবা লমদম, অৱাংবা চীঙথক্তা নোং মরক্তা পানবা কাংলুপনি হায়দুনা মখোয়বু 'নোংপান' হায়বদগী নোংবান হায়না খঙনখি। অমরোমদা, অমুক কুপত্রেংগী কাংলুপ অসি সরা শন-না লৈরিবা অহাংবা নোংমদোনগা থংনবা মফমদা পাল্লি হায়দুনা সরা/সোরা হায়নসু খঙনখি অমসুং মমিংসিনা মখোয়গী মরমদম অমসুং মী কাংলুপ্তুবু তূনা খঙনরকখি। মরম অসিনা মখোয় সরা লমদমগী অমসুং সরা ফুরুপকী লুচিংবা/নিংথৌবু সরারেন (সরাগী মকোক/লুচিংবা/নিংথৌ নৎত্রগা অথোইবা সরা) হায়না মিংথোনখিরম্মী। মতুং তারকপা মতমদা মখোয়সিবু 'অঙোম' হায়রগা খঙনরকখি।

থাংয়িশিংনা ৱাং কাংলুপকী ফুরুপ নোংবান/সোরাশিংনা কৌব্রু চীঙগী চীঙদোন্দা পাল্লিঙৈ মতম, চাওরাক্লা খৃষ্ট মমাঙগী কুমশীঙ ৫০ (য়াঙখৈ) রোমগী অদুৱাইদা শেল্লোই-লংমাইচীঙ/নোংমাইজীঙ চীঙজাওগী চীঙশা অমা (লংমাই ৱাইরোক/ৱারোক চীঙ) দা মখোয়গী লম কন্দুনা পানখিরম্মী। অদুগা খাবা-ঙানবগী কাংলুপ অনিসি পুনশিন্নদুনা খুন হোংলে হোংমিন্না, খুন লেপলে লেপমিন্নবা তৌরদুনা কংলাতোংবীগী লমদম থুংনা পানমিন্নরম্বদগী মখোয় পুন্না মণিপুর তম্পাক্কী ময়ায় ওইবা লমদা কুমথমিন্নরকখি। মতমসিদা খাবা শঞ্জেন-থোংগী লমদমসিগী অকোয়বদা খুৎকং-খোঙগংলদুনা মফমদুদা 'কংলৈপুঙ' কৌবা লৈপাক শেমগত্তুনা খৃষ্টগী মমাঙগী কুমশীঙ ১০০ রোমগী অদুৱাইদগী পাল্লরুম্মী [ম:চ:স:, ১৯৯৯, ৩২]। মখোয় খাবশিংগী শনশেন-শনঙাক তৌবা শঞ্জেন্নহাশিংনা তৌ-শীঙনাংনা মখোয়গী লাম্থোক-লানশিন তৌনবা থোং

শাখিরম্মী অমসুং হায়রিবসিদগী মফমদুবু খাবা শঞ্জেনথোং হায়না কৌখিরম্মী [ও:ভ:স-২:, ১৯৭৭, ৩০ (মফম অসি হৌজিক পোষ্ট ওফিসকী হেড ওফিস, টেলিগ্রাফ ওফিসনচিংবা লৈরিবা মফম অশ্নাইদনি)]। অদুগা শেল্লোই লংমাইচীঙদা পানখিবা থাংয়িগী ফুরুপ অদু নত্তনা লৈমোন, লম্বান্নচিংবা লমদমশিং (হৌজিক্কী কাংঙবুঙ খুনগী অকোয়বগী লমশিং) দা মমাঙঙৈদা কাংপোকপীদগী হোংদুনা খুনবান-লৈপানখিবা থাংয়ি (শরাং-লৈশাং) গী ফুরুপ অমসু খাবা-ঙানবশিংগা লাল্লোইনবা লুপ (Allied group) ওইনা লৈরম্মী [ম:চ:স:, ১৯৯৯, ২১]। মখোয়সু মরক-মরক্তা খাবগী কংলৈপুঙদা চখোক কোয়খোক্লম্মী।

নোংদা লাইরেন পোকপা

অব্রাং ফাংলৌ লাইমকোন্দা পালহৌবা ব্রাং/ব্রাংঙম কাংলুপশিংসু তপ্না তপ্না মণিপুর তম্পাক্কী ময়ায়রোমদা খজীক খজীক হাইথরক্কুনা কোংবা তুরেনগী হৌরকফম ওইরিবা চীঙজাও অদুদগী তামথরক্কুনা কংলৈপুঙগী মনাক নক্লা খুনহোংলক্কুনা খুন্দাররে। অদুবু মখোয়গী অয়াম্বা শরুক্তি ঈরেম লমদম (ঈরোইশেনবদগীনা লমশাং ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা লম) দা পানখি। হায়রিবা ব্রাংঙম ফুরুপসিগী মতম অমগী লুচিংবদুগী মমিং 'তুবী থিংকোক লাইরেনবা (তম্ফা ব্রাংঙমলোন পাম্থোইবী অপোকপা মপাঙ্গবুংঙোনি)' হায়না কৌই [মথক্কীসিদা, ৪]। অদুগা খাবগী কংলৈপুঙগী মনাক নক্লা থাঙব্রাই লৈয়াৎকী মনুংদা পাল্লিবা অসিনা 'পুরিংলেন পুরৈরোম্বা' হায়না কৌরম্মী। মহাক (পুরিংলেন) অমসুং তুবী থিংকোক লাইরেনবসি কোনসৌরেনগী চাদা-নাউদা ঙাক্তনি অমসুং মখোয় অনীসি মচীন-মনাউনি। অদুগা পুরিংলেনসি কুপত্রেংগী ধারাদগী লাক্লগা শেনত্রেংগী ধারাদা য়ুম লেপহনখিবনি [ক:স:প:, খ:;ও:ভ:স:, ১৯৬৭, & চ:কু:,শ:, ১৯৯৬, ১১১-১২]। মহাক লৈনুং য়াবী য়াখুচনু নোংদা নোংখল্লেম্বী পান্নদুনা নোংদা তুকুপ্লীক (নোংদা লাইরেন পাখংবা) পোকখিরম্মী। লৈনুং য়াবী য়াখুচনু নোংদা নোংখললেম্বীসি মচানুপা নোংদা তুকুপ্লীক পোকপদগীদি লৈনুং য়াবীরোক হায়না খঙনখি [খ:য়ুম্বী:;খ:-১]। নোংদা তুকুপ্লীক পোকপা মতুং চহী অনি শুরকপদা পুরিংলেন পুরৈরোম্বসি

শেল্লোই লংমাইচীঙ (নোংমাইজীঙ) চীঙজাওগী চীঙদোন অমদা নোঙ্গাখিরম্মী [ক:স:পু:খ:]। মমা নোংদা নোংখললেম্মী নৎত্রগা লৈনুং য়াবীরোক্লা মহাক্কী লৈজবা পুন্নমক মচাগীদমক্তা কখোক্তুনা মতমদুদা মমিং চৎলবা সরারেন অরিবা অহুম [ও:ভ:স-২:, ১৯৬৭, ১] বু শক্কী লাংনা ফাদুনা [খা: য়ুম্বী, খ:] মখোয় অহুম্মু মতেং পাংহল্লগা মচানুপা নোংদা লাইরেনবু মী ওইননবা শেন্নকখিরম্মী [পা:লাই:, খ:]। মসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা মণিপুরগী ওইবা ইতিহাসকী মতম হৌরকপগা লোইননা মনীঙতম্বা মৈত্রবাক, মৈতৈ নিংথৌজা কাংলুপ্পা লিংখৎলকখিরম্মী। হায়রিবসিগী পরীং নাইনা চত্থরকপা থৌদোক-ব্বাথোকশিংদু মখাদা থমজরি।

12

লৈঙাক্লোন্দা নিংথৌজানা অপুনবা মৈতৈ লৈপাক অমসুং জাতি শেমগৎলকপা

ৱা-হৌ-দো-ক

'নিংথৌজা' হায়বসি মৈতৈ জাতিসিগী 'য়েক তরেৎ, শল্লাই মাপন' হায়দুনা মী-কাংলুপ-ফুরুপ খায়দোকলিবসিগী মনুংদগী অমনি অমসুং 'মৈতৈ' হায়রগসু খঙনৈ [ও:ভ:স:, ১৯৬৭, ১৪০]। মখোয়সি মমাঙঙৈগী মণিপুর-তম্পাকপু নিংথৌ পানবা লৈপাক মচা মচাশিং, মনীঙ-মখা তম্না অমসুং মশা মতোম-মতোমতা লৈঙাক-ৱায়েন থৌদা তৌজদুনা পাল্লম্বদুবুলোয়নমক লৌশিল্লগা, য়েক অসিখক্তমক পালহৌ-লৈহৌদুনা খৃঃ ১৪৩৫ [চৈথা:কুম:, ২০০৫, ১৯] দগী খৃঃ ১৮৯১ ফাওবদা মনীঙ তম্বা, নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা ওইনা খৃঃ ১৮২৬ কী ফেব্রুৱারী তাং ২৪ দগী পৃথিবীগী অন্তরজাতিগী থাক্তা শকখঙ-মায়খঙদুনা [M.L.B., 1979, 24, 61-62] মনীঙ-মখা তম্বা নিংথৌনা হাইনা হুম্না পান্দুনা লৈঙাল্লম্বা, মৈতৈ জাতিসিগী য়াঙলেন শরূ (Backbone) ওইরিবা য়েক্লি। মখোয়গী নিংথৌ-শাগৈ, নিংথৌ শাগৈসিদগী শন্দোক্লকপা নিংথেমচা শাগৈশিং অমদি নিংথৌজা ফুরুপশিং অমসুং চাদ-নাউদাগী শাগৈ-য়ুম্নাকশিং লৈ। অদুগা ঙল্লিঙৈগী মতম খৃঃ ৩৩/৩৪ দগী মখোয়গী য়েক-শল্লাইগী মরৈপাক 'অৱাং পোইরৈ মৈতৈ' হায়না অতোপ্পা য়েক্কী লৈপাক্কী অমসুং মীশিং, মরু ওইনা, খুমন অমসুং মোইরাংনা খঙনবা লৈ [ব:ক:শ:, ১৯৯৮, ১৩৪] অমদি মখোয়গী মরৈপাক অমসুং নিংথৌ-শাগৈবু লিংখৎলম্বা মীশক নৎত্রগা পুকোক, নোংদা লাইরেন পাখংববু লাই ওইনা লাক্তুনা মতম পুম্নমক্তা ঈকাই খুম্নজে।

'অপুনবা মৈতৈ লৈপাক অমসুং জাতি' হায়বসিদা পুরিবা ৱাখল অমদি ৱাখল্লোন্দি মতমদুদা মণিপুর তম্পাক্তা লৈরিবা য়েক-শল্লাই, ফুরুপ-কাংলুপ, জাতি-বর্ণনচিংবা মান্নবা-মান্নদবা পুম্নমকপু পুনশিন্দুনা বৈজয়ন্তি মালা লেঙবগুম

লেঙশিন্দুনা জাতি অমত্তা ওইবগী লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন, শেন্দান-শেনচৎলোন্নচিংবগী হীরম পুম্নমক্তা মান্ননা থম্বগী হক অমসুং মিৎয়েং পনগোয়নুংদা পুশিন্দুনা জাতি অমত্তগী ফিরান মখা পুল্লিবা শক্তমশিং শাগৎলকখিবদগী ইতিহাসকী খোঙথাংদগী থোক্লকখিবা অপুনবগী লীচিংগী মহৈ অদুশিংদুবুনি। ঙসি 'মণিপুরী' হায়বা জাতিগী শক্তাক-মিংফম অসিনা লৈপাকসিগী চীঙমী-তম্মী পুম্নমক্তা পীরিবা মশাগী শক্তাক-পাউখুমদু খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙদা লৈরম্বা লৈপাকসিগী মীশিং পুম্নমক্কী পাউখুম্নবা মরল ওইদুনা লৈরম্বনি।

নিংথৌজাগী য়েক অমসুং লৈপাক-মচা লীংখৎলকপগী মমাঙগী মতমগী ফিভমশিং

নিংথৌজা য়েক অমসুং মখোয়গী য়েক্কী লৈপাক-মচা (Princedom/ Principality) সি মৈতৈগী মবুংঙো নোংদা লাইরেন পাখংবা (খৃঃ ৩৩/ ৩৪-১৫৪) না খৃঃ ৩৪ দা লিংখৎখিবনি হায়বসি হৌজিক চৎনরিবা লৈপাক-খ্বাই মীয়ামসিনা য়ানরিবা ৱাফম্নি। মৈদিংঙুসিনা মহাক্কী লৈপাক মচাসি লীংখৎত্রিঙৈগী মমাঙদা খাবা য়েক-শল্লাইশিংনা খাবা শনশেনথোংগী লমদম (হৌজিক্কী কংলা অমসুং অকোয়বগী লমদম) দা ঙানবা শল্লাই, চকপা য়েক্কী ফুরুপ খর অমসুং থাংয়ি (চেংলৈ অমসুং শরাং-লৈশাং কাংলুপকী থায়নগী মমিং) য়েক্কী শল্লাই অমগা লোইননা অপুনবা লাল্লোইনবা খুৎ শেমদুনা পাল্লম্বা [ই:অ:, ১৯৮১, ৭-৯,১৩] অমসুং লংমাইজীঙ (হৌজিক্কী নোংমাইজীঙ) চীঙজাওগী চীঙলৈপাক্কী লমখৈ মনুং [মসি অৱাংলোমদা লীনৱাই/ঈরীন তুরেনগী হৌরকফম, নোংপোক্লোমদা খংখুই, খারোমদা ৱাইথৌ খমপুৎ অমসুং নোংচুপলোমদা খরাই অহোঙপুঙ (হৌজিক্কী তেলীপতি) য়ৌই] দা থাংয়িগী মপুঙ ওইবা ফুরুপনা ৱারোকচীঙ/ৱাইরোকচীঙদা, লংমাই/নোংমাইশিং, শেল্লোইশিং, অঙোমশিংগী ঙল্লিঙৈ ফুরুপশিং পুন্না নোংপান কৌদুনা নোংমাইজীঙ চীঙগী খল্লোং মনাক্তা অমদি নুংপান (লুৱাংগী ঙল্লিঙৈগী মমিং) গী ফুরুপ অমনা লংমাই-য়োংখং-চীঙ মনাক্তা পান্দুনা অপুনবা লাল্লোইনবা খুৎ (Allied Force) শেমদুনা লৈরম্বা [পা:লাই:, খু: অমসুং ন:ম:স:,

১৯৮৯, ৯] থেংনৈ। অদুগা মণিপুর তম্পাকসিগী খা-নোংচুপলোমদা থাংজীঙ চীঙজাও অমসুং মসিগী অকোয়বগী লমদমশিংদা ইতিহাসকী মতমগী মোইরাংশিংগী মপা-মপুশিংগী পাল্লম্বগী ৱাফম ফংজৈ [ও:ভ:স:, ১৯৮২, ১-১১]।

নোংদা লাইরেন পাখংবনা অঙোম য়েক্কী নিংথৌ অঙৌবা পুরৈরোম্বা, লুৱাং য়েক্কী লুৱাং লংমাইবা অমসুং মহাক্কী য়েক্কী মীওইশিং খরগী মতেংদগী ফাৎলৌ লাইমকোন্দগী লিনৱাই/ঈরীন তুরেনগী তুখুন-খোংলম ইন্দুনা লাক্লগা মতমদুগী কংলৈপুঙ (কংলা) দা লান্দাদুনা [খু:য়:স:, ১৯৬৭, ২২-২৩] খাবশিং অমসুং মখোয়গা লাল্লোইনবা খুৎ (Allied Force) কী মীওইশিংবু খাবা শঞ্জেম্বোংগী লমদম (কংলাগী লমখৈ) দগী তাম্বোক্লুনা নিংথৌজা/মৈতৈ য়েক্কী লৈপাক-মচা লীংখৎখিরম্মী। অদুবু লুৱাং লংমাইবশিংগী মায়কৈদা (পোইরৈতোন অমসুং মহাক্কী মচানুপাদা) হেন্না নকশিনবা মিৎয়েং থম্লুবদগী অঙোম পুরৈরোম্বনা লাপথোকখিবগী খুদোংচাবা লৌদুনা খাবা-ঙানবা অমসুং মখোয়গা লাল্লোইনবশিংনা লান হৌরক্লুনা নোংদা লাইরেন পাখংবনা মোইরাং লৈপাক্তা লাঞ্জেল্লক্লুনা মফমদুদা লান-থুপফম অমসুং লৈঙাক্লোনগী চঙজফম (Political asylum) লৌবা ওইনা মোইরাংগী লোইরেন সনাপুঙ, থমপাল নোংশারৌ কৌবা মফমদা মতম খর লৈখিরম্মী। মতম খর লৈরগা মহাক্কী লাইস্না (পোইরৈতোনগী মচননি, হায়) মৈতৈ লৈমনা অঙোম পুরৈরোম্বগা তাইশিন্নদুনা মোইরাংদা মখোয়নীমক লাক্লগা, হান্ননা মোইরাং থাংজীঙগী মতেংনা অমসুং মহাক্না পীবা মোইরাং চাওবা মৈল্লেবা, শৌবোন শানৌঙম্বগা লোইনদুনা মোইরাং লৈপাক্তগী খোম্বা লাম্মীগা লোইননা লোক্তাকপাৎ লান্দুনা লাক্লগা খাবা অমসুং মখোয়গী লাল্লোইনরিবা অপুনবা খুৎকী লুচিংলেন খাবা নোংজেংবা হাত্তুনা, খাবা, ঙানবা, চকপা অমসুং থাংয়ি য়েক-শল্লাইশিংবু মায়থীবা পীদুনা চায়খায়খিরম্মী। লাম্বোকসিদগী খাবা অমসুং মখোয়গী লাল্লোইনরিবা ফুরুপ-কাংলুপশিংগী মীওইশিং, চীঙ-মান, চীঙখোঙ-চীঙশাশিং, চীঙয়া-তময়াশিংদা চেনখিদুনা মণিপুর তম্পাক্কী ইম্ফাল তুরেনগী ঈশিং চাবা তম্পাক-ময়ায়লমগী লমদমশিং থাদোক্লুনা লোইয়া-তময়াশিংদা খুনবান-লৈপান্নখিরম্মী [ন:খ:স:, ১৯৬৭, ৭ অমসুং চ:খুন:খুন:, খু:]।

মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা মহাক্কী নিংথৌ পানবা লৈপাক-মচা লীংখৎপা হৌগৎলকপগী মতম অদুৱাইদা খা-নোংপোক এসিয়াগী, মৈতৈশিংনা "লৈনুং" কৌবা লমদমগী মনুংদা লৈবা খমনুং কৌবা লৈপাক্কী শাৱা [Probably, the present town of SHWEBO (22.23°N & 95.45°E) in Myanmar?] কৌবা কংলৈ/সহরদা পানবা চীঙখোঙ পোইরৈতোন (তাঙখুতেকসু কৌই) কৌবা নিংথৌমচা অমগী লুচিং' মখাদা মী ৪০ (নিফু) রোম্না শাবা মী কাংবু (Horde) অমা মমায় নোংচুপ ওন্না মণিপুরদা খুঙ্গোক-খুনহোংলক্লম্মী [ম:চ:স:, ১৯৭৯, ল:ম:]। পোইরৈতোন অমসুং মহাক্কী কাংবু অসিদা নত্তনা মহাক্কী ময়ান্নুং, খমনুং-শাৱাগী নিংথৌ, 'থৱারেন/থোঙঙারেন' হায়না কৌবা অদুসু মহাক্কী মী খরখক্তগা লোইননা মৈত্রবাক্তা খুনহোংলক্তুনা খুনথোক্লককখিরম্মী। পোইরৈতোন অমসুং মহাক্কী খুঙ্গোকপা কাংবুসি শেল্লোই লংমাইচীঙ (নোংমাইজীঙ) গী মফম কয়ামরুম (তাইতল সুনচিঙ) [মথক্কীসিদা, ৪১-৪২] নচিংবা) থুংনা কোয়রুরগা চকপা অন্দ্রোশিংগী খুনফম (খুনমন) দা মতম খরা শাংনা খুন্দারম্লগা খৃঃ ৫০ গী অদুৱাইদা লমতেং-লমহাম (হৌজিক্কী লমদেং, ইম্ফাল ৱেস্ত) গী লমদমদা খুন্দা-লৈতাখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৬০]। হায়রিবা পোইরৈতোনসিগী চাদা-নাউদানা অপুনবা মৈতৈ জাতি শেম্বদা অচৌবা শরুক য়ারিবা 'লুৱাং (নুংবান)' অমসুং 'খুমন (নোংয়ায়)' হায়বা য়েক অনিসি থোক্লককখিরম্মী। লুৱাং অমসুং খুমনশিংসি মখোয়গী য়ুমলেন অমসুং নাউদা ওইবা শল্লাইশিং খরনা অপীকপা নিংথৌ পানবা লৈপাক-মচাশিং লীংখত্তুনা অঙনবা মণিপুর ইতিহাসকী মতমদা পাল্লখিগনি।

য়েক অতৈগী লৈপাকশিং লীংখৎনরকপা অমদি নিংথৌজানা মদুশিংদু চুপশিনখিবা

মৈত্রবাক-মণিপুরদা থায়নঙৈগী মতমদা নিংথৌজা/মৈতৈ নত্তবা অতৈ য়েকশিং নৎত্রগা শল্লাইশিংনা মখোয়-মখোয়গী মনীঙ-মখা তন্না অপীকপা লৈপাক-মচাশিং লীংখৎনরকপা অমসুং অদুগুম্বা লৈপাক-মচাশিংদু নিংথৌজা য়েক্কী লৈপাক্তা, মখোয়গী নিংথৌশিংনা লৈঙাক্লোনগী মপাঙ্গল, খুজীল-থৌরাংনচিংবনা লৌশিন-চুপশিনখিবা অমসুং মখোয়গী লৈপাক্তা হাপচিন-

তীনশিনখিবসি মণিপুর ইতিহাসকী অঙনবা মতম তাংকক (Ancient period) কী হৌগৎলকপদগীনা ময়ায় ওইবা মতম তাংকক (Medieval period) কী হৌগৎলকপা মতমগী শরুক অদু ফাওবগী খেন্ন-খেন্নরবা মতমগী তানফমশিংদনি। মখোয়সিগী থৌদোক-ৱাথোক্কী ৱারোলশিং তোংঙান-তোংঙান্না লৈপাক-মচাশিং অদু চুপশিনখিবগী অহান-অকোনগী মথং-মনাউ ইন্না মখাদা অখঙবা ৱাফম খর থমজরি, মদুশিংদুদিঃ-

(১) খা-ঙান্‌বা য়েক্কী লৈপাক-মচা

খাবা-ঙনবা য়েকসিগী লৈপাক্কী মরমদা মথক্তসু খরমখৈ পঞ্জখ্রে। হায়রিবা য়েক অসি খাবা কাংলুপ নৎত্রগা শল্লাইগা ঙানবা কাংলুপ নৎত্রগা শল্লাইগা অনিসিনা শাবা য়েক্নি। মখোয় অনিসি অঙোমগী পুরৈরোম্বা অঙৌবা কৌবসিগী মচন নুপী পুরৈলেমনুশৃগী মচা নুপা অনিগী চাদা-নাউদাশিংনি। মরম অসিনা মচীন-মনাউ ওইবসিগী লীপুন্না পুন্দুনা কাংলুপ অনিসি অমগা অমগা শৌগৎনদুনা ঙাল্লিঙৈদা খুন্দাফম পুন্না নৎত্রগা নক্কুনা খুন্দা-লৈতামিন্নদুনা লৈরকই অমসুং মখোয়গী অপুনবা খুনফম শেম্লকখি, মদুনা মখোয়গী লৈপাক-মচা ওইরকই, অদুগা মকোক থোংবা লুচিংবসিদি খাবশিংদনা ওইরকপগুম তৌই। মখোয়সি অহানবদা ইম্ফাল তম্পাক্কী অৱাংথংবা শরুক্তা খুনবান-লৈপাল্লম্বদগী খুনহোংলক্তুনা চকপা অমসুং থাংয়ি ফুরুপ, থাঙ্গা কম্বোংগা লোইননা খাবা শঞ্জেন্থোংগী অকোয়বা কংলৈপুঙ থোন্দুনা মখোয়গী লৈপাক-মচা লীংখৎখিবনি। মখোয়গী মমিং য়াম্না চৎখিবা নিংথৌ নৎত্রগা লুচিংবসি খাবা শোকচ্রোম্বা, কংলৈ লৈপাক মাবা [ন:খ:স:, ১৯৬৭, ৭] অমসুং খাবা নোংজেংবা অনিসিনি। মখোয়গা নিংথৌজাগা তৌনখিবা লানগী মওং-মতৌ অমদি, মৈতৈ লাইরিক 'নুমিৎ কাপ্পা' কৌবনা খর মখৈদি ফোংদোকই।

খাবা নোংজেংবগী মতমদা নোংদা লাইরেন পাখংবনা লান্দারক্তুনা মখোয়গী লৈপাক মুন্দুনা লৌখিবনি। অদুবু মখোয়না অমুক লান হৌদুনা নোংদা লাইরেন পাখংববু তান্থোক্লগা মরৈবাক অমুক হঞ্জিনখিবনি। মখোয়গীচেকশিনহৌদবা তাঞ্জাদা নোংদা লাইরেন্না মোইরাংদগী লাম্নী খোমদুনা

মখোয়গী মপুম/মামা, পুরৈরোম্বা, অঙোম নিংথৌগী ফুরুপশিংগা পুন্দুনা লান্দারকপা মতমদা মখোয়গী লুচিংবা খাবা নোংজেংববু হাৎখি [মথক্কীসিদা, ৭]। লান অসি খৃঃ ৫০গী ঙকয়াদা চাওরাক্লা পাবা য়াই অমসুং মসিদা খাবশিংবু চায়খায়খিবসিদগী মখোয় অমুক হৌগৎপা ঙমদনা অমসুং অমুক হন্না মনীঙ তন্বা লৈপাক অমা লীংখৎপা নৎত্রগা মাঙখ্রবা মরৈবাক্তু হন্দোকপা নৎত্রগা হঞ্জিনবা ঙমদনা য়েক অতৈগী লৈপাক-মচাশিং অমসুং চীঙলৈপাক্কী লমদমশিংদা চেন্দুনা অমসুং শাইদাংদুনা পানখিরম্মী। মসিগী ঈ-পাউদিঃ-

...খাবা নোংচেংপতি কেকে মোইরাং চাওপা মেললৈপা সৌপোন সানৌপনা লীরি থম্মোই তিং, লাকা তেনমৈ লাক্না ৱায়রা তেনখা ১ৱকতা নোংমল্হল্-এ॥ খাপা লৈখোঙ কায়রে; য়াংপা মখৈ ফংনা তুম্হল্লপতা॥ খাপা মরুপ অমতি অঙৌপা পুরৈরোমপতা চেনসিখিরে। খাপা ফুরুপ অমতি তাংখুল মচিপপু ওইখরে॥ খাপা মরুপ অমতি নোংচুপ্লম চেন্খিতুনা মহৌ লোন্তাই ওইখরে॥ খাপা মচেৎ অমতি অৱাংলম চেনখিপনা কৌংচ লাইখাতা খাপা উললেন ওইখিরে॥ খাপা নোংমানপতি লাইয়িংথৌকী ফানখোঙতা চেনসিনখিতুনা কনপীরে॥... [চ:খুন:খুন:, খ:]

অসিনি। অসুম্না খাবশিংবু চায়খায়খিবসিদা মখোয়গা লাল্লোইনখিবা চকপনচিংবদুসু য়াওখ্রিবনি, অদুনা চকপা ফয়েংনা লুৱাং-লৈপাক্কী লমখৈ মনুংদা, সেকমায়না খুমন লৈপাক অমসুং খুঞ্জানগী লৈপাক লীংখৎলক্কদবা হৈরেম লমদম (খা শেকমায়গী লম), অন্দ্রোনা অঙোমগী লৈপাক মনুংদা, অসিনচিংবদা খুনবান-লৈপানখ্রিবশিং অসিনি। অসুম্না চায়খায়দুনা য়েক-শল্লাইগী লৈপাক-মচাশিংদা লৈখ্রিবশিংসি অমুক য়েক-শল্লাইগী লৈপাকশিং অদুনা নিংথৌজাগী লৈপাক্তা তীনশিল্লকপা মতমদুদা নিংথৌজাগী লৈঙাকলোনগী মখাদা অমুক হন্না চঙলকখিগনি। অদুগা হাননা খৃঃ ৫০ রোমগী মতমদা মৈদিংঙু পাখংবদা চঙজখিবা খাবা নোংমানবা/নোংঙানবগী ফুরুপশিংদি নিংথৌজাগী লৈঙাক মখাদা ঙন্না খৃঃ ৫০ রোমগী মতমসিদা তীনশিনখ্রে। হায়রিবসিগী খুদম-চাংদমদি মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবদগী ১০শুবা মৈতৈ নিংথৌ উরাকোন্থৌব (খৃঃ ৫৬৮-৬৫৮) গী লৈমরেন/মহারানীসি খাবা য়েক্কী নিংঙোন খাবরোন নোংজেংশূ কৌবীসিনা ওইখ্রিবা অসিনি [ম:স:ক:এ:, ১৯৯৪, ৫৩]।

(২) চেংলৈ/শরাং-লৈশাং লৈপাক-মচা

চেংলৈ, শরাং অমসুং লৈশাং হায়বসি য়েক অমগী শল্লাই/ফুরুপ ওইদুনা মমৈথংদা চোংথোক্লরকখিবনি। মখোয় অহুমসিনা পোক্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙগী মপী ওইবা য়েক/কাংলুপ্পুগী মমিং, 'থাংয়ি' হায়না খঙনৈ [ন:ম:স:, ১৯৮৯, ১]। য়েক অসি য়াম্না ঙল্লিঙৈগী মতম খৃষ্ট মমাঙদা পুখত্তুনা, মেটরিয়েল কলচরশিং অমসুং কলচরেল মেটরিয়েলশিংনা মৈদিংঙু খাগেম্ব (খৃঃ ১৫৯৭-১৬৫২) গী মতমগী নৎত্রগা মতুংগী ওইরগা চহিদা পঙলী লীখৎহনবা অমসুং অহানবা থাক্কী মৈহৌরোনশিংদা লাই-ৱারী নৎত্রগা লাইওই-তীনওইবগী ৱারী-শীঙবুন্দা পীরগা [ম:স:ক:এ:, ১৯৯৪, ১০-১২] মী নমদুনা ওনহন্নবা হোৎনবগী ৱাফমসু লৈ।

থাংয়িশিং অহানবদা কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙ্গোন লৈয়াৎকী লমখৈ মনুং ওইবা লমদম হাওকৈদা পাল্লম্বদগী খরনা খাবা-ঙানবশিংগা পুন্দুনা খা-ঙানবা য়েক্কী লৈপাক লীংখৎমিন্নদুনা পানমিন্নরম্বা অদুগা অতোপ্পা ফুরুপ অমনা অঙোম য়েক্কী লমখৈ মনুংদা অঙোম, লুৱাং লংমাইবা অমসুং মখোয় লাল্লোইনদুনা লংমাইজীঙগী চীঙশা নাপোম, লংমাই ৱারোক/ৱাইরোক চীঙদা পাল্লম্লগা মফমসিদগী ফুরুপ খায়দোক্লদুনা চীঙখোঙ-চীঙয়াদা ফুরুপ অমা অমসুং মণিপুর তমপাক্কী লমদা ফুরুপ অমা পাল্লকখিরম্মী। খরনা কংলৈপুঙ, খা-ঙানবগী লৈপাক্তা অমসুং খরনা চেংলৈ লম্মহন/উনুংদা (খুরায়গা খোম্বীদোক্কা অনিগী মরক্তা লৈবা লমদম) দা পাল্লম্মী। থাংয়ি (চেংলৈ, শরাং অমসুং লৈশাং) সিগী ওইবা য়েক্কী লৈপাক-মচা অমা লৈরম্বগী ঈ-পাউসি মণিপুর ইতিহাসকী মতমগী ৱারোলশিংদা থেংনদে। মখোয়গী নিংথৌ শাপাইবসি খাবগী সোকচ্রোংপগী মচানুপা খাবা তরম/তরং খোইনুচাগী মীরোন্দা পানবা ওইনা খর শোথরপ তৌনা লৈমোন-লৈচোল্লমদমদা পানবা ওইনা পীরি [ম:চ:স:, ১৯৯৯, ২১]। অদুবু মদুসু লৈপাক লীংখত্তুনা পানবগী ৱাফম পীদে। অদুমকপু মখোয়সি খাবশিংগী মীচঙদা অঙোমগী মায়োক্তা য়াওরুবদুগী মখোয়গী লুচিংবা খোংচী নুঙলাইবা (থাংয়ি খোংজ্রোম্ব) গী তাল্লোই য়াওরৈবচনু, হৈয়োং [illegible] লাল্লবীবু মৈতে নিংথৌমচা নাউখম্বা (মৈদিংঙু নাউখম্বা, খৃঃ ৪১১-২৮) না মুন্দুনা লৌখিবগী মলোম পুদুনা লৈবনা মমাঙগী মতম খরদা নিংথৌজাশিংগী মায়য়োক্তা লৈবগুম তৌই।

থাংয়ি খোংজ্রোম্বগী তাল্লোই অতোনবী অঙোম নিংথৌ পুরৈরোম্ব (?) গী মচানুপী পেনু লৈমনা পোকপা থাংয়ি চীঙজেং নারল পাঙ্গলবনা নিংথৌজাশিং মথক্তা মপাদা লাকচ-খুদুম চনখিবগী লমন খুন্নবগী লানশীঙনদুনা চায়নখি। মসিদা মহাক মায়থীখি অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা মহাকপু মতমদুগী নিংথৌজাগী লৈপাক্কুদা লৈহন্দনা তাম্বোকপদগী মহাক মণিপুরগী ৱাংমদা মীরৈপাক-মীরমদমদা চত্তুনা মপুঙ্সি মতোন লোমখিরম্মী [ন:ম:স:, ১৯৮৯, ১৭]। মহাক্কী লাইওই-তীনওইবগী মচংকী ৱারীসি হৌজিক বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্টকী ঙাইখোং খুঞ্জাওগী মনাক্তা লৈরিবা পোৎশঙবম খুনদা খুবম শাদুনা লাৎলিবা লাইয়িংথৌ পাঙ্গনবগী থায়নদগী চৎনরকপা চীনবুঙ ৱারীদা ময়েক শেংনা লৈরি। অমরোমদা অমুক য়াওরৈবা চনুনা পায়মা পীবুক্কুংদা পুখিবা থাংয়ি খোংজ্রোম্বগী ঈনা পোক্লকপা থাংয়ি নাউফং অহনবনা নিংথৌজাগী নিংথৌ ফম্বাল ফংননবা হোৎনরুবদা মায়থীরবদগী ঈকাইখাঙদা মশা মতোমতা হাৎচদুনা ময়ুমগী কা অমদা শিজরম্বগী ৱাফম [মথক্কীসিদা, ২০], অসিনচিংবা ৱাফম-ৱারম কয়ামুক্তগী য়েক অনিসি থরুম তৌনবগী মওংদা লৈনরম্মী। অদুবু নিংথৌজা য়েক্কী মতোল তুমখৎলক্লিবা মপাঙ্গলগা মায়োক্লবা ঙমদবদগী খৃষ্টগী অহানবা চহি চাগী তংখায়গী মতমদগী নিংথৌজাগী লৈঙাক্লোনগী পরীং মখাদা চঙবা হৌরকপ্লবসু মথক্কী ৱাথোক-লাম্বোকশিংসি থোকখ্রিবনি অমসুং মরৈপাক লৌশিনখ্রবসু মুক্লবদি অদুম লৈরি, খৃঃ ৪২৮ গী মতম ফাওবদা পুকচেল তিংনা তাইশিন্নবা ঙমদ্রি।

থাংয়ি হায়বা য়েক্কী মমিং অসিদগী চেংলৈ, লৈশাং অমসুং শরাং হায়বা শল্লাইশিং (শাগৈ/য়ুম্নাক ওইরগদনা চেংলৈবম, লৈশাংথেম অমসুং শরাংথেম, হায়, 'থেম' হায়বা ৱাহৈসিনা লোম্লবদি নিংথৌ-শাগৈনি) সিনা পোক্লকখিবসি থাংয়ি খোংজ্রোম্বগী মচানুপা অতোম্বা (থাংয়ি নাউফং অহনবা অমসুং থাংয়ি চীঙজেং নারল পাঙ্গনবগী মতুংদা পোকপা) থাংয়ি তাউপুঙ/তৌবুং খোং-তৌবা/খোংদৌবা (তৌবুঙখোক্কী খোংদু তৌখিবা মীশক) গী মচানুপা অহুম— য়োঙ্গীপাথং পাথং অহনবা, য়ুনাউরোই য়ায়মবা অমসুং য়োঙ্গীকামু কামু অতোনবদগী মথং-মনাউ ঈন্না অমসুং কায়দনা থোক্লকখিবনি। অদুগা হায়রিবা মতমসিদদি মখোয় অহুম নৎত্রগা চেংলৈ, লৈশাং অমসুং শরাং শল্লাইগী

পুকোকশিংসি লমলেন চেংলৈ লৈশাংখোং (হৌজিক্কী ৱাঙ্গোই অমসুং মসিগী অকোয়বগী লমশিং) দা পল্লি। হায়রিবা লৈশাংখোংগী লম অসিদি খুমন লৈপাক্কী অৱাংগী লমখৈসি হৈপোকচীঙ অমসুং মকোই নোংলোনচীঙ (লাংজীঙ মচা) ফাওবা শন্দোক্লম্লা [ব:ক:শ:, ১৯৯৮, ২৬, ৩৪] নিনা খুমনগী লৈপাক্কী মনুংদা পাল্লম্মনি। অদুবু শাংলবা মণিপুর ইতিহাসকী মতমগী মনুংদা মীরম-মীরৈপাক্তা পাঙ্গরগসু মনা-মনীন নাইদনা মখোয়গী মনীঙ-মখা তন্নবগী ফিরানদু তুহন্দনা ঙাক্কুনা থল্লগা চেংলৈ লৈশাংখোংগী লমদমসিদা যুম্ফম-ফম্মী (Headquarters) ওইদুনা পাল্লকখিরম্মী। অদুগা মৈতৈ/নিংথৌজা য়েক্লা মসিবু মরূ ফংনা পুম্মুৎ মুথত্তুনা মখোয়গী খুন্নাই, খুন্নাইরোন অমসুং লৈঙাক্লোন্না য়োৎশনখিসিদি শক ১৪৩৪ নৎত্রগা খৃঃ ১৫১২ দনি [চৈথা:কুম:, ২০০৫, ২২]।

(খ) হাওরোক-কোন্থৌ শল্লাই লৈপাক

হাওরোক-কোন্থৌ শল্লাইসি থাংয়িশিংগী মমাঙদা লৈরল্লবা মখোয়গী মপা-মপুশিং ওইবশিংদগী ফুরুপ/শল্লাই খায়দোকখিবা অমা ওইনা লৈরম্মী। মখোয়সিনা লোকতোন ফুরুপ অমসুং কাংবা কাংখন্দগী চাদা-নাউদারকপা চেংলৈ/লৈশাং (নিংথৌ শাপাইবগী) ফুরুপশিংগা পুন্দুনা যুমলেন লুপ/শল্লাইগী লৈপাকসিদগী তোংঙানবা লৈপাক অমা চীঙথাং চীঙ (শঙাইথেনগী নোংচুপলোমদা খা-নোংচুপ পাংনা লৈরিবা চীঙশাং) গী খা থংবা তম্পাক্কী লমশিংদগী নম্বোল ফোইজীঙগী লমদম ফাওবদা মনীঙ মখা তম্বা লৈপাক-মচা অমা লিংখৎলম্মী। হায়রিবা লৈপাকসি মণিপুর ইতিহাসকী মমাঙগী মতম, অঙোমশিংনা নোংপান ওইনা কৌব্রু চীঙজাওগী অৱাংবা চীঙদোনশিংদা পাল্লিঙৈ, মখোয়গী নিংথৌশিংবু ‘‘সরারেন/সোরারেন’’ হায়বা মিংথোনসিনা খঙনরিঙৈগী মতমদা লৈরম্বনি। অদুগা হায়রিবা লৈপাকসি করম্বা মতমদা লীংখৎলম্বা য়াবগে হায়বসি খঙঙমদবগী লৈরোন্নুংদা লৈরি অমসুং লৈপাকসিগী লুচিংবশিং ওইনা থবক তৌরিবসি হুইমু লৈমগী মচা লোকপগী চাদা নাউদাদা ‘‘হাওরোক’’ অমসুং কোন্থৌ’’ অনিসিগী চাদা-নাউদাশিংনা মরু ওইবা থৌদাংশিং লৌরম্মী।

হাওরোক-কোম্বৌশিংনা মনীঙ-তম্না পাল্লবসু মখোয়সি নোংবান সোরারেনগী মতীক-মঙমবু শীঙথাবা অমসুং মহাক্কী মপাঙ্গলবু খঙনা পাম্বোম মখা থাবা মীওইশিং ওইরম্মী। অদুবু মখোয়গী ৰারী-ৰাখোঙসি লাই-তীনগী নৎত্রগা লাইওই-তীনওইবগী ৰারী-শীঙবুনগী পরীং অমসুং পরমদা পীবীরম্মী। মতম অমদা মখোয়গী নিংঙোন অমা সোরারেন, মৈতৈগী উমংলাইশিংগী নিংথৌ [খোয়রী: নাউ:, খ:] না খোয়দাদুনা লৌরম্মী। মহাক্না লাইয়িংথৌ সোরারেনসিগী মচাঈবুংঙো খোয়বীফাববু পীশক পীক্লিঙৈদগী নাউচেন্দুনা নাউয়োকচরকখিরম্মী। নোংমা লৈমসিনা মপাম খোঙ্গুল্লকপদা কোরৌ নোংলৈপাক্কী লাইরমচৎ, লাইনামুং চীঞ্জাক চারুবদা চীঙঙু নোংথৌ সোরারেন্না লৈমা মহাকপু ইম্বোক্তুনা মপাম খোঙদারবী ওইহনখি। পল্লেম নাহুইনু লৈতবদগী নাউৰা খোয়রীফাবনা শাথীবা মওংদা কপখি অমসুং চীঙঙু নোংথৌ সোরারেন্না ৰাংবরেন, থাংজীঙ, নোংপোক নিংথৌ, মারজীঙনচিংবা খোইয়ুম লাইয়াম কৌদুনা নাউথেমহনখি। মদুদা নোংপোক নিংথৌনা লৈশং খেকৰাইবা পীদুনা নাউথেম্বদা কপ্পা তোকখি হায়দুনা খোয়রীফাববু লৈশং খেকৰাইবা হায়বা মিংথোন পীখি। খোয়রীফাবনা মদুগী মতুংদা কোরৌ নোংলৈপাক্তগী কুল্লক্তুনা (চীঙদগী তম্পাক তারক্তুনা) মমাবু থিরকপদা হৌজিক্কী কোম্বৌজম খুনসিদা থেংনদুনা মমা-মচা লৈমিন্নখি। অদুগা কোম্বৌজম নিংঙোন, কোরৌলৈমা নাহুইনুসিবু "চীঙথাং লাইরেম্মা" অমসুং "কোম্বৌজম লাইরেম্মা" হায়না মিংথোন্দুনা মহাক্কী খুবম থমখি।

মথক্কী ৰারীসিবু ইতিহাসকী পরমদা মিৎয়েং থল্লগা মখা তাবা পরীং লৌথবা তারবদি মতমসিদা সোরারেন্না মখোয়গী লৈপাকসিদা লাক্তুনা কোরৌলৈমা নাহুইনুগা অমুক হঞ্জিন্নখিবসিদগী মখোয়সি মী ফুরুপ-কাংলুপকী থাক অমসুং মশক্তা খেন্নজরবসু সোরারেনগী, হায়বদি অঙোমগী লৈঙাক মখাদা চঙখ্রে। অদুগা মদুদগী মতুং তারকপদনা তৌবুংখোং (তৌবুংখোক) তৌদুনা থাংয়ি খোংদৌবনা পাল্লবা মতম খৃষ্ট কুমশীঙ ৫শুবগী মতমদা থাংয়ি চেংলৈ-শরাং-লৈশাংগী লৈঙাক্লোন্দা তীন্দুনা লৈরম্বা মতমসিদদি মখোয়গী থায়নগী মরৈপাক অদু মাঙখ্রে অমসুং লোইননা অতৈ য়েক্কী লৈপাক মচাশিংদা খুন্দা-লৈতানবগী শন্দোকপা হৌখ্রে।

(৩) অঙোম য়েক-শল্লাইগী লৈপাক-মচাশিং

মণিপুর ইতিহাসকী মতমদা অঙোম য়েকসিগী মনীঙ মখা তন্বা অমসুং মশা-মতোমতা লৈঙাক ৱায়েঞ্জবা নিংথৌ পানবা লৈপাক মচাসি অনি শুরম্মী, অমনা মখোয়গী য়েক্কী মপী ওইরিবা য়ুমলেন শল্লাই, শেল্লোই-লাংমাই অমসুং অঙোম্মা লংমাইজীঙ চীঙজাওদা য়ুম্ফম-ফম্বী (Headquarters) ওইদুনা পানবা নিংথৌ পানবা লৈপাক-মচা অমা অমসুং মখোয়গী শল্লাই ফাম্তেক নৎত্রগা খুয়োন-নিংঙোন-লাইতোন্না লুৱাংগী লমখৈ মনুংদা লুৱাংদগী মতম খর খায়দোক্লুনা খুরোই-হাওরা-লমলাংতোং (হৌজিক্কী লম্মাংদোং নৎত্রগা বিষ্ণুপুর/বিশেনপুর) দা য়ুম্ফম-ফম্বী ওইদুনা পানখিবা লৈপাক-মচা অমা অসিশিংসিনি। মখোয়সিগী ৱারোন্দিঃ-

(ক) নোংমাইজীঙদা য়ুম্ফম ওইবা অঙোম লৈপাক

অঙোম য়েক্কী য়ুমলেন শল্লাইগী লৈপাক অসি মখোয়গী মণিপুর ইতিহাসকী যুগ/চক হৌদ্রিঙৈদা কৌব্রু চীঙজাওগী অৱাংবা লৈচীন/নোংনা পাইবা চীঙদোন, নোং মরক্তা পানবা নোংপান/নোংবান লৈপাক্তুদগী লৈপাক মফম কোনুং য়ুম্ফম হোংদুনা পাল্লকপনি। কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙ্গোনগী লমখৈ মনুংদা পাল্লম্বা অঙোম য়েক্কী নিংথৌ-শাগৈসি নিংথৌজা য়েক্কী নিংথৌ-শাগৈগা পুকোক অমতদগী চাদা-নাউদাদুনা শমথরকপা মচীন-মনাও—— কুপত্রেং অমসুং শেন্ত্রেং (নিংথৌজাগী পুকোক) অনিগী চাদা-নাউদা ওইনা পী [ম:স:ক:এ:, ১৯৯৪, ১, ১২৭]। অঙোমশিংনা কৌব্রু চীঙজাওগী লমখৈ মনুংদা পাল্লিঙৈদদি মখোয়বু নোংবান নৎত্রগা "সরা/সোরা" হায়না খঙনৈ অমসুং মখোয়গী নিংথৌ/লুচিংববু "সরারেন/সোরারেন" হায়না খঙনৈ। নিংথৌজাশিংনা মখোয়দগী লাপথোকখ্রবা মতমদা চাউরাক্লা খৃষ্টগী মমাঙগী চহি ৫/১০ গী মতমদা খাবা-ঙানবা ওইরক্কদবা মী কাংলুপ-ফুরুপ নৎত্রগা খাবা-ঙানবগী মপা-মপুশিংনা কৌব্রু চীঙজাওগী লমখৈ মনুংগী চীঙথক-চীঙদোন্দা পানবা নোংবানশিংগী লৈপাক কায়বসিদা নোংবান/অঙোমগী নিংথৌ মচা খর মখোয়গী কোনুংদু থাদোক্লুনা মানা-মানা হিংগনি হায়না খনবা মফমদা চেন্নখিবনা লাঙ্গোন চীঙগী লমখৈ মনুংদা চেন্থরক্লগা মতম খর লোত্তুনা লৈরগা মফম অদুদা ময়ূম মকৈ

লীংদুনা পাল্লকখি। অদুগা চীঙশোন্না অমসুং চীঙৱাং কৌবা মচীন-মনাউ অনিনা থাপ্পা চেনখিদুনা খংখুই চীঙজাওগী চীঙ-লৈখুন/শুরুঙ্গদা লোত্তুনা শাথুপখিরম্মী।

খংখুই চীঙ-লৈখুন্দা লৈরিবা নোংবান মচীন-মনাউ অনি অসিনা "অঙোম" হায়বা য়েক্কী মমিংসি হৌদোক্তুনা [অ:খো:, খ: অমসুং অ:ক:স:, ১৯৮৪, ৩৮] খাবা-ঙানবশিংগী মপা-মপুশিংগী লানগী ঈরাং নেমথখ্রবদা "অঙোম মচীন-মনাউ" হায়বা অপুনবা মমিংসি লৌদুনা খংখুই শুরুঙ্গদগী থোল্লক্তুনা মণিপুর তম্পাক্কী লমদমলোমদা কুমথরকখিরম্মী। মসিগী থন্বীরন্না ৱারোন্দিঃ-

...অঙোম খোঙহও খোইরা খাইনা ইরককে॥ *॥ অঙোম মচীন-মনাওনা হওরকপতি॥ খংখুই হাওগী সুরুংতকী থোরকএ॥ অতুতকী সোকপাও হাওতা থুংলৈএ। অতুতকী কসোম য়োংফু লাক্তুনা চাতোংতা থুংলৈ। চাতোং হাওন লাই ওইনা লাৎলে॥ অতুতকী লাক্তুনা ক্বাথেল চীঙশাং লাক্তুনা মুতাও-লুখুম কুপ্লক্তুনা সন্দোন/শন্দান ঈরানফমদা থুংলরে॥ অতুতা মনাউতি মরোল থোক্তুরে, অতুতা করিনো, হায়রপতা অপুমপী সোরেন্ননি হায়তনা অপুমপী নীরে॥ অতুতা মনাউতি মরোন থোকলে॥ থোকলপা মতুংদা মচীন-মনাউনা শোইচেপ কমেংতা খুনতারে॥ অতুতা পুরৈরোমপকী খুলাই সেনকা মরা থোকলে, অতুতা ময়ামপনা পুরৈরোমপা নঙকী ওইচরো হায়তনা মনাওতা পীরমলে॥ অতুতকী ময়ামপা চীঙসোমপনা থাংকাল হাওতা চৎখিতুনা লাকলে॥ মনাউকী মমিংতি অঙৌবা কৌএ॥ মনাউনা অঙোম ওইরে॥ অতুনা লমলাইতি মনাউকী কৈফমনে॥ অতুতকী লাক্তুনা খোমমিদোক্তা খুনতারে [মথক্কীসিদা, ৩৮ অমসুং অ:খো:, খ:]

অসিনি। মসিগী মতুং তারকপদা চীঙৱাং/অঙৌবনা খোম্মিদোক্তগী খুন হোংলক্তুনা খুরাই খরাই (অহোঙ) পুঙদা খুন্দাদুনা লৈরিঙৈদা থাঙ্গাল চীঙ (মকেং থাঙ্গাল, সেনাপতি ডিষ্ট্রিক্ত) দা চৎখিবদু হল্লক্তুনা মচীন-মনাউ পুন্দুনা অঙোমগী অনৌবা য়েক্কী লৈপাক-মচা চাওরাক্লা খৃঃ ১০ গী অদুৱাইদা লীংখৎখিরম্মী। অদুবু নিংথৌজা য়েক্কী খুৎকন-পাঙ্গল্লবা অপানবা (পাখংবা অমা) কৌবা [খু:য়:স:, ১৯৬৭, ২১ অমসুং পা:লাই:খ:], নোংদা লাইরেন পাখংবা (নোংদা

তুকুপ্লীক) গী ময়াম্বা থোকপা অমনা মখোয় অঙোম মচীন-মনাউবু তাম্বোক্তুনা [অ:ক:স:, ১৯৮৪, ৪০] মথং মথং চেনখ্রগা শেল্লোই লংমাইচীঙগী চীঙজাওদা যুম্ফম ওইদুনা পানখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৪০]। হায়রিবা অপানবা পাখংবসিবু খাবা-ঙানবশিংনা অমুক মায়থীবা পীদুনা কংলৈপুঙদা লৈবা য়াদদুনা মোইরাংদা চেনখ্রগা মফমদুদা হান্নদগী মখোয়গী পুকোক কোনশৌরেন (লাইনীঙলোন্দা অতিয়া শিদবা কৌই,- মোইরাংগী থাংজীঙ অহানবা ওইখি; অঙোম, মোইরাং অমসুং নিংথৌজা য়েক অহুমসিগী পুকোক কোকলেন্নি) না লীংখৎলম্বা মোইরাং লৈপাক্তুদা নিংথৌ ওইদুনা মরিশুবা থাংজীঙ (মরক্তা খোয়রীফাবা নাউথেম্বা থাংজীঙ অমসুং খোইরীফাবা থাংজীঙ লৈ) ওইখিরম্মী।

অঙোমগী লুচিংবা/নিংথৌ পুরৈরোম্বা চীঙৱাং/অঙৌবগী মতমদা অঙোম য়েকসি য়াম্না খুৎকন পাঙ্গনখিরম্মী। মহাক্কী মতম (খৃঃ ৫-৫৫ রোম) দা অঙোমগী লমখৈ মনুংদা থাংয়ি, লংমাই/নোংমাই, লুৱাংগী মপা মপুশিংগী কাংবু অমসুং অঙোম/নোংবানগী কাংবুশিং পুনশিন্দুনা লাল্লোইনব (লানগী মতেং পীনবা) গী খুৎ (Allied force/group) অমা শেমদুনা পাল্লম্মী। হায়রিবা খুৎসিগী মতেংনা নোংদা তুকুপ্লীক (লাইরেন পাখংবা) না খাবনা লুচিংবা য়াংবশিংগী লাল্লোইনবা খুৎ, কংলৈপুঙদা পানবশিংবু মায়থীবা পীদুনা নিংথৌজা য়েক্কী লৈপাক লীংখৎখিরম্মী। হায়রিবা পুরৈরোম্বা অঙৌবসিগী মতমসিদা কংলৈ নিংথৌ নোংদা লাইরেন পাখংবনা মহাক্কী তাল্লোই লাইস্নাগী মবুং পোইরৈ-তোন্দা হেন্না নকশিনবা মিৎয়েং থল্লকপদগী অঙোম পুরৈরোম্বগী খুৎ অসি পাখংবগী মীচঙদগী থক্তোক্লকখিরম্মী। অসিগুম্বা মতমসিদা খাবা-ঙানবনা লানহৌদুনা নোংদা লাইরেন পাখংববু তানথোকখিরম্মী। পাখংবনা চেনখ্রবা মতমসিদা মহাক্কী তাল্লোই লাইস্নাদি হান্নদগী মহাক্কী মবুং অমসুং মহাক্কী মীশিংনা লৈবা লংমাইজীঙ চীঙজাওগী লমখৈ মনুংদা চেনখিরম্মী। অদুগা থোইনু অহোংবী/অহোঙবী হায়না মমিং হোংদুনা মফমদুদা পাল্লম্মী [খু:য়:স:, ১৯৬৭, ৩৫]। মহাক অমসুং মহাক্কী মবুং (চীঙখোঙ পোইরৈতোন) না অঙোম নিংথৌ পুরৈরোম্বদা হায়জদুনা মহাক্কী মপুরোইবগী লৈপাক খাবশিংগী মখুত্তগী অমুক হন্না হন্দোক্লবা তক্লবদা পুরৈরোম্বনা য়ারদুনা মৈতৈ-লৈমা লাইস্নাগা পূন্না মোইরাংদা চত্তুনা পাখংববু লৌখৎলুরম্মী। মোইরাং থাংজীঙ (অপানবা পাখংবা)

গী তেলহৈরবা মচা-মনাই মোইরাং চাওবা মেল্লৈবনা হূ তৈবা তেন্না খাবা নোংজেংবা, মচানুপা শঙ্গাই তেনহনবা অমসুং মচানুপী কাঙ্কম ঈচুম্লীবু কাপ্পুনা হাৎখিরম্মী [ন:খ:স:, ১৯৬৭, ৪]। মসিদগী অঙোম অমসুং নিংথৌজাগী লৈঙাক্লোনগী মরী খর ফগৎখিরম্মী অমসুং খর ঈংথননা চহী ৫০০ (চামঙা) রোম লৈনখিরম্মী।

অঙোমগী লৈপাকসিগী ঙমখৈশিংগী ৱারোল মথক্তা পঞ্জ্রে, অদুবু মতাং চাবগী খুদোংচাবদু লৌজদুনা অমুক্কসু থমজরি, মদুদি— "অৱাংলোমদা লিনৱাই (ঈরীন) তুরেনগী হৌরকফম মরূগী চীঙজাও (হৌজিক্কী সেনাপতি ডিস্ট্রিক্তগী কমশোন/খমশোন খুন্দা), নোংপোকলোমদা খংখুই চীঙজাও (হৌজিক্কী উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্তগী খংখুই খুন্দা), খারোমদা ৱাইথৌ খমপুৎ (হৌজিক্কী থৌবাল ডিষ্ট্রিক্তগী ৱাইথৌপাৎকী নোংপোক থংবা পাৎপান অমসুং চীঙখোঙশিং অমদি নোংচুপলোমদা খুরাই লৈকোক-লৈকায়গী খুরাই অহোঙপুঙ (হৌজিক্কী শোইবম লৈকায়গী অৱাংথংবা মচীন তেলীপতি, ইম্ফাল ঈষ্ট ডিষ্ট্রিক্ত) কী কোয়শিল্লিবা লমদমশিং অসিনি। অদুগা মতুং তারকপা ঐতিহাসিক মতমদদি অঙোম য়েকসিগী কংলাসি, পুরৈরোম্বা খোংনাং মখোঙগী অঙোমগী শঙ্গাই পুন্সিবা লৈরম্বা মফম (হৌজিক্কী সার চুরাচান্দ হাইয়র সেকেণ্ডরী স্কুলগী কম্পাউণ্ডদ মনুংগী তংখায় ফাওবা) অসিদা ওইরম্মী [মিয়াৎ, খ:]। অঙোমগা নিংথৌজাগা য়েক অনিসিগী মথক থংবা তান্নবগী ৱাথোকসি মতম অয়াম্বদা কুপশিন্নবা হোৎনৈ। অদুবু ঐতিহাসিক কাল (Historical period) তা থোকখিবা ৱাথোক-লাম্থোক খরদিঃ-

(i) মৈদিংঙু উরা কোন্থৌব (খৃঃ ৫৬৮-৬৫৮) গী মতমদা অঙোমশিংনা হাওকপ চীঙশাং, খুনফম ঙাংজেং লান্দাবা লাকপদা মৈদিংঙু-মনাই নুংবান কদেম শোইশেনবা/শোইফম্ববু থীনা তৌরম্মী হায়দুনা মৈদিংঙুসিগী লান্মীনা নাগ তুরেনগী খোংবান্দা লুমদুনা লৈরগা অঙোমশিংনা হল্লকপদা লমখাঙদা থত্তুনা লান্দারগা অঙোমগী মী য়াম্না হাৎখিরম্মী। মসিগী মলোম্না অঙোমগী শেল্লোই লংমাইজীঙদা মখোয়গী নিংথৌ ৱাংমৈ লাম্বাবা পুরৈরোম্বগী মচানুপী লংমাই পেৎতংঙা লৌদুনা য়াওঙ ইন্দুনা লৈরিবা মৈদিংঙু উরা

কোন্থৌবগী অহুমশুবা মচানুপা খুঞ্জাওবা (মতুংদা মৈদিংঙু নাউথিংখোং ওইরকখিবা) বু হাৎনবা হোৎনরুবদা পেৎতংঙানা কন্দুনা খুমন লৈপাক্তা চেনহন্নখি। [ও:ভ:স-২:, ১৯৬৭, ২৪-৩০]।

(ii) মৈদিংঙু তাউথিংমাং (খৃঃ ২৬৪-৩৬৪) গী মতমদা মৈদিংঙুসিনা লৈপাক্কী ঈথুম্বগী অৱাবা কোক্লবা তুরেন খোংনুংশিং তেংবা অমসুং অনৌবা তুরেন খর তৌবদা লিলোংদগী ঙাংলৌগী পরীংসি তুবৎ শমদুনা তুরেন তৌগে হায়বদা অঙোমগী ফুনাল চীঙদা পানবা ফুনাল তেলহৈবনা থিংলম্মী অমসুং মদুগীদমক্তা তাউথিংমাংগা ফুনাল তেলহৈবগা খুৎ থোক্লদুনা লাম্থেংনবদগী তাউথিংমাং মায়থীবা ফংখি [চৈথা: কুম:,২০০৫, ২]।

(iii) মৈদিংঙু সমৈরাং (খৃঃ ৬১৮-৬৮) গী সনা হাক্তক্তা অঙোম নিংথৌসি ক্বাকপা থৱাম্বাবনি হায়না পীরম্মী [মথক্কীসিদা ৪], অদুবু ক্বাকপা থৱাম্বাবসিনা নোংপোক কাওশোম্বা [লিম্হোইঙম্বীগী মপা, লিম্হোইঙম্বীসি মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা (খৃঃ ১৪৩২-৬৭) গী লৈমরেন্নি] পোকপনিনা মসি অতোপ্পা ক্বাকপনি হায়না লৌজৈ [অদুনা কুম্বাবা ঈডিট তৌরিবা অখঙ-অহৈ অনিসিগী মৱা লৌবীগনু]। মৈদিংঙু শমৈরাংনা চাক খাঙদুনা লাম্মী খোল্লগা অঙোম নিংথৌ/পুরৈরোম্বসিগী মথক্তা লান্দাদুনা মহাকপু হাৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা ৪]।

(iv) মৈদংঙু পুরানথাবা (খৃঃ ১২৪৭-৬৩) গী হাক্তক্তা অঙোম য়েক্কী লৈপাক্কী মনুংদা লৈবা খোংজী য়াইনরোক্তা খুন্দাবা চকপশিং (অন্দ্রোগী ফুরুপ) গা নিংথৌজাশিংগা লান থেংনখি [মথক্কীসিদা, ১৪]। মতম অসিদা অঙোমশিং অসি নাকল অনিমক্কী মীচঙ অমতদা লেপখিবা উদে। মরম অসিনা অঙোম অমসুং নিংথৌজা য়েক অনিসি অমুক য়েংথীনরবসু অমুক চাননা, অমুক য়েংথীনরুরবসু অমুক হন্না চাননা তৌদুনা ইতিহাসকী খোঙজেন্দা মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবগী মতমদগী চেম্ছমিন্নরকপসিনা অঙোম য়েক্লা মৈতৈগী লৈঙাক্লোনগী চাওগোয়নুংদা চঙলকখিবসি, হায়বদি মখোয়গী মরৈপাক নিংথৌ পানবা লৈপাক-মচাদু তীনশিনখিবসি মৈদিংঙু লোইয়ম্ব (খৃঃ ১০৭৪-১১২২) গী স্না

হাক্তক্তগীদি শোয়দ্রে হায়না লৌবা য়ারে, মরমদি মতমসিদা মৈতৈ/নিংথৌজাগী নিংথৌগা অঙোম নিংথৌগা অনিসি চারৌ-মৌরৌনদুনা মশেন-মবাই ওইনবগী মথক্তা অঙোম নিংথৌ কম্বোংফাবা (হাওকৈ লাম্বাবা) সি মৈতৈ নিংথৌগী ফম্নাইবশিংগী ফম্বৈদা ফম্বা ফম্নাইবা অমা ওইরে [মথক্কীসিদা, ৯ অমসুং ও:ভ:স:-২:, ১৯৬৭, ৮১-৮২]। অসুম্না অঙোমগী য়েক্কী লৈপাক খৃঃ ১১৯০ গী অদুৱাইদগী মৈতৈ লৈপাক্লা চুপশিনখ্রে।

(v) মৈতৈ/নিংথৌজাগী নিংথৌনা অঙোম নিংথৌসি মহাক্কী লৈঙাক ফম্বৈগী ফম্নাইবা অমা ওইনা লৌরকপসিদগী হায়রিবা ফমথোনসি হাপ্পদা মৈতৈ নিংথৌনা খুৎ চঙলক্তুনা মমৈথংদদি মৈতৈ নিংথৌনা অঙোম নিংথৌ হাপ্পগী থবকসি পায়শিনখিরম্মী। হায়রিবা ফিভমসি ওইদুনসু মীঙম-তৌঙম্বা, মীবু লাকথুগনবা মীতাগী অঙোম নিংথৌশিং খরনদি মৈতৈ নিংথৌশিংগী মায়োক্তা অঙোমগী পুক্কক থাঙ হাইগৎখি। খৃঃ ১৫২৩ দা মৈদিংঙু নোংয়িন ফাব (খৃঃ ১৫২৩-২৪) না মশা চহি ৯/১০ দদা নিংথৌ ওইবগী মতমসিদা ৰ রিসু নত্তনা অঙোম্না চা-শঙবা (অঙাংবা মচু ওইবা) উরেকশং (উরোক মতুগী লৈতেং) চীনবা য়াদে হায়না নিংথৌপোকপী মমা খয়োয়রোন চংনীংফাবী, অঙোম নিংথৌ ক্যাম্বসি মরুম্বী ওইনা ওঙনরিবীনা হায়রুবগীদমক্তা মমা-মচা অনিমকপু চহিদুমক্তা (খৃঃ ১৫২৪ দা) হাৎখ্রিবনি [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২৩]। অদুবু হায়রিবা থৌদৌসি খৃঃ ১৫০৪ দা অঙৌপাম্বা লোইজা ঙম্ববু ঈকাইবা পীখিবা [মথক্কীসিদা, ২১] অসিগী লমন খুম্বা ওইনা খৃঃ ১৫১০ দা লোইজাঙম্বা অঙোম নিংথৌগী মচানুপী, মৈতৈ নিংথৌ কোইরেম্বদা ওঙবীবু কোইরেম্বনা হিয়াঙ্গৈ হিদোংবদা করেম-কথায়নৈ হায়বা মরাল শীদুনা খায়নহনবা অমসুং মদুদগী মৈতৈ নিংথৌসিনা অঙৌপাম্বা লোইজাঙম্ববু মফম লৌথোকপা অমদি মদুদা অঙোমশিংনা লানহৌবদগী মৈতৈনা অঙোমশিং তক্তুনা তাকপমখৈ হাৎখিবা [মথক্কীসিদা, ২১-২২] সিগী মলোম থরুম্ননি।

(vi) মৈদিংঙু কবোম্বা (খৃঃ ১৫২৪-৪২) গী সনা হাক্তক্তা অমসুং মৈদিংঙু তাংজাম্ব (খৃঃ ১৫৪২-৪৫) গী মতমদা অঙোমশিংসিদা নিংথৌজাগী নিংথৌনা করিসু তৌবা ঙমদনা লৈবসিদগী অঙোমশিংনা মরাই হাগৎনা পাল্লম্মী।

অঙোমশিংনা মখোয়গী মথক্তা মৈতৈশিংনা পুরিবা মল্লোম, থরুম, নিংথৌ ব্বারুম শামু ব্বারুম অমসুং লমন খুম্নবগী অচেংবা তাঞ্জা য়েংলি হায়বসি খল্লুরমদে। মৈদিংঙু ক্যাম্বগী ঈগী নিংথৌরোল খল্লদুনা মৈদিংঙুচা শনোংবা লাল্লুম খোম্বগী চাদা নাউদাদগী নিংথৌ খন্দুনা মৈদিংঙু চালাম্বা/চলাম্বা (খৃঃ ১৫৪৫-৬২) না নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্মী। মতমসিদা মৈদিংঙুসিনি অঙোমশিংগী মথক্তা লমন খুম্নবগী মল্লোম চেৎনা পুরিবসি। মরম অসিনা খৃঃ ১৫৪৮ দা অঙোম নিংথৌ ওইরম্বা ক্যাম্বা শিখিরম্মী। মসিদগী মৈদিংঙু চলাম্বনা শরৌ শীন্দুনা লৌতুনবগা মীশক-মীশা খঙহন্দনা অমসুং মফম-মরাং খঙহন্দনা অহিংদা অঙোমগী মথক্তা লান্দাশিন্দুনা অঙোম নিংথৌ লাংলোইঙম্ববু হাৎখিরম্মী অমসুং মহাকপু হাৎপদা নত্তনা অতৈ অঙোমগী মীশিংবু মখুন-মরৈ তাকপা মখৈ খৃঃ ১৫৪৯ সিদা হাৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২৫]। অদুগা নোংঙাল্লগা করিসু তৌদবা শাদুনা চোংথামগী নুরা ফাববু অঙোম নিংথৌ হাৎখিবগী মরান্দা হাৎখিরম্মী অমসুং অঙোমগা থাজনবা মওং-মতৌদা পুথোক্কুনা তাইশিন্নবা হোৎনরম্মী [মথক্কীসিদা, ২৫]। অঙোমশিংনসু মখোয়গী মপাঙ্গল শোল্লবগী তাঞ্জা থোক্কুনা থম্মোইদা থরুম পুরবসু করিসু খঙদবগী মতৌ উত্তুনা নিংথৌজাশিংনা চান্নবগী তাইশিন্নবা তৌরক্লিবদুদা তেশিন্নরম্মী। মরম অসিনা মৈতৈ নিংথৌ চলাম্বনা খৃঃ ১৫৫০ দা অঙোম নিংথৌ তুশোনঙম্ববু অঙৌপাম্বা পুরৈরোম্বা (অঙোম নিংথৌ) গী ফম থিন্দোক্লম্মী। হায়রিবা অঙৌপাম্বসিসু থরুম পুরিবা মীশক্লিনা মহাক মথন্তনা লাল্লুমদুনা চলাম্বনা মথন্তা লৈবা মতমদা হাৎননবা থৌরাং তৌরুবদগী মৈতৈশিং খঙখিদুনা মহাক্লা ফম্বাল কাবা চহীদুমক্তদা মফম খঙহন্দনা পুথোকপ্রগা শিফম-নাফম খঙহন্দনা লোয়শিনখিরম্মী। অদুগা মৈতৈ নিংথৌগী মীনা মাঙ্প্রবা তুশোনঙম্ববু থিজিন্নরগা ফংদ্রে হায়দুনা হল্লক্লগা পাউদমখি। মদুদা অঙোম নিংথৌগী ফম্বাল হাঙবা য়াদে, লৈপাক মরা চেৎলোয় হায়দুনা মৈতৈ নিংথৌবু হায়হল্লগা অঙোমগী ওন্মাবু অঙৌপাম্বা লাল্লুমঙম্বা হায়বা ফম্বাল-মিংসি পীদুনা অঙোম নিংথৌ খৃঃ ১৫৫১ দা হাপখিরম্মী। অদুগা মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী নিংঙোন থারোইঙম্বী পীশিন্দুনা অঙোমশিংবু থেম্নবা হোৎনরম্মী [মথক্কীসিদা, ২৫]।

অঙৌপাম্বা ওন্মা, লাল্লুমখোম্বসি তশেংনমক লাল্লুম্বশিংবু খোম্বা/ফাবা মীশক্লি। মহাক্না মৈতৈ-নিংথৌজাশিংনা ফনা য়াম্না চেৎনা-লোন্না অমসুং হৈ-শিংনা হোৎনরবসু অঙৌপাম্বা লাল্লুমখোম্বা (ওন্মা), মনাউশিং— লম্ফেলঙম্বা, কারেং শঙফাবনচিংবগা লোইনদুনা লোন্না শেমগৎলিবা লাম্মীনচিংবদি করিসু খঙবা ঙম্লমদে। মরম অসিনা খৃঃ ১৬৫৯ গী অথেংবা মতমদা অঙোমশিংনা মৈদিংঙু চলাম্ববু হাৎননবা অমসুং মৈতৈ লৈপাকপু লৌননবগী থৌরাং শীল্লকখিরম্মী। থৌরাং অসি শীল্লকখিবগী মরমদি মতমদুদা অঙোম অমসুং নিংথৌজাগী নিংথৌশিংনা চান্না-চিন্ননা লৈরিঙৈসিদা কংলৈ লৈকোয় পুঙগী মতাই, ইম্ফাল তুরেনগী নক্না ঈশিংচাবা লমদা লৈরিবা অঙোম নিংথৌ লাল্লুমখোম্বগী মচানুপী অঙোম শীজ নৎত্রগা নোংবাল্লোন লৈরাংবীনা লোইদাম থাজগী লৈরাং লৈশাৎ তম্ববু লৈরাং লৈমৈ খকপগী মকোক লুজগে হায়রদুনা তুরেনগী হিদেন কুম্লক্কুনা চেঙহী শম্বাল লাংনবা থোরকপদা মৈদিংঙুচা পাখংবগা উনদুনা ৱারী-ৱাতাই শারম্মী। ফজবা হৈরাং উরগা চানীঙবা মশানা তাবনা নোংবাল্লোন লৈরাংবীবু মৈদিংঙুচা পাখংবনা নমজা-নমথেক্লদুনা লৈরাং লৈহী চুপথোকপীরবগী খোয়জী মিহুন লাংনা চনু চরৈ চিনববু লোইদাম থাজ মরি মপুঙ ফারবগী ৱাথোক্লরবদা মৈদিংঙুচাদি লোৎখিদুনা অঙোম চনুনা ঈকাই শঙ্গোয় হাঙলবদা লৌরেম্বা কামুদা থাজখিদুনা অঙোম নিংঙোনগী ঈকাইবা কন্নখিবা [মা:লাং:, খ:], ঙরাং-নহান্দা মথোকখি। লৌবসু লৌবীরোয়দবদা করিগী অঙোম চনুবু ঈকাইবা নংহনবগে, অদুগা মৈদিংঙুচা মশানা শক লোৎখিদুনা করিগী মতমদু ফাওবদা চোংথোক্লক্ত্রিবনো, হায়বা ৱাফমশিংসিগা থায়নদগী নুংঙাইনরক্তবগী মথক্তা নমথাক তৌদুনা অঙৌ লাংলোইঙম্বা অমসুং তুশোনঙম্ববু হাৎখিবগী মল্লোমগা লোইনখিবনি। অঙোম নিংথৌগী অখন্নবা লাল্লোইশিংনা মৈদিংঙু চলাম্বগী নাতুমচীঙ মনাক অমসুং চীঙঙাংলেনগী মরক্তা লৈরিবা কোনুংদা চঙলক্কুনা লান্দাররে। মৈদিংঙু চলাম্ববু মখোয়গী মংশৎ (মংকৎ= মংদা কৎনবা পোৎলম) তান্দুনা হাৎলে, অদুবু মৈদিংঙুচা থাংৱাই নিংথৌ ক্যাম্বদি (মুংয়াম্বগী অহানবা মমিং, মুংয়াম্বা, খৃঃ ১৫৬৩ দা কৌদ্রিঙৈদা কৌরম্বা মমিং) লোৎখিবদুদগী কোনুংদুদা চঙলক্ত্রিবনিনা লৈরমদ্রে। মসিগী মতুংদদি অঙোমশিংনা ফোংনা মৈতৈ লৈপাক লৌরে, মখোয়গী ওইরে হায়না লাউথোকখ্রে।

মৈতৈ লৈপাক্তা মৈতৈ নিংথৌ পান্দ্রদুনা অঙোম নিংথৌনা লৈঙাক-ৱায়েন থৌদা তৌদুনা অঙৌ পানবা লাল্লুম খোম্বনা নিংথৌ ওইদুনা (খৃঃ ১৫৫৯-৬২) পাল্লম্মী। মতমসিদা মৈদিংঙুচা থাংৱাই নিংথৌ কিয়াম্বা/ক্যাম্বা, খুরায় লমদম থাদোক্কুনা মমা মৈতৈলৈমা লমফেনঙম্বী পুদুনা মনীঙ (নোংচুপ) পাংনা চেল্লক্কুনা খ্বাই লৈকোক লৈকায়গী লমদম লান্দুনা চেনখ্রগা খা-নোংচুপলোমদা হাইখিদুনা লমলেন নম্বোনগী লমদম য়ৌখিরম্মী। মফমদুদা খুদোং চাগদবা লম য়েংলকপদা কবো-ৱাক-চীঙদা পানবনা ফরে হায়না মমা-মচা খন্নদুনা মফমদুদা শাথুপ্পুনা লৈখিরম্মী। মরমসিদগী মহাকসিবু, “নম্বোল কৌবাকচীঙ (কবো-ৱাক-চীঙ = কবো লমদমগী ৱাক নৎত্রগা ৱা হৌবা চীঙ) দা পানবা থাংৱাই নিংথৌ ক্যাম্বা” হায়নসু মিংথোন্নে। অঙোমশিংনা লৈপাক পাল্লকপা মতমসিদা মৈদিংঙুচাসিগী লৈফমসি খঙবা ঙমখিদে। অদুগা মতমসিদা হুরান-চীঙ্থী কন্খৎলকখি, হুরান-লান্নগী মীহাৎ-মীফা তোয়খৎলকখি অমসুং মচাশিংবু অচৌবশিংনা তুহৎপগী থৌদৌসি তত্তনা থোক্লকখিরম্মী। অসুম্না অঙোমশিংনা লৈপাক পানবা ঙম্লক্ত্রে, মখোয়না ফনা হোৎনদুনসু হুরানবসু ফাবা ঙমদে, মীহাৎপসু থিবা খঙলমদে। মরম অসিনা মখোয়গী অঙম-অথৌশিং তীন্নদুনা করি তৌগদবগে হায়না খন্নরবা মতুংদা মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী মতীক চাবা মীশক অমদা মৈতৈ লৈপাক শীন্নখ্রসি হায়দুনা লেপ্পরম্মী। মখোয়না মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী মৈদিংঙুচা লৈফমসু থিবা খঙলক্তবনা মতমদুদা লমলেন চীঙঙা চীঙনা কোনবা লমদমদা মপান ফনা পাল্লিবা মৈদিংঙু চলাম্বগী মমা অতোনবীনা পোকপা চীঙঙা য়াঙবা কৌবা নুপাসিগী মফমদা মৈতি নিংথৌ ফম্বাল শীন্নরসি হায়না য়ানরদুনা মৈতৈ নিংথেমচা চীঙঙা য়াঙবগী মনাক্তা অঙৌপানবা লাল্লুম খোম্বা ওম্মানা লুচিংদুনা লমফেনঙম্বা, কারেংশঙফাবনচিংবা অঙোমগী অঙম-অথৌশিং লাক্কুনা চীঙঙা য়াঙবগী মফমদা মৈতৈ লৈপাক শীন্নখিরম্মী [ব:ক:শ:, ১৯৯৬, ৩]। মতমসিদা অঙৌপাম্বা লাল্লুমখোম্বনা অঙৌপাম্বা, অঙোম নিংথৌগী ফমসি থাদোক্লগা মনাউ লম্ফেনঙম্বগী মফমদা খৃঃ ১৫৬২ গী অঙনবা মতমদা শীন্নখিরম্মী।

অঙৌপান্বা লম্ফেন ঙন্বসু কুইনা অঙোম নিংথৌগী ফম্বান্দা ফল্লমদে। মহাক্কী মতুংদা খৃঃ ১৫৬৭তা কারেং শঙফাবদা অঙোম নিংথৌগী ফম্বাল শীন্নখিরম্মী। অদুবু অঙৌপান্বা কারেং শঙফাবসি কুইনা ফম্বালসি ফম্মু হায়বা তম্লক্তবা মাল্লি, মনোং নোংশীঙ শুরবগী অমন থরৈ কুমখিবনা মনাউ ঈবুংঙোশিং থোকপা লনহাংঙম্বনা অঙৌপান্বগী ফম্বাল ফমখিরম্মী। হায়রিবশিংসি অঙোম অমসুং নিংথৌজা য়েক অনিসি নিংথৌজাগী নিংথৌশিংগী লৈঙাক ব্রায়েন মখাদা পুন্না খুৎশম্নদুনা চথরক্লিবনি। অদুগা অঙৌপান্বা লনহাংঙম্বসিনা খৃঃ ১৫৯৩ দা শিরগা মচানুপা মুংয়াংচাইবনা খৃঃ ১৫৯৫ দা অঙৌপানবগী ফম ফংহৌখি [চৈথা:কুম: ২০০৫, ৩১] হায়রিবা অঙোম-নিংথৌসিনা খৃঃ ১৬০৭ তা অরানবা থবক তৌবদগী মৈতৈ নিংথৌজাগী নিংথৌ খাগেম্বনা অঙোমগী মী য়াম্না হাৎখিরম্মী। মদুদা অঙোম য়েক্কী নিংথৌ-মচাগী শল্লাইগী শরুক খরগী খুন্তাক লৈতাকপা থোকখিরম্মী অমসুং অঙোম নিংথৌসিবুসু শুগুদা লোই থারম্মী [মথক্কীসিদা, ৩৪]। অদুবু খৃঃ ১৬০৬ কী ময়াংলান্দা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অঙোম নিংথৌমচা স্না পুথি/বুদ্ধিগী য়েংদুনা মৈদিংঙু খাগেম্বনা অঙোমগা অমুক তাইশিন্নখি। হায়রিবসিগী মতুং তারকপদদি অঙোমশিং মৈতৈ নিংথৌগী প্রজা অমমম ওইবগী মিৎয়েং মখাদুদা চথদুনা ইতিহাসকী ঈচেল চেন্থরকখি।

(খ) লম্মাংদোংদা য়ুম্ফম ওইবা অঙোম লৈপাক

লম্মাংদোং (বিষ্ণুপুর/বিসেনপুর) নৎত্রগা খুরোই হাওরা লমলাংতোংদা য়ুম্ফম-ফম্বী (Headquarters) ওইদুনা লৈরম্বা অঙোমগী ফুরুপ/শল্লাই অসি ফান্তেক হায়না খঙনৈ। মখোয়গী পুকোক ওইরিবা "খোইতোম/খোইদোম" হায়বসি লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা হোঙনেমনা মচা শক্লা য়োক্লকখিবনি। খোইদোমসিগী মমা তীন্নবা মনাউ মান্দোমসি লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবসিগী মচানি। মখোয়গী চাদা নাউদাগী পীবীরল্লিবা পরেংদিঃ-

সরারেন♂	কাইমু♂
↓	↓
লীক্লাবীচা⊙	য়াইথিংকোনবা চনু⊙
↓	↓
খোইদোম♂	মফৌ মিংথোনবা♂
↓	↓
খুনজাওসূ⊙	থিংমোইকাংবচনু তোনবীসূ⊙
↓	↓
ফান♂	সোংনাইবা (সোক্লাইবা)♂
↓	↓
খুনজাওসূ⊙	চেংলৈনিংথৌ চনু⊙
↓	↓
পুমিংনবা খোইহ্♂	নিংথৌ য়ুকাংবা♂
↓	↓
লাইয়েক খুবী⊙	পোকপীলৈমা লৈমা লাইয়েংখুবী⊙
↓	↓
তরুং♂	খমলোই অহোঙবা♂
↓	
লাইয়েকহনবী⊙	
↓	
কাইমু♂	

অসিনি। খোইদোমগী মনাউ মান্দোম্না লেরা খোংনাং হায়বা লুৱাংগী শল্লাইসি চাদা নাউদাখি। খোইদোম, মান্দোম মচীন-মনাউ অনিসি মপা তীন্নদ্রবসু পুন্না চৎমিন্নে, কোয়মিন্নে অমসুং লোইনৈ, খক থাদোক্লদে। মখোয় অনিসি লুৱাংগী য়ুমলেন ওইবা শল্লাইগী লমদম লুৱাং মকুবী চীঙগী পামংখুন [নাউ:ফ:কা:,খ:] থাদোক্লুনা লাক্লগা খুরোই হাওরা লম্লাংদোংগী লমদমসিদা খৃঃ ২৫০ রোমগী অদুৱাইদা খুন্দাখিরম্মী। অদুগা মখোয় অমসুং লেরা খোংনাংগী কাংলুপসিগা পুন্দুনা মনীঙ-মখা তম্না অপীকপা লৈপাক মচা অমা লীংখৎলকখিবসিদি মখোয়গী লুচিংবা "ফান" অমসুং লেরা-খোংনাংশিংগী লুচিংবা লেরাগী মতম চাওরাক্লা খৃঃ ৩০০ গী মতম অদুৱাইদগীনি। মখোয়না মখোয়গী লৈপাকসি লীংখৎলকখিবসি মোইরাং ঈৱাংশিংগী ঈথিনগী শাফুদগী মাল্লি। মরমদি মোইরাংগী থাংজীঙনা লৌরিবা নুপী অয়াঙ লৈমা কবোকচায়বী হায়রিবীসি "লেরা লৈমা লৈশন থানবী [র:ঙ:ফ:, ১৯৮৪, ১] হায়না কৌই অমসুং

মমিংসিনা তাক্লিবদি ঈবেন্দৌ লেরা নিংথৌগী মচা নুপী নৎত্রগা লেরা মী-কাংলুপকী নুপা অমগী মচানুপীনি হায়বনি। অদুনদি মসি লেরা-খোংনাংগী মী-কাংলুপসিগী লেরা নিংথৌসি থোক্লিবা/লৈত্রিবা মখৈদি য়াদে। লেরা-খোংনাংনা লুৱাং অমসুং ফানতেক্কা অগোম ওইনা কাংলুপ অনিমকসিনা পুন্না লীংখৎমিন্নখিবা ফানতেকশিংগী লৈপাক্লি।

ফান্তেক্কী খুরোই হাওরা লমলাংতোংদা কোনুং ওইদুনা পাল্লিবা লৈপাক-মচাসিগী খ্বাইদগী হেন্না মমিং চৎপা অমসুং খুৎকন-পাঙ্গনবা নিংথৌদি শোক্লাইবা নৎত্রগা ফান্তেক শোক্লাইবা (শোঙনাইবা) হায়বসিনি। মহাক্কী মতমসিদা লৈপাক-মচাসিগী খ্বাইদগী হেন্না অৱাংবা থাক্তা কাবা অমসুং লৈপাকসি মুৎপগী মতমসুনি। হায়রিবসিগী তেল্লবা ৱারী-ৱাখোঙদিঃ-

ফান্তেক শোক্লাইবসি খুমন নিংথৌ চীঙখোঙ থোঙ্গ্রাইবগী মচানুপী লৌই। মহাক্কী মতমসিদা মোইরাংদা পুরিক্লাই উরা খুন্দাবনা পাল্লি, মহাক্কী মমিং চৎলবা লাল্লোই কাকলেন নোংতংসূচা অমসুং খুমু লৈরিচান্বা অনিনা মোইরাং লৈপাক্কী খা-ৱাং ঙাক্তুনা পাল্লি। পুরিক্লাই উরা খুন্দাবসি মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবা (চাওরাক্লা খৃঃ ৫৬৮-৬৫৮) গী মচাঈবেস্মা তম্ফা ৱাংঙমলোন নাউরেমতোন্না পোকপনি [ও:ভ:, ১৯৮২, ৪৮-৫০] অমসুং মপু/মথৌগী মমিংদগী উরা হায়বা মমিংসি লৌদুনা মহাক্কী মমিংসু থোনখিবনি [মথক্কীসিদা, ৫০]। ফান্তেক নিংথৌ শোক্লাইবসিনা অসিগুম্বা অকন-অথৌশিংসিগী মতমসিদা মহাক্কী খুৎকন-পাঙ্গনবসি উৎননবা অহোঙ লোইরেন খৈবগী অহোঙ কুম্মৈ তৌরম্মী। থৌরমসিগীদমক্তা মহাক্লা মকু নিংথৌ চীঙখোঙ থোঙ্গ্রাইবনচিংবা ময়াম্বু পাউজেল থাদুনা কৌরম্মী। ফান্তেক শোক্লাইবা নিংথৌসিগী কন-থৌরবা লুৱাং লাল্লোই তরেৎ হায়বদু লৈরম্মী [ব:ক:,শ: ১৯৯৮, ৫৩-৫৪, অমসুং ও:ভ:, ১৯৮২, ৬০]। অহোঙ কুম্মৈসিদা ফান্তেক শোক্লাইবনা মতমদুদা কন-থৌবদা মমিং চৎলিবশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা মপুবোক চীঙখোঙ থোঙ্গ্রাইবগী অককপা মকোক্তু মহাক্কী কুম্মৈ য়েংবা লাকপশিংদা উৎনীঙদুনা মহাক্কী লাল্লোই তরেৎতুদা মকোক্তু করুক্লনবা য়াথং পীরম্মী। মসিদা চীঙখোঙ থোঙ্গ্রাইবনা ফান্তেক নিংথৌগী মীথুংশঙদা লৈরিঙৈদা মচানুপীনা লংলা-লংজীন পীদুনা ফৌশু ঈশৈ শরুকপদগী

খঙলদুনা মহাক্না লৌশিঙ তৌদুনা ফান্তেক্কী লৈপাক্তগী নাহোকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৫৮-৬১, অমসুং ব:ক:শ:, ১৯৯৮, ৪৯-৫৫] মদুদগী খুমন নিংথৌনা মোইরাং নিংথৌ উরা খুন্দাবদা লান পাংবীনবা হায়জরক্লম্মী অমসুং মদুদা মোইরাং নিংথৌনা য়ারদুনা খুমন অমসুং মোইরাং লাল্লোইননবগী ৱাফম লেপ্লখিরম্মী।

অমরোমদা খুমন নিংথৌনা মরৌ হৈনা নাহোকপ্রবসিদা ফান্তেক শোক্লাইবনা মোইরাংগী অৱাংগী লমখৈদা লৈরিবা কাকলেন নোংতংসূচাগী মকোক কক্লগা পুরক্লবা মহাক্কী লাল্লোই ৭ তুদা য়াথং পীরম্মী। অদুবু লাল্লোই ৭ তুনা মদুদি মখোয়গী মপাঙ্গল অমসুং মথৌনা লৈতে, হায়বদগী কাকলেন নোংতংসূচাগী তাল্লোই হাওনু কৈশিতোনবীগী মকোক পীয়ু হায়না য়াথং পীদুনা লাল্লোই তরেত্তু মোইরাংলোমদা লাক্লম্মী। মখোয় ৭ না তাঞ্জা য়েংলগা হাওনু কৈশীতোন্বীগী মকোক কক্তুনা পুরক্লগা লমখাঙদা পোখাদুনা তুম্লিনৈদা কাকলেন নোংতংসূচানা তান্নরক্কুনা মখোয়বু মশম মশম পুনশিন্নদুনা থল্লগা মখোয় ৬কী মঙক কক্তুনা হাৎলগা মহাক্কী নূপীগী লুখা থানখি। অদুগা লুৱাং/ফান্তেক লাল্লোই অমদি নাহোক্তুনা মথৱাই পুদুনা চেনখিরম্মী। অসুম্না ফান্তেক শোক্লাইবা অঙোম নিংথৌ মপাঙ্গল শোহ্রহনখি।

মোইরাং অমসুং খুমনগী লাম্মীশিংনা মখোয়গী নিংথৌ অনিনা য়ানখিবগী মতুংইন্না অপুনবা লাম্মীদুনা ফান্তেক্কী কোনুংদা লান্দাখিরম্মী। মহাক্কী লাল্লোই তরেৎসু মসিগী মমাঙদা মাঙহনখ্রবনিনা মহাক্কী মপাঙ্গলনা খুমন-মোইরাংগী অপুনবা লাম্মী থেংনবা ঙমদবদগী মহাক হৌজিক্কী ঙাংখরৱাই অদুদা লোন্না চেন্দুনা লোৎলগা মথৱাই হিংখিরম্মী। অসুম্না অঙোমগী ফুরুপ/শল্লাই অমগী লুৱাংগী লমখৈ মনুংদা মরিশুবা খৃষ্টগী কুমশীঙ চামগী অদুৱাই হৌগৎলকপদা লীংখৎখিবা মনীঙ-মখা তম্বা লৈপাক-মচাসি খৃষ্ট কুমশীঙ ৭০০ কী অদুৱাইদা খুমন অমসুং মোইরাংগী লাল্লোইনবা মপাঙ্গন্না থুগায়খিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৫৫-৫৬ অমসুং ও:ভ:শ: ১৯৮২, ৬২-৬৫]।

(৪) লুৰাং য়েক্কী লৈপাক-মচা

লুৰাং য়েক খৃঃ ১০ গী অদুৰাইদা লৈনুং লমদমগী খুমনুং লৈপাক্কী শৰা কংলৈদা পানবা নিংথৌ মচা চীঙখোঙ পোইৰৈতোন্না মৈত্ৰবাক্কী লমখৈ মনুংদা লমদেং-লমহাম (হৌজিক্কী লমদেং খুঞ্জাও) দা খুন্দারবদা মহাক্কী মচানুপা শীঙদবুঙনা শম্বোঙপুনেম্বা চনু পানুনা পোকপা মচানুপা অহন মপাগা মমিং চপ মান্ননা কৌবা পামিংনবা (শীঙদবুঙ II/২শুবা) দগী চাদা নাউদারকপনি। পামিংনবসিনা অমুক নুংবান খুনথিবা নৎত্ৰগা নুংবান পোনবী লুৰাউবা পোক্লম্মী অমসুং নুংবান খুনথিবসিনা খুন্দাফম খুনথিবা মতমদা চীঙগী মনূং হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা চীঙ অমদা লমদেংদগী খুন হোংদুনা পানখিবদগী মহাকপু নুংবান খুনথিবা কৌখি। মহাক্না পানখিবদা মফমদুবু লা-অৰাংবা (চীঙদোন অৰাংবা) চীঙনি হায়দুনা লাৰাংচীঙ [ব:ক:শ:, ১৯৯৮, ১৬] হায়না কৌখিরম্মী। হায়রিবা মফমসিদা মণিপুর ইতিহাস, কলচর অমসুং লাইনীঙলোন্দা মমিং লৈরবা হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবা পোকখিরম্মী। হোঙনেম অসিনা মহাক্কী মতমসিদা মবুধৌ পোইৰৈতোন্না খুনবান-লৈপাল্লম্বা লমদেংগী মফমদুগী খা-নোংপোক ওইরপ্লা, মফমদুদগী কি:মি: ২ রোম লাপ্লা লৈরিবা ঈরোইশেনবগী চীঙশাং পরেংগী নোংচুপথংবা চীঙমায়দা লুৰাং মকুবীচীঙ হায়না চীঙশা অমদা থোন্দুনা চীঙদুদা ‘‘পামং খুন’’ হায়না কৌবা খুন শেমদুনা মহাক অমসুং মহাক্কী শাগৈ-নাতৈ পুম্নমক খুন্দাখি। হায়রিবা লুৰাংনিংথৌ হোঙনেম অসি মৈদিংঙু তাউথিংমাং (খৃঃ ১৬৫-৩৬৫) গী মচন নুপী ৰাংঙল্লোন লাইরোকলেম্বীনা পোকপী কৌবরোন নামোইনু হায়রিবী অদুগী মচানুপানি। মরম অসিনা মহাক্না লুৰাংগী মনীঙ মখা তম্বা লৈপাক মচা অমা লীংখৎখিবসি খৃঃ ৪০০ গী অদুৰাইদা ওইবা য়াই। হায়রিবা অসি (ক) লুৰাংগী য়ুমলেন শল্লাইগী লৈপাক্নি। মফমসিদগী চৎখিদুনা লুৰাংগী নাউদা শল্লাইগী মনীঙ-মখা তম্বা মশাগী মরৈপাক মরমদম হৈরেম লমদমদা পানবা (খ) খুঞ্জান শল্লাই লৈপাক, অমসুং মরমদমনা অতোপ্পা য়েক্কী লমখৈ মনুংদা পানবা (গ) লুৰাং লংমাইবা শল্লাই লৈপাক পীশক, (ঘ) লুৰাং ফুনান-তেলহৈবগী শল্লাই লৈপাক পীশক অমদি (ঙ) থাঙ্গা-কম্বোংগী পীকশ্ৰবা লৈপাক-মচাশিং লীংখৎনরকখি। অদুগা মফমসিদগী চৎখিদুনা নোংয়ায় খুমন লৈপাকসু লীংখৎলকপা অমসুং নৌনা শেমজিন-শাজিনবা

(Reconstruction and reformation) তৌরকখিবনি। অদুবু খুমনশিংসিলুৱাংগা পেন তীন্নবা (মবেন/Grandma তীন্নবা, অমত্তা ওইবা) ওইনা লৌদদুনা অতোপ্পা য়েক ওইনা থম্মী।

(ক) লুৱাংগী য়ুমলেন শল্লাই লৈপাক-মচা

লৈপাক-মচা অসিগী অহানবা লীংখৎলকপগী ৱারম খর মথক্তা থমজখ্রে। হোঙনেম, লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী চাদা-নাউদা মহাক্কী মঙাশুবী নুপী, ঙানুরোন থোংঙাইবচনুনা পোকপা মচানুপা অহল লুংবা [খুমন য়েক্কী হকথেংনবা (Immediate) পুকোক] গী চাদা-নাউদা নত্তনা অতৈ মচাশিংগী চাদা-নাউদাশিংদি "লুৱাং" হায়রগা খঙনৈ অমসুং ওই। লুৱাংশিং অসি মখোয়গী য়েক্কী মমিংসি কৌদ্রিঙৈদা নুংপান/নুংবান (করিগুম্বদা "নোংবান" হায়না ইশিল্লম্বসু য়াওই) হায়না খঙনরম্মী। লুৱাংশিংনা য়োল্লকপদগী অঙোম/নোংবানগী চাদা-নাউদা ফান্তেকপুসু লুৱাং ওইনা পুশিন্নৈ। লুৱাংশিংগী খ্বাইদগী ঈহান হানবা নিংথৌ ওইনা শীঙথারিবসি মথক্তা পঞ্জখিবা চীঙখোঙ পোইরৈতোন অদুনি [ম:চ:স:, ১৯৭৯, ৫৪-৬]। অদুগা পোইরৈতোনসি খুমনগী অহানবা নিংথৌ ওইনসু শীঙথাই [মথক্কীসিদা, ৯-১০]। লুৱাং য়ুমলেন লৈপাকসি পোইরৈতোন্না লমদেং-লমহামদা কোনুং ওইরগা লমদেংগী অকোয়বদা লৈরিবা লমশিংসি লৈঙাক্নুনা পাল্লম্বগী ৱাফম পীরি [নুং:পোম্বী:লু:, খ:]। অদুবু হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী ৱাফম (মথক্তা পীজখিব) সিনা হৌজিক্কী মিৎয়েংদা অচুম্বগী মমি তাই। লুৱাং পুন্সিবগী মতমসিদা লৈরম্বা লুৱাং য়ুমলেন শল্লাইগী লৈপাক-মচাসিগী লমখৈদি— অৱাংলোমদা ঈহারায় (হৌজিক্কী অৱাং শেকমায়গী অৱাং ঈথং থংবা খুন্দোন), নোংপোক্লোমদা ইম্ফাল তুরেন, খারোমদা লমফেন পাৎ, তাকয়েন পাৎ অমসুং লাংজীঙ মচা (মকুই নোংলোনপাই) অমসুং নোংচুপলোমদা হৌজিক্কী শিংদা খুন, খুরোই হাওরা লমলাংতোংগী থোংজাওরোক তুরেন ফাওবনা কোয়শিল্লিবসিনি। লুৱাং-নিংথৌ পুন্সিবা হোঙনেমনা মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবগী মচানুপা খুঞ্জাওববু মহৈ-মশিঙ তম্বীদুনা মতম খর য়োকপীরকখি হায়দুনা মহাকপু হোঙনেময়োঙ্গী (হোঙনেম্না য়োকপা) খুঞ্জাও (বা)" হায়না কৌই। হোঙনেম লুৱাং নিংথৌসি লুৱাং পামং খুনসিদা খৃঃ ৬৬২গী অদুৱাইদা নোঙ্গাখিরম্মী অমসুং মহাক্কী অশি' থৌরম

পাংথোকপদা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবা (নাউথিংখোং) অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌখি [নাউ:ফম:কা, খ:]। লুৱাং নিংথৌসিগী মতমদগী লুৱাংশিংসি নিংথৌজা য়েক্কী লৈঙাক্লোনগী মখাদা লৈবা হৌরে [ও:ভ:স: ১৯৬৭, ১৫] অমসুং মৈদিংঙু নাউথিংখোং (খৃঃ ৬৬৩-৭৬৩) গী সনা হাক্তক্তদি লুৱাং য়ুমলেন লৈপাকসি মৈতৈ লৈপাক্তা চুপশিনখ্রে, হায়বসি মৈদিংঙুসিনা লোইচীঙ-ফৌওইচীঙ [হৌজিক্কী শঙাইথেলগী নোংপোক্তা লৈরিবা মাকলং খুন্দগী নোংচুপলোমদা চীঙলোন অনি কাখৎলগা লৈরিবা চীঙলৈপাক্কী মফম, মফমসিদা মঙাং কৌবা মী কাংলুপ্তনা পাল্লম্মী (মথক্কীসিদা, ৩৪-৩৫)], হায়রিবা লুৱাংগী য়ুমলেন শল্লাই লৈপাকসিগী লমখৈ মনুংদা লৈবা লমদমসিদা খুনপানবা মীশিংগী মথক্তা লান্দাদুনা মখোয়গী নিংথৌ মঙাং কোনখুচা অতেংববু হাৎখিবা অসিনা তাক্লি [মথক্কীসিদা, ৩৪-৩৫]।

লুৱাংগী য়ুমলেন শল্লাইসিগী লৈবাকসিগী নিংথৌশিং অমসুং মীওইশিংসি মৈতৈ নিংথৌগী অঙম-অথৌগী থাক্তা লোইনরকপসি মৈদিংঙু নাউফংবগী মতমদসু খর মখৈ উবা ফংঙি [মথক্কীসিদা, ১৫]। হোঙনেম লুৱাং নিংথৌগী মখা তারকপা লুৱাং নিংথৌশিংগী মতমদা লুৱাংশিংগী কোনুংসি লমফেন পাৎপান্দা, কোইহ্রেঙ্গৈগী লুৱাং-শঙফম/শংবদা, অসিনচিংবদা হোংদুনা পান্নখিবগী খুদম ফংই। অদুবু কোনুং হোংজবগী ৱাফমদনি, লৈঙাক্লোনগী চুপ্লী নৎত্রগা লুৱাংজৈ (Administrative staff or spetre) দি নিংথৌজা য়েক্কী নিংথৌশিংনা পায়খ্রবনি।

(খ) হৈরেম লমগী খুঞ্জান লৈপাক-মচা

"হৈরেম" লমদম হায়বসি "ঈরেম", কেগে, ঙাংঙোই, থরৈ, লেমলৈ, অসিনচিংবা লমতুপ খঙনবা মমিংনি। অদুগা লমদমসি লুৱাং য়েক্কী শল্লাই অমনা মনীঙ-মখা তম্বা লৈপাক লীংখত্তুনা পাল্লম্বা লৈপাক্তুবুসু অমসুং য়েক্কী লুপ– শল্লাই অদুবু মণিপুরগী ইতিহাসকারশিংনা "হৈরেম-খুঞ্জান (হৈরমগী, হায়বদি হৈরেম লম/লমদমগী "খুঞ্জান" হায়বনি)" হায়না থোল্লম্মী অমসুং খঙনরম্মী। হৈরেমগী লমদম, খুঞ্জান (মসিগীদি শাগৈ/য়ুম্নাক "খুঞ্জানময়ুম" হায়না লৈ) শিংনা লৈপাক-লীংখৎলকদৌরিবা মফম/লমদম নৎত্রগা লৈয়াৎ/লমতুপসি অহানবদা নোংয়ায় খুমনশিংগী মরমদম ওইরম্মী।

হৈরেম খুঞ্জান লৈপাকসিগী অহানবা উরেপ খীনখিবদি লুৰাং য়ুমলেন শল্লাইগী খ্বাইদগী হেন্না অথোইবা নিংথৌ হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবা হায়বসিগী তাল্লোই অহানবী চীঙনুং হাওবচনু হায়বীসিনা পোকপা মচানুপা লুমচেং তাউবা/ হনবা হায়বসিনি অমসুং মহাক্না খুঞ্জান লৈপাক মচাসিগী নিংথৌ শাগৈসি পোক্লম-শাৎলম্বনি [খা:য়ুম্বী:, খ: অমসুং ম:স:ক:এ:, ১৯৯৪, ২০, ২৯৯]। মখোয়গী নিংথৌ শাগৈসিগী পীবীরল্লিবা চাদা-নাউদারোম্দিঃ-

লুৰাং পুন্সিবা ♂
চীঙনুং হাওবচনু ⊙
লুমজেংহনবা ♂
কম্বোং লাংশাবী ⊙
লমশিন ♂
কোহৌবচনু ⊙
পানা ♂
নাউথিংখোং চনু ⊙
পনশরেং ♂

পনশারেং ♂
লংমাইনিংথৌচনু ⊙
তৌরেং লাম্বাবা ♂
খুমন নিংথৌ লিকমাবা চনু ⊙
লাইরুবা ♂
থোংথিনবচনু ⊙
লোম্বা ♂
মোইরাং নিংথৌ চনু ⊙
হৈরেম নানবা নিংথৌ
চীঙচরোই থাপানবা ♂

চীঙচরোই থাপানবা ♂
ঙানু ⊙
থিংবোংৱায়বা ♂
ঙানু ⊙
কম্বোং অমুকোই ♂
ঙানু ⊙
কম্বোং অঙৌকোই ♂
মোইরাংথেম চনু ⊙
ৱায়াখুরোম ♂
মোইরাংথেম চনু ⊙
নিংঙোল কাপমি ♂

অসিনি [মথক্কীসিদা, ২৯৯]। লৈপাকসিগী নিংথৌশিংসিগী মরক্তা পানা অমসুং চীঙচরোই থাপানবা হায়বা অনিসি অপুনবা লুৰাং য়েক্কী নিংথৌসু ওইখিরম্মী। অদুগা লৈবাকসিনা খুৎকন পাঙ্গনবগী থাক্তা কারকখিবসি মখোয়গী অহুমশুবা নিংথৌ "পানা" সিগী মতমদগীনি অমসুং মহাক্কী তাল্লোইহিসি মৈতৈ নিংথৌজা য়েক্কী নিংথৌ মৈদিংঙু নাউথিংখোং (খৃঃ ৬৬৩-৭৬৩) গী মচাঙ্গৈবেম্মা ৱাংঙমলোন্নি। মরম অসিনা মহাক্না পাল্লম্বা মতমসি মৈদিংঙু নাউথিংখোংগী মতমদা খৃঃ ৭০০কী মতম অদুৰাইদনি। হৈরেমগী খুঞ্জাশিংগী মনীঙ মখা তম্বা লৈপাকসিগী কোনুংসি "হৈরেম খেরেচীঙ ("খেরে" হায়বসি কবো/ শানশিংগী মরোনগী ৱাহৈনি, ৱাহন্দোক্না "ৱা"/Bamboo হায়বনি, অদুনা

হৈরেম খেরেচীঙ হায়বদি হৈরেম লমদমদা লৈবা ৱা হৌবা চীঙ, হায়বনি), ''খুঞ্জান লাল্লুমথেন'' কৌবা চীঙ (চীঙসি হৌজিক ককচীঙ খুনমন, এরোদ্রোম লৈরিবদুগী খা-নোংপোক্লোমদা লৈরিবা লমদুগী মমাঙ/নোংপোক ওইরপ্লা শেকমায় তুরেনগী হৌরকফম মরূ য়ৌদ্রিঙৈদা লৈ) অসিদা ওইরম্মী। অদুগা লৈপাকসিগী লমখৈনা অৱাংলোমদা লৌশী-থম্লান (লৌশী-পাৎ), নোংপোক্লোমদা মরীংগী চীঙশাং, খারোমদা শুগু-শেরৌ অমসুং নোংচুপলোমদা লোক্তাক পাৎকী নোংপোক থংবা পাৎপান ফাওবনি।

হৈরেমগী খুঞ্জান লৈপাকসিনা খ্বাইদগী হেন্না খুৎকন-পাঙ্গনবা মতমসি ১২শুবা খৃষ্ট কুমশীঙচাগী অনিশুবা তংখায়দগী ১৬শুবা খৃষ্ট কুমশীঙচাগী অহানবা মশুঙ ফাওবগী মতমসিদনি। অদুগা মতমসিদা পাল্লম্বা নিংথৌসি লোম্বদগীনা থিংবোং ৱায়বা ফাওবগী নিংথৌ অহুমসিনি। অকোনবগী নিংথৌসিগী মতমসিদা খুঞ্জানগী কন-থৌরবা, শা-লানগী মহৈ-মশীঙ হৈরবা অমসুং অতৈনা চায়ননবা শীঙনবদা কিনরবা ''হৈরেম খোঙঙা খোঙতেকচা'' হায়বসি লৈরম্মী। অদুনা খুমনশিংনা মহাকসিগী লমহেন-তুহেনবা মচৎ-মতৌসি য়াম্না হৈনরমদে [চায়নরোন, খ:]। অদুগা মতমসিদা খুমন লৈপাক্তা অদোন পুন্সিবা খুরেনচনবা অমসুং মৈতৈ লৈপাক্তা মৈদিংঙু থৱানথাব (খৃঃ ১১৯৫-১২৩১) না পাল্লম্মী। হৈরেম খুঞ্জানশিং অসিনা খুমন লৈপাক্লা/মচাশিংনা তৌরকপা চাওখৎ'-থৌরাংনচিংবা থবকশিংদা অশীঙনবগা লোইননা চপ মান্না-মান্ননা পাংথোক্নুনা কায়হৌবগুম তৌরম্মী [থ:হিরান, খ:]। মরম অসিনা খুমন নিংথৌ পুন্সিবনা য়াম্না নুংঙাইতনা থরুম তৌদুনা লৈরম্মী, অদুগা অমরোমদা হৈরেম খোঙঙা খোঙতেকচানা তৌরকপা খুমনগী নুপী অঙাং য়েনশাং হেকপা অমসুং মীচমশিংনা ঙা ফাবনচিংবদা শীঙনদুনা থিংলকপগী ঈ-পাউসু তত্তুনা লাক্লম্মী। অমরোমদনা মহাক মহাক্কী মচানুপী খয়োইরোল শমফবীবু মৈতৈ নিংথৌ থৱানথাবনা লৌবা অমসুং মহাক্লা থৱানথাবগী মচানুপী ৱাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈথানবী লৌদুনা নুংঙাইনা পান্নরিঙৈদা মৈতৈ নিংথৌনা মচানুপীবু লৱাই লূতোন্দা তরেংয়োৎনা লেঙদুনা হাত্তোক্লগা খুমন লৈপাক্তা থিল্লকপগী অশাও-নুংঙাইতনা লৈরম্মী। মহাক্লা মচানুপী মরান লৈতনা মৈতৈ নিংথৌনা তুরোন্নবীশিংগী শরৌ লাংথাক্তগী হাৎখিবনি খঙলকপদগী মৈতৈ নিংথৌ

হাত্তুনা লমন খুম্নবগী থৌরাং লৌখৎপদা হৈরেম খুঞ্জানশিংগা নুংঙাইনদবশিংদুদা থৈজিন্দুনা মখোয়গী মথক্তা লান্দাবদা মতেং পাংবীয়ু হায়দুনা মৈতৈ নিংথৌ থৱানথাবদা পাউ থাররুম্মী। মৈতৈ নিংথৌ তেংবাংদু লাকপা মতমদা হৈরেম খুঞ্জানগা লাছেংনরল্লগা মৈতৈ নিংথৌনা হল্লকপদা খুমনগী কোনুং ফেন্তা লৈকোয়বুঙ (হৌজিক্কী ময়াংইম্ফাল কোঞ্চাক মমাঙ লৈকায়দা লৈরি) দা কৌশিল্লগা কোয়শিন্দুনা হাৎননবা শরৌ শীল্লম্মী। অসুম্না খুমন অমসুং মৈতৈগী অপূনবা লাল্লোইনবা লাশ্মীনা লান্দাদুনা হৈরেম কেরে/খেরে চীঙদা কোনুং ওইদুনা পানবা খুঞ্জান লৈপাক্তু খৃঃ ১২২৫ গী অদুৱাইদা খুঞ্জান নিংথৌ ৱায়া খুরোমগী মতমদা থুগায়খিরম্মী।

হৈরেমদা পাল্লম্বা খুঞ্জানশিংগী মরৈপাকসি থুগায়খ্রবা মতমদুদা খুঞ্জানগী নিংথৌ ৱায়া খুরোমগী মচানুপা নিংঙোল কাপ্মিনচিংবা খুঞ্জান মচা খরদি খারোমদা চেনখিদুনা মথৱাই হিংননবা লোৎনখিরম্মী। অসুম্না লোৎনখ্রিবশিং অসিনা মতম খরগী মতুংদা চাইরেন থৈচংপুঙদা য়ুম্ফম ওইদুনা অনৌবা লৈবাক মচা অমা শেমগৎলরুম্মী। মখোয়গী অনৌবা লৈপাক অসি মৈদিংঙু তেলহৈব (খৃঃ ১৩৩৫-৫৫) গী সনা হাক্তক্তা মৈতৈ নিংথৌজাগী লাশ্মীশিংনা ইম্ফাল তুরেন্দা হি তোংদুনা চৎলগা লান্দাদুনা থুগায়রম্মী। হায়রিবা চাইরেন থৈচংপুঙগী লান অসিদা মৈতৈনা খুঞ্জানগী অথৌবা অহুম, মমিং পন্দুনা হায়রবদা থারুক য়োঙ্গথোংঙাই, হনবা কোনখুনাউ অমসুং হন্নু কোম্বোংঙাই কৌববু ফারকখিরম্মী [চৈথা:কু:, ২০০৫, ১৬]। মফম অসিদগীসু খুঞ্জানগী মী খর অৱাংলোমদা হাইগত্তুনা চেনখিরম্মী অমসুং অসুম্না চেনখ্রিবা মীওইশিংনা থৌবাল তুরেনগী ঈশিং চাবা লমদা থাঙ্গকম্বোংগী লৈপাক লীংখৎখিরম্মী।

(গ) লুৱাং লংমাইবা শল্লাইগী লৈপাক-মচা

"লুৱাং লংমাইবা" হায়বসি শেল্লোই লংমাইচীঙ নৎত্রগা নোংমাইচীঙ চীঙজাওনা কোনবা লমদম, অঙোমগী লংমাই/নোংমাই শল্লাইনা পানবা লমদমদা লৈবা লুৱাংশিংবু খঙনৈ। মখোয় অসি অরিবা মী কাংলুপ অমগুম লুৱাং য়েক্কী য়ুমলেন শল্লাই নৎত্রগা য়েক অসিনা পোক্ত্রিবৈঙেগী মমাঙদা প্রোটো-লুৱাং ফুরুপ ওইনা অমসুং মখোয়গী লুচিংবা/নিংথৌ "লুৱাং লংমাইবা" হায়বা অমা লৈরবগুম

পীবীরম্মী [পা:লাই:,খ: অমসুং খু:য়:স:, ১৯৬৭, ২০, ২১, etc.]। হায়রিবা লুৱাং লংমাইবা অসি নিংথৌজাগী মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা (খৃঃ ৩৩/ ৩৪-১৫৪) বু নিংথৌ ফম্বালদা থাঙ্গৎপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা মীশক অমা ওইনা পীরি, মদুদিঃ-

...অৱাং নোংলৈপুং সনা চীঙদোনলেনগী কারেন অহুম্মক্তা অঙৌবা পুরৈরোম্বনা য়িমমিং কারেন থং, লুৱাং লংমাইবনা য়িম্‌মাঙ কারেন থং চীঙঙু লংবা অপানবা নিংথৌ সনা তরেংবনা পরিং কারেন্নুং য়ুমলেম কারনয়ায়্দা শমু খুদুম চন্না মদোম থৌদাখিয়ে [মথক্কীসিদা, ২০]।

অসিনি। মফমসিদা পীরিবা লংমাইবসি চীঙখোঙ পোইরৈতোন নৎত্রগা থৱায়রেন (থোঙঙারেন) অহনবা (পোইরৈতোনগী ময়াম্বা অহন) নত্তনা কন্নাসু নত্তে, মরমদি পোইরৈতোনসি মতমদুদা লংমাইজীঙগী লমখৈ মনুংদা তাইতল সুনা-চীঙ নৎত্রগা অন্দ্রোগী লমদমদা লৈরি [ম:চ:স:, ১৯৭৯, ৪১-৪২]। অদুগা থোঙঙারেন/থৱায়রেন অসিগী মরমদা পীবীরম্লিবনাঃ-

ঐদি কংলৈ পুংফারে, পুল্লাং য়ুহৌরে, থোকঙমলোইএ। শানৌ চীঙখোঙ পোইরৈতোন-ও ! লৈমা লৈনাউতাবীবু ঙাইরোইননা তাইবংপান অথোইবদা খুম্হোক-ও ! ...॥ লৈনুং থৱায়রেন অহনবা লাইরেন হুমজাউববু লৈনা শানা শিন্নরে। মালেম খুলনিং শেম নিংথৌ সনা তরেংবদা লাইসনা হৈরোংনিংথৌ চনুবু শমু খুৎশিন্নরে॥ অৱাং নোংলৈপুঙ সনা চীঙদোনলেনগী কালেন অহুম্মক্তা অঙৌবা পুরৈরোম্বনা য়িমমিং কারেন থং ...[খু:য়:স:, ১৯৬৭, ২০]॥

হায়বসিনি। অদুগা পোইরৈতোনগী মচা শীঙতাবুঙ শীঙমিংনবা হায়বসিদি পোইরৈতোননা লমদেং লমহামদা খুন্দারবা পাখংববু ফম্বালদা থাঙ্গৎপা অসিগী মতুংদা লমদেংদা পোক্কদৌরিবনি [ম:চ:স:, ১৯৭৯, ৬০-৬১]। অদুবু ‘‘পাখংবা লাইহুই/ফম্বাল কৌবা লাইরিক্লা পীরম্লিবা লুৱাং লংমাইবা অসিদি পোইরৈতোন নৎত্রগা থোঙঙারেনসিগী মশক লোৎশিন্দুনা পীরম্বনি নৎত্রগা

পোইরৈতোন অসিবু লুৱাং য়েক্কী অহানবা নিংথৌ ওইনা পীরম্বনা মহাকপু লুৱাং লংমাইবা ওইনা, লংমাই/নোংমাইজীঙগী লমখৈ মনুংদা লৈবা/খুন্দাবা অদুদগী পীরম্বনি, হায়না থাজজে।

লুৱাং লংমাইবগী লুৱাং য়েক্কী শল্লাই অসিবু ''খাগেম্বা য়ুম্বী'' কৌবা মৈহৌবরোনগী লাইরিক (Genealogical book) তদি ''লুৱাং লংমাইচীঙ তোংপা'' হায়না পীবিরম্মী অমসুং মখোয়গী নিংথৌ শাগৈ শমথরকপগী পরীংদিঃ-

	লুৱাং পুনসিবা ♂	পুরেং নুমানবা ♂
	ঙানুরোন থোংঙাইচনু ⊙	লংমাই নিংথৌচনু ⊙
লুংবা	নুঙথোংঙাই ♂	তোংবা ♂
অহনবা ♂	ঙানুরোন ⊙	লংমাই নিংথৌচনু ⊙
খুমন য়েক	লুৱাং লংমাইবা ♂	লানবা শাথিবা ♂
	ঙানুরোন ⊙	লংমাই নিংথৌচনু ⊙
	চীঙদা কোয়বা ♂	ফুনান তেলহৈবা ♂
	ঙানুরোন ⊙	হোঙনেমশুম্বম চনু ⊙
	চীঙদা লাউবা ♂	নুঙকাংপাম্বা / অয়াঙজাম্বা ♂
	ঙানুরোন ⊙	লংমাই নিংথৌ চনু ⊙
	পরেং নুমানবা ♂	মোইরাম্বা ♂

অসিনি। লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মচানুপা লুংবা অহনবা অমসুং নুঙথোংঙাই অতোনবা অনিনা মমা ঙানুরোন থোংঙাইবচনুনা মপা লুৱাংনিংথৌগা খায়নরবদা মমাগী মতুং ইন্দুনা লাকখিরম্মী। মদুদগী মমানা মতমদুগী খুমন নিংথৌ তুমাহাব [ম:স:ক:এ:, ১৯৯৪, ২০৮] দা ওংবদগী লুংবনা তুমাহাবনা মচা ওইনা য়োক্কুনা খুমন ওইখি। অদুবু নুঙথোংঙাইদি মমা, ময়াম্বা অমসুং খুমন লৈপাক থাদোক্কুনা চৎপ্রগা লংমাইচীঙগী লমদমদা চৎখিদুনা লৈখিরম্মী অমসুং মহাক্না লুৱাং লংমাইবা কৌবা মচানুপাসি পোকখি। নুঙথোংঙাইগী মচানুপা অসিনা

ঐতিহাসিক পাত্রগী খ্বাইদগী ঈহান হানবা লুৱাং লংমাইবনি অমসুং মহাক খৃঃ ৩৫০ গী মতমদা শেল্লোই লংমাইজীঙ লমদমদা লৈরম্বা য়াই। মখোয়সিগী লুৱাংগী ফুনাল তেনহৈবগী শল্লাইসি খৃঃ ৬৫০ গী মতমদা পাবা য়াই।

(ঘ) ফুনাল তেলহৈবা শল্লাই লৈপাক পীশক

ফুনাল তেলহৈবা হায়বসি ফুনালচীঙ (হৌজিক্কী থৌবাল ডিষ্ট্রিক্তকী লমদা সেনাপতি ডিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈরিবা ফুনাল মরিংগী চীঙ) দা পাল্লম্বা অঙোমগী শল্লাইনি। খ্বাইদগী ঈহান হানবা ফুনাল তেলহৈবসি মৈদিংঙু তাউথিংমাং (খৃঃ ২৬৪-৩৫৪) গী সনাহাক্তক্তা মৈদিংঙুসিগা লাম্থেংনখিবা ওইনা পীবীরম্মী, মদুদি—

শক ১৮৬ (খৃঃ ২৬৪) দা তাউথিংমাংনা নিংথৌ ওইএ।। ময়াম্বা য়োইমোংবগা লোইনদুনা মণিপুর লৈপাক্কী তুরেন খিবিক অসুম তৌথখিবদা লিলোং হেক য়ৌবদা ফুনাল তেলহৈবা কৌবা অমনা ঐগী লমদা তুরেন তৌফদে হায়বদগী ময়াম্বা য়োইমোংবনা নোংচুপ পাংনা থৈথখিদুনা তৌম্রবদা মনাউ তাউথিংমাংনা ইয়াম্বা কয়া কুইশ্রবগে হংবদা ফুনাল তেলহৈবনা কুইশ্রে খুমএ।। তাউথিংমাংনা ইয়াম্বা ফংনবা তুবৎ শমগে হায়বদা ফুনাল তেলহৈবনা ইরমনি চৎফরোই, হায়দুনা লান শোকনৈএ।। ফুনাল তেলহৈবগী তেন্না তাউথিংমাংবু কাপখায়এ।। খোয়রি লিনশাং থোক্কুনা ঈনা ঈঙাঙ ঙাঙনা তাউথৈএ।। অদুগী ঙাংলৌ কৌখিএ [চৈথা:কুম:, ২০০৫, ২]।।

অসিনি। হায়রিবা ফুনাল তেলহৈবসিনা পায়রিবা লীরুং-তেন্দোং অসি চীঙঙু সরারেন নৎত্রগা অঙোম নিংথৌ অঙৌবা পুরৈরোম্বগী অখাক-অরাউ য়াওবা লীরুং তেন্দোংদুনি। মসি মহাক্না হায়রিবা পুরৈরোম্বসিগী চাদা-নাউদা ওইনা ফংহৌরগা পায়হৌবনি।

ফুনাল তেলহৈবসিনা লংমাই/নোংমাইজীঙ চীঙজাওদগী কুমথরক্কুনা ফুনাল চীঙসিদা পানবদগী মহাক্কী চাদা-নাউদা মীরোন ৪/৫ ফুনালচীঙদা পানবা ফুনাল তেলহৈবা ওইনা শমথরক্লগা মুৎখিরম্মী। অকোনবগী ফুনাল তেলহৈবসিদা চোথে কাংলুপকী নহা অমনা মহৈ-মশীঙ তমদুনা খঞ্জরম্মী। মদুদা অঙোমগী অরোয়বা ফুনাল তেলহৈবসিনা মহাক্কী লীরুং তেন্দোং য়াইওইবা,

অখাক-অরাউ য়াওবা তেন থোকহনবা ঙম্বা খুৎশু-খুৎলাইসি শীন্নরম্মী। হায়রিবা চোথে-ফুনাল তেলহৈবসিসু ফুনাল-চীঙদা পান্দুনা ফুনাল তেলহৈবা হায়বা মিংথোল অসিগী মখাদা মমিং চৎখিরম্মী অমসুং মহাকসি মৈদিংঙু শামৈরাং (খৃঃ ৫১৮-৬৮) গী মতমদা লৈরম্বা ওইনা পীবীরম্মী, মদুদিঃ-

...মৈদিংঙু শামৈরাং (খৃঃ ৫১৮-৬৮) না অৱাবু খুদুম চনগে হায়দুনা লোইবী চীঙশাং লাকপা লোইবী ফুনাল নিংথৌ তেলহৈববু হুয়েল থৌনেক্তুনা অৱা লৈপাক্পু অকল্লাবা হুয়েন লাঙ্থেংনরবদা... অসিনি। অসুম্না ফুনাল তেলহৈবা অসিনা মমিং চৎপা পানবা অসিদগী খুমন নিংথৌগা য়েংথীনরক্তুনা চোথে ফুনাল তেলহৈবসিনা লুৱাং ফাননবা নৎত্রগা লুৱাং লংমাইবগী ফুনাল তেলহৈবদা লীরুং তেন্দোংনচিংবা শীন্নরম্বগী ৱাফমশিং পীরি, মদুদিঃ-

...ইপুথৌ (চোথে ফুনাল তেলহৈবা) অসিবু খুমন নিংথৌ কচেং ৱায়েং মাঙবগা পাথৌ মরুপ শান্নদুনা তরা চাক্কৌরগা তরা তোকপগী ৱাংলেন ঙাইহাক পোথাদুনা তুমখুল হুল্লিঙৈদা ইপুথৌবু শমু মিৎলাং অনিমা হন্দোক্লগা করেম্নবদগী খুমন তাকপা তারবদা মৈতৈ নিংথৌনা কুমদুনা খামজিন্দুনা খুমনবু কনবীরম্লগা ইপুথৌবু হাওকপ চীঙশাং (হৌজিক্কী লিবরেল কলেজ লৈরিবদুগী নোংচুপ্তা শন্দোক্লিবা চীঙশাং পরেং) য়ৌনা থিনবীরক্তুনা থন্নম্লগা হনখিয়ে। মতুংদা ইপুথৌগী থৌগল ফংবীনবা কনা হন্না লৈখিদ্রবদা লুৱাং ফানানবনা হাওকপ চীঙশাংদা লাক্তুনা থৌগল লাঙ্গন্দুনা লৈরময়ে। ইপুথৌ চোথে ফুনান্না শিরমদাইদা ইপুথৌ লুৱাং ফানানবগী মফমদা মখূৎশূ লীরূঙগা তেনতোং য়াইখাউগা পুঙ অসিমগা হাওকপ চীঙশাংবু শীন্নরময়ে। মতুং অদুদা ইপুথৌ লুৱাং ফানানববুসু ফুনাল তেলহৈবা হায়না কোল্লোয় মিঙ্গৌদুনা পাল্লবদা ইপুথৌ অসিনা হোঙনেমশুম্বী পান্নদুনা নুঙকাংপামপকা অয়াঙচামপগা অনি পোক্তুনা অয়াঙচামপনা ফুনান নিংথৌ ওইদুনা পোৎলম(শিং) অসিবু ফংদুনা হাওকপ চীঙশাংদা অমুক পাল্লে।

নুঙকাংপান্বনা লংমাই নিংথৌ চনু পান্নরগা তমদা কুমদুনা মপারী মোরান্বা পোক্কুনা হিতম য়ুম্নাকনে য়াংঙম্বম য়ুম্নাকনে ওইখিয়ে।

ইপুথৌ ফুনান নিংথৌ অয়াঙব (অয়াঙচান্ব) না লংমাই নিংথৌচনু মংশাঙম্বী (মোলশাম-পাম্বী) পান্নদুনা লম-নিংথৌগা খানিংথৌগা মপারী অনি পোকয়ে। লমনিংথৌনা শল্লাম য়ুম্নাক ওইদুনা য়ুমদাদুনা তমদা থৌগল্লরে।

ইপুথৌ খানিংথৌনা হাওকপ চীঙশাং মনিংথৌবা ওইহৌদুনা লীরুং তেন, উতোং খাউয়াইগা পুঙয়াই অসিবু ফংলে। ইপুথৌ খানিংথৌনা ঙানুথুম্বী পান্নদুনা মপারী অয়াঙচান্বগা ফৈতেম্বগা অনি পোকয়ে। ইপুথৌ ফৈতেম্বনা হাওকপ চীঙশাং মনিংথৌ ওইদুনা পাল্লে। ইপুথৌ ফৈতেম্বনা পোক্লম্বা মপারী য়াংঙম্বা (য়াংথৌবসু কৌই) না হাওকপ চীঙশাং খুবম অমুক তানফংলে। হাওকপ চীঙশাং য়াংঙম্বনা মপারী লুৰাং লেম্বা পোকয়ে। ইপুথৌ লুৰাংলেম্বনা শম্বু নিংথৌ পোক্কুনা... [মথক্কীসিদা, ১১৭-১১৯]
অসিনি। অসুম্না লুৰাংফানানবা, ফুনান তেলহৈবনা হাওকপ চীঙশাং, খুনফম ঙাংচেংগী লমদা লুৰাংগী ফুনান তেলহৈবা শল্লাইগী লৈপাক পীশক লীংখত্নুনা পাল্লিবা অসি মৈতৈ নিংথৌজা য়েক্কী লৈঙাক্লোনগী মখাদনি। মসি য়াম্না ঙন্না নিংথৌজাগী লৈঙাক্লোনগী মনুংদা চঙখ্রবসু লুৰাংগী লৈপাক্কী লমসিদি লুৰাং য়ুম্লেনগী য়ুম্ফম-ফম্বীগা নক্লুনা খৃঃ ১০০০ রোম ফাওবা লৈরম্বা য়াবা লৈপাক পীশক্লি।

(ঙ) থাঙ্গ-কম্বোংগী পীথ্রবা লৈপাক মচা

থাঙ্গ-কম্বোংশিং অসি লুৰাং খুঞ্জানশিংদা নপশিল্লকপা মীওই ফুরুপনি। মখোয়গী মনীঙতম্বা লৈপাক মচাদি লৈতে, অদুবু মীখা থাবা মী ফুরুপ ওইনা লৈপাকমচা অমখক থৌবাল তুরেনগী ঈশিং চাবা লমদা মতম খর লৈরম্মী। মখোয়গী নিংঙোন অমা মৈদিংঙু নাউথিংখোং (খৃঃ ৬৬৩-৭৬৩) না লৌরম্মী। মসিগী ৱারোলম্দিঃ-

...অদোন নোংয়ায় খুমন লৈমা শংতিংঙানবী কমবোংথেমচনু নাপা নারুম কাংবীনা লাইরেন মনেমমচা হোঙনেময়োয় খুঞ্জাও, লোক-য়ী শেল্লোইনাইবু লমওক্লুগে হায়না ইন্দাল্লকপদা মদু কম্বোং মীকৌনবদি নুমিৎপুদি তুমিৎ কৌয়ে। থেঙলববুদি পাৎলবা কৌয়ে। তুমিৎ পাৎলকলে, লাইরেন মনেম-মচাসু শোয়নরে। অদুনোংগীবু পাৎশোয়-ও কৌএ [এম:জি:, ২০০৪, ২৩৩]।

অসিনি। কম্বোংথেমচনু নারুম কাংবীসি হৌজিক্কী ময়াং ইম্ফালগী লমদমদা পানবা খুমন নিংথৌ পুন্সিবা য়ুম্মোইবনা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা নিংথৌ ওইদ্রিঙৈদা থাজবনি। অদুগা পাৎশোয় হায়রিবসি থৌবাল ডিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা লৈবনি, ইম্ফাল ৱেষ্ট (ৱান, শগোলতোংবরোমদা) দা লৈবসি নত্তে। থাঙ্গ-কম্বোংগী লৈপাকসি মৈদিংঙু পুন্সিবা (খৃঃ ১৪০৪-৩২) গী মতমদা মৈতৈনা লান্দাদুনা থুগায়খিরম্মী [চৈথা:কুম:, ২০০৫, ১৭]।

(৫) খুমন য়েক্কী লৈপাক-মচা

খুমনশিং অসি পোইরৈতোনগী মশূ অরোং অমসুং শূথাং শূনোংয়াই লুংবা অহনবগী চাদা নাউদাদগী থোক্লকখিবনি। মখোয়সি খুমন হায়না খঙনদ্রিঙৈদা নোংয়ায় (চীঙখোঙ-চীঙয়া অমসুং অনেম্বা চীঙ নাপোমগী ময়ায় ওইনা নোংনা লাংবা লমদমদা পানবা/লৈবা মী), হায়না খঙনবসি পোইরৈতোনগী মচানুপা শীঙতাবুঙগী মচানুপা অহন অরোংনা লমদেং-লমহামদগী হাওকপ-চীঙশাং, খুনফম ঙাংচেংগী লম লাম্বোক্তুনা চৎখ্রগা চীঙশাংসিগী অৱাং ঈথং থংনা লৈরিবা অমসুং নোংচুপলোমদা থেকখ্রিবা চীঙঙ্গোন (হৌজিক্কী কোইরেঙ্গেগী নোংচুপলোমদা মিটর ৮০০ লোম চৎলগা লৈ) গী অনেম্বা চীঙ নাপোম অমদা লৈরম্বা (হৌজিক-হৌজিক অরোং-নিংথৌগী খুবম শাদুনা চেক্কী লাইশঙ লৈ) দগী ওইরম্বা য়াই। অদুগা ''খয়োই'' নৎত্রগা ''খরোই'' হায়না খঙনবসিনা খুমন নিংথৌ য়োঈথোংঙাই [মৈদিংঙু নাউথিংখোং (খৃঃ ৬৬৩-৭৫৩) গী মতম অমসুং মশেন ওইনা তেংবাংদুনা নিংথৌ খুবম হঞ্জিনহনখিবা খুমন নিংথৌ] না খুরোই হাওরা লমলাংতোংদা চকপা খয়োইশিংগী মনাক্তা মতম খর লৈরম্বা অদুদগী ওইরম্বা য়াই।

খুমনশিংগী অহানবা নিংথৌসি পোইরৈতোনবু ওইনা শীঙথানৈ হায়বসি মথক্তা পঞ্জশ্রে। মখোয়গী নিংথৌরোলগী য়োঙ্গথোংঙাই ফাওবগী ওইনা পীরিবদি—

[১] চীঙখোঙ পোইরৈতোন ♂ → লৈমা লৈনাউতাবী ⊙ → শীঙতাবুঙ শীঙমিংনবা ♂ → পামিংনবা (শীঙতাবুঙ ২বা) ♂ → লুৱাং খুনথিবা ♂ → হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ ♂

হোঙনেম → লুংবা অহনবা → য়োইরাংপোক পুন্সিবা → কচেং-ৱায়েং-মাঙপা → মোংপা খোনপা → খোনবা নিংথৌবা

খোনবানিংথৌবা → অদোন লাইফেংবা → পুন্সি য়ুমোইবা → য়োঙ্গথোংঙাই

[২] চীঙখোঙ পোইরৈতোন → শীঙতাপুঙ শীঙমিংনপা → অরোং নিংথৌ (খুমন নিংথৌ); পামিংনবা (শীঙতাবুঙ ২বা)

অরোং নিংথৌ (খুমন নিংথৌ) → খুমন নিংথৌ তুমাহাবা → ঙানুরোন থোংঙাইচনু ⊙ → লুংবা খুমন ↓; নুঙথোংঙাই লুৱাং

পামিংনবা (শীঙতাবুঙ ২বা) → লুৱাং খুনথিবা → হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ → (১) (২) (৩) ঙানুরোন থোংঙাইবচনু ⊙ → লুৱাং খুমন ↓; নুঙথোংঙাই লুৱাং

লুংবা → য়োঙ্গরাংপোক পুন্সিবা → কজেং-ৱায়েৎ মাঙবা → মোংবা খোনবা → খোনবা নিংথৌবা → ↓ → অদোন লাইফংবা → পুন্সি য়ুমোইবা → য়োঙ্গথোংঙাই

অনিসিনি। খুমন নিংথৌ অরোংনা খুমন নিংথৌ তুমাহাবা (তুমাঙহৱা/ তুমা-হাঙবা) সি পোক্লগা মখোয়গী চারোন-শূরোনসি খমশ্রে। লুংবসি হোঙনেম লুৱাং নিংথৌগী মচানি, মহাকসি তুমাহাবসিনা মমা ঙানুরোন থোংঙাইবা চনুসিনা লুৱাং নিংথৌ হোঙনেম খায়নদুনা মপামদা মচা নুপা অনিগা লোইননা হল্লকুবদা

মহাকপু লৌদুনা লুংবসিবু মচা ওইনা য়োকচদুনা মহাক্কী লৈজবা লন-থুম, নিংথৌ ফম্বাললনচিংবা পীদুনা লুৱাং মচাসি খুমন ওইহনখিবনি। মরম অসিনা অরোং নিংথৌ অমসুং তুমাহাবসি খুমনগী নিংথৌরোন্দা তুমাহাবসিনা শোয়নাইদবা (মচা পোক্তবা) সিনা অহল-লম্মনশিংনা হাপ্পমদবনি।

খুমন নিংথৌ অরোংনা নোংয়াঈ ওইনা খুনফম ঙাংচং নৎত্রগা হাওকপ চীঙশাংগী অৱাংথংবা মতাইগী চীঙশাদা পানবা মতমসিদদি খুমন লৈপাকসি লীংখৎত্রি। নোংয়ায় অরোংসিনা হাওকপ চীঙশাংগী মতাই থংবা অৱাংগী চীঙশাসিদগী থৌবাল্লোমদা চৎখিদুনা থৌবাল তুরেল মপানগী লমদম লাম্বোক্তুনা চথ্রগা লংমৈথেৎকী মমাঙগী শারম চীঙশাংদগী হৌরক্লগা চেঙ্করকপা তুরেন মচা অমগী য়েৎ/অৱাং থংবা তোর্ব্বাল্লোমদা খুন্দা-লৈতাফম শেমদুনা পানখিরম্মী। হায়রিবা মফম অসিনা য়ুম্ফম-ফম্বী (Headquarters/capital) ওইরগা মতম খরদংগী মনুংদা খুমন লৈপাক চাওখৎলক্লম্মী। মরম অসিনা খুমন লৈপাক্কী উরেপ অমসুং য়ুম্ফম ফানখোঙ খীল্লম্বদি নোংয়ায় নিংথৌ অরোং হায়বসিনি।

নোংয়াঈ নিংথৌ অরোংনা চীনফুরোন লাইতোংলন চীনখুবী পান্নদুনা মচানুপা তুমহাবা (তুমা-হাঙবা) পোকই। মহাক্না মতম কুইনা মচা পোক্রবদা মমৈদা ঙানুরোন থোংঙাইবা চনু লৌবদা চেল্লকপা মচানুপা লুংববু মচা ওইনা য়োক্তুনা নিংথৌ ফম্বাল পীরল্লগা নোঙ্গাখিরম্মী। লুংবা অহনবগী মতমদদি খুমনসি অৱাংলোমদা ৱাইথৌ খমপুং, হৈপোকচীঙ অমসুং মকুই নোংলোন পাইগী মনাক য়ৌনীঙ তৌনা য়াওরৌ (হৌজিক্কী মালোম) ফাওবা, নোংপোক্লোমদা খোইবু চীঙশাং পরেং, খারোমদা হৈরেম লমদম লান্দুনা থরৈ-লেমলৈ (শুগ্নু, শেরৌ) ফাওবগী লমদম অমসুং নোংচুপলোমদা লোক্তাক পাংনা ঙমখৈ ওইবা লমশিংগী লমখৈ-লমকন মনুংসি ওইরম্মী। মহাক্কী কোনুংনা থৌবাল তুরেনগী মপান্দা ওইখিরম্মী। লৈমনা ঙানুরোন নিংথৌ য়েন্দং চনু থম্মোইরেম্বী কৌই অমসুং মখোয় অনীসিবু খুমন য়েক্কী অপোকপা অপোকপী ওইনা খুমনশিংনা খুরুম-খাজঙনৈ। খুমন নিংথৌ লুংবগী মতুংদা খুমন নিংথৌ ২৫ (কুনমঙা) খক

পানখিরম্মী। অদুগা লুংবনা খুমন লৈপাক লীংখৎখিবসি খৃঃ ৪২৫ গী অদুব্রাইদা পাবা য়াই অমসুং খুমন লৈপাকসি চাওরাক্লা ৯০০ লোম পুন্সিরম্মী।

(ক) খুমন লৈপাক্কা মৈতৈ লৈপাক্কগী মরী

খুমন লৈপাক্কী নিংথৌশিং অমসুং মৈতৈ লৈপাক্কী নিংথৌশিংগা লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন্নচিংবগী মরী অসি চারৌ-মৌরৌনবগী মরী অসিদগী হৌরম্মী অমসুং খ্বাইদগী ঈহান হান্না মরীসি লীংখৎখিবসি খুমন নিংথৌ কচেং ৱায়েং-মাঙবনা মৈদিংঙু পেংশীবা (খৃঃ ৩৭৯-৩৯৪) গী মচাঈবেম্মা ৱাংঙমলোন লাইরুমচেংবী লৌবা অসিদগী হৌখিরম্মী। মসিদগী যুমথংনবা লৈপাক অনিসি চারৌ-মৌরৌনবগী মরীসিদা খুমন নিংথৌগা মৈতৈ নিংথৌগগী মরী অসিনা লৈপাক অনিসিদা চান্নবা অমসুং য়েংথীনবগী থৌদোক-ৱাথোক কয়া পুরকখিরম্মী। মসিনা খুমন লৈপাকপু মৈতৈ লৈপাক্তা তীনশিনখিনবা অমসুং খুমনগী মীশিংবু মৈতৈগী মী ওইরকখিবনি। হায়বসিগী খুদম অনিদং পল্লবদা—

(১) ...শকাব্দ ১১১৭ (খৃঃ ১১৯৫) দা মৈদিংঙু থৱাহ্বাবনা নিংথৌ ওইএ। ...মৈদিংঙু থৱাহ্বাববু খুমন নিংথৌ পুন্সিবনা লান নেক্তুনা হিয়াঙ হিরেন তোংদুনা মীয়াম্না লান পাংবা চৎলে। খুমনগা লোইনদুনা হৈরেম খুঞ্জান নামিন্নৈএ। ঙমএ। লান্দি খোঙঙা খোঙতেকপা; চৈশু পান্দোম্বা, য়ুন্নক লানহৌয়াম্বসু ৩মা চঙনা ফাইএ। অসিগী মতুংদা মৈদিংঙু থৱাহ্বাবগী মচানুপী চীঙখৈ থানবীগী ৱাথোক্তগী খুমন নিংথৌ পুন্সিবগা লান শোক্লেএ, ঙমএ॥ ...খুমনগী সৌপোন য়াইসুং খোল্লকএ [মথক্কীসিদা, ১২]।

[২] ...শকাব্দ ১১৮৫ (খৃঃ ১২৬৩) দা মৈদিংঙু খুমোম্বা নিংথৌ ওইএ॥ ...কবোনা লান কারক্তুনা খুমনবু তানখায়রবদা খুমন্না লান নেক্রুদুনা খুমন্দা মৈদিংঙু খুমোম্বনা লান পাংবা চৎলে॥ কবোগা খুমনগা মৈতৈগা লান শোকনৈএ। কবোবু মৈতৈনা চাইখায়দুনা ফারে।... [মথক্কীসিদা, ১৪] অসিনি। অহানবগীসি মৈতৈ নিংথৌ থৱাহ্বাবা খুমন নিংথৌ পুন্সিবগী মচানুপী শমফবী লৌবা অমসুং খুমন নিংথৌ পুন্সিবনা মৈদিংঙু থৱাহ্বাবগী মচানুপী চীঙখৈথানবী লৌবগী চারৌ-মৌরৌনবগী মরীদগী থোক্লকপনি। মৈতৈ নিংথৌনা

খুমন নিংথৌগী মচানুপী শমফবীবু মপুক মাংই হায়দুনা লৱাইদা তরেংয়োৎনা লেঙলগা হাত্তুনা অশিবা মশাদু খুমন লৈপাক্তা থিল্লকখি। খুমন নিংথৌনা হৈরেম খুঞ্জান লান্দাবদা মতেং পাংহল্লগা খুমন লৈপাক্তা মৈদিংঙু থৱানথাববু হাৎনবা শরৌদা মৈদিংঙুগী মচানুপী চীঙখৈ থানবীনা খুদম তৌবদগী মৈতৈ নিংথৌ নাম্বোক্তুনা চৎখিরম্মী। মদুগীদমক্তা খুমন নিংথৌনা মৈতৈ নিংথৌ মাগী নুপী চীঙখৈথানবীবু মচানুপীবু হাৎখিবা মীহাত্তুগা চপ মান্ননা লৱাইদা তরেংয়োৎনা লেঙদুনা হাৎখিরম্মী। থৌদোকসিদগী মৈতৈ নিংথৌনা খুমন লৈপাক্তা লান্দাদুনা খুমনগী মী য়াম্না হাৎখি অমসুং খুমনগী লৈঙাক্লোন, খুন্নাইরোন অমসুং শেন্দান-শেনচৎলোনগী মরু ওইরিবা থাজনবীগী য়াই শৌবোনয়াইসু মুন্দুনা মৈতৈ লৈপাক্তা পুরকখি [থ:হিরান:, খ:]। মসিদগী খুমন লৈপাক্কী মপাঙ্গল শাথীনা শোন্থহন্দুনা লৈপাক পানবা ঙল্লক্তবগী থাক অদু ফাওবা পুরকখিরম্মী।

অনিশুবগী অসিনা মৈতৈ নিংথৌ খুমোম্বগী মচানুপী ৱাংঙমলোন পানবা ফাবীসি খুমন নিংথৌ পুন্সিবনা লৌবনা মচানুপীসিনা মপা নিংথৌদা লান পাংবীয়ু হায়জরকপদগীনি। কবো (Shan) শিংনা লান্দারকপসি মসিনা খ্বাইদগী ঈহান হানবা খোঙথাংনি। মৈদিংঙু খুমোম্বদা নত্তনা মোইরাং নিংথৌ লান পাংবগী ৱারোল মোইরাং নিংথৌরোল লম্নুবদা নীঙথিনা পীরি। অসুম্না পুম্নমক্কী ওইবা ৱাফম, হায়বদি মীরৈপাক্লা লান্দারকপদা অপূনবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা লাম্বেংনবসিদা মৈতৈ, খুমন অমসুং মোইরাংগী লানলোইনরিবা লাম্মীশিংনা খুমনবু য়েক্লবশিংগী মখুত্তগী কনখিরম্মী। অদুবু মসিনা লৈপাক্কী মপাঙ্গনবু হান্নগী/মমাঙগী নিংথৌশিংগী থাক অদু য়ৌবদি ঙল্লমদে।

(২) লৈঙাক-লৈকল্লোনগী খুমন-মৈতৈগী মরী

খুমন নিংথৌ অদোন লাইফেংবা [মৈদিংঙু লাইরেন নাউফংব (খৃঃ ৪২৮-৫১৮) গী মচানুপী ৱাংঙমলোন মেৎপী লাইপীনা পোকপা] গী মতম্দা খুমন লৈপাক্কী কোনুংসি থৌবাল তুরেন মপান্দা লৈবা নোংয়ায় লৈকোয়পুঙদগী ফেনতা লৈকোয়পুঙ হৌজিক্কী ময়াংইম্ফাল টাউনগী কোকচায় কুম্বী মমাঙ লৈকায়দা ইম্ফাল তুরেনগী খা-নোংপোক থংবা মপান্দা তাবা

লম] দা হোংখিরম্মী। মফমসিদা খুমন নিংথৌ পুন্সি যুমোইবগী হাক্তক্তা মৈদিংঙু খুঞ্জাওববু শেল্লোই লংমাইশিংনা হাৎকে থৌরাংবদগী লীখোক্লুনা চেল্লক্লুম্মী। মহাকপু খুমন নিংথৌ অসিনা য়োকপী থাকপীদুনা থম্বদা নত্তুনা মচানুপী কৈরূ হাঙবীবুসু থাজদুনা মমাকসু ওইরম্মী। হায়রিবা খুঞ্জাওবসিনা মৈদিংঙু নাউথিংখোং হায়দুনা মৈতৈ নিংথৌ ওইরবদা খুমন নিংথৌসিবু তৌবীমল খঙবা উৎপা ওইনা মৈতৈ কোনুংদা চাক্কৌরম্মী। মতমদুদা মৈতৈ কোনুংসি শওম্বুং (হৌজিক্কী) দা ওইরম্মী। চাক্কৌবদুদা থোংবা শাগী মরূ ময়াংশিংদু ফুমখিবগী লৈপুঙ অদুবু শওম্বুং কৌবদগী লমসিগী মমিংসু ''শওম্বুং'' থোনখিবনি [ইউ:এল:এ:, ১৯৮০, ১৯-৩০] হায়না পীরি। চাক্কৌবসিদা পেল্লদুনা অপাম্বা অমা নীয়ু পীগে হায়রবদা লৈমা কৈরূ হাঙবীনা মৈতৈ লমদি পীকই, খুমনগী লমদি চাওই, অদুনা লম খর পীয়ু হায়রম্মী। মদুনা খুমন নিংথৌনা ফরে, নখোয় থোং য়েনশাংগী শা, শওম অসিগী মকোক অসি, তুরেন্দা থাদরিবসিনা পল্লুবা মফম অদু ফাওবা লৌজরো, হায়দুনা শা মকোক্তু ঈরীন তুরেন্দা থাদখিরম্মী। শওম মকোকসিনা ঈরীন তুরেনগী ঈচেল ইন্না তাউথরক্লগা লিলো' য়ৌরক্লম্মী অমসুং মদুদগী ইম্ফাল তুরেলদা তারিবা ঈরীনগী ঈচীন্দগী ইম্ফাল তুরেনগী খোংলম ইন্না তাউথরক্লগা শামুরৌ লাম্থোক্লগা তোরৈ তুথেক অমদা পল্লম্মী। মফম অদু শওমনা পল্লি, হায়বদগী ''শওমপন'' হায়না থোল্লম্মা [মথক্কীসিদা ২৯] বু মমৈথংদা ওয়নামশিংনা খুন্দাবদগী ''ওইনাম শওম্বুং'' হায়না খঙনখি। মফম অদু ফাওবা মৈতৈগী লম ওইনা নাউথিংখোংনা লৌখিরম্মী।

মৈতৈনা লম লৌখিবগী ৱারমসি খুমনশিংনা খঙলক্লবা মতমদা য়াম্না নুংঙাইনরমদে অমসুং মখোয়না খুমন নিংথৌ পুন্সি যুমোইববু নিংথৌ ফম্বালদগী চিংথবা পাল্লম্মী। অদুগা মতমদুদা হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী তাল্লোই অতোম্বী, খুমন নিংথৌ পুন্সি যুমোইবসিগী মচন নুপী খয়োঈরোন ঙানুথুমবীনা মপুরোইবগা খায়নদুনা মপাম খোঙদারকপদা পীশক পীক্লা পুরকখিবা মচানুপা শেনবা মিমাবদু চাওবা কাংদোং ফারদুনা মপাঙ্গল লমথোইনা কল্লবা মীওই ওইরম্মী। খুমনশিংনা মঙোন্দা তোংশিন্দুনা লানহৌরগা খুমন নিংথৌ পুন্সিবা যুমোইববু মহাক্কী নুপী অঙাংগা লোইননা খুমন লৈপাক্তগী তাম্থোকখিরম্মী। হায়রিবা খুমন নিংথৌসি খুরোই হাওরা লমলাংতোংগী য়াঙ্গোই তুরেন মপান্দা

চেল্লক্নুনা মফমদুদা খুন্দাদুনা লৈরম্মী। অদুবু অহল মতম ওইশিল্লক্লবা পুন্সিদুদা অসিগুম্বা অৱা-অনা নংবসিনা মরম ওইদুনা খুমন নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবা মীরৈপাক্তুদা মালেম তাইবংপান থাদোকখিরম্মী। মহাক্কী মচানুপা য়োঙ্গথোংঙাইসু মফমদুদা নীঙমদনা পুন্সি মতম লেল্লম্মী।

য়োঙ্গথোংঙাইনা মফমদুদা মচা নাউরোন অহুম কারক্লবা অমসুং অঙাংশিংদুনা পুঙকক চাওরক্লবা মতমদা মহাক্না মপুক্লীঙদা মচন লৈমা কৈরন্ধ হাঙবীবু নীঙশিঙলক্লম্মী। মহাক্না মখোয়গী মতেং লৌগে খন্দুনা থীহুদনা পাউ থাখিরম্মী। মহাক্কী পাউসি ফংবগা মৈতৈ নিংথৌ নাউথিংখোংনা লাম্মীগা লোইননা মহাক্কী মনাক্তা থুংলরম্মী। মখোয় অমুক পহুবা তৌদনা খুমন লৈপাক্তা লান্দারক্লম্মী। শেনবা মিমাবদা নত্তনা মহাক্কী মচা অনিসু কোয়তান তান্নদুনা হাৎখিরম্মী অদুবু মচা নুপা অতোনবা অদুদি মরীং ওনখিরম্মী। অসুম্না য়োঙ্গথোংঙাইনা মহাক্কী মাঙলুরবা নিংথৌ ফম্বাল অমুক হন্না ফংখি।

মৈদিংঙু অয়াঙবগী মতমদসু খুমন লৈপাক্না মৈতৈনো মোইচা-চীঙ (মোইজীঙ) দা শা তানবগী শা অমগী মতাঙদা খৎনবদগী হাৎন-শুনবা থোকখিরম্মী [চৈথা:কুম:, ২০০৫, ৭] হায়রিবা মৈদিংঙুসিগী স্নাহাক্তক (খৃঃ ৮২১-৯১০) সিদা খুমন লৈপাক্কী নিংথৌ খুবমদা ৱারৈ চেন্নদুনা খুমন নিংথৌ মচাশিং— খল্লাং অতোনবনা চীঙদাইদা চেনখিদুনা খায়িং কাংলুপত্তা তীনখি অমসুং অদোন য়াইথিংবনা মৈতৈ লৈপাক্তা চেনখিদুনা খুমন লৈপাক মতম খর নিংথৌ পান্দনা লৈরম্মী। মতম খর লৈরগা খুমনগী অঙম-অথৌশিংনা মৈতৈ নিংথৌ অয়াঙবদা হায়রবদগী মৈতৈ নিংথৌ অদোন য়াইখিংববু অমুক হন্না মরৈপাক্তা হনহনখিদুনা খুমন ওইনা পানহনখি। হায়রিবা লমদাংশিংসিদগী খুমন লৈপাকসি মনীঙ-মখা তম্বা, মশা মথন্তনা ৱায়েন থৌদাজবা লৈপাক ওইজরবসু মৈতৈ লৈপাক্কী লৈঙাক্লোনগী পরীংদা খজীক খজীক্তা ওইনা অসুম অসুম নকশিল্লক্লম্মী।

মৈদিংঙু অতোম য়োঙ্গৈরেম্বা (খৃঃ ১১৫০-৬৩) না নিংথৌ ওইরিঙৈদা মনাউনুপা হেমতৌ লোইয়ম্বনা খুমন লৈপাক্তা শাইদাংদুনা লৈরম্লগা মৈতে অঙম-অথৌশিংগা লৌতুনদুনা মৈদিংঙু অতোম য়োঙ্গৈরেম্ববু কংলৈ ফম্বান্দগী চিংথরম্মী। মদুনা মৈদিংঙুসিসু খুমন লৈপাক্তা চঙদুনা শাইদাংখি। অতোম য়োঙ্গৈরেম্বা লৈবনচিংবা মরম খরদগী খুমনগা মৈতে অমুক য়েংথীনরক্কুনা মৈদিংঙু হেমতৌ লোইয়ুম্বা নৎত্রগা ঈৰান থাব (খৃঃ ১১৬৩-৯৫) গী মতমসিদসু খুমনশিংনা লান্দারকপদগী লান থেংনখি। মসিদসু খুমনশিং ফিভম থোইনা ফখিরমদে। মতুং তারকপদা মৈতে লৈপাক্তা মৈদিংঙু থৱাম্থাবনা নিংথৌ ওইখি। মহাক্কী লৈঙাকলোনগী মরীসি মথক্তা কয়ারক ইখ্রে। মৈদিংঙু চীঙথাং লাম্থাবা (খৃঃ ১২৩১-৪২) অমসুং মৈদিংঙু পুরাম্থাবা (খৃঃ ১২৪৭-৬৩) গী মতমদসু খুমন-মৈতে লান থেংনখি [মথক্কীসিদা, ১৩]। অদুগা মৈদিংঙু খুমোম্বগী সনা হাক্তক্কী মরীসিসু মথক্তা থমজখ্রে। হায়রিবা মতমসিগী মতুংদদি খুমন পুন্সিবা খুরেনচনবা লাইগী খুয়া তানখ্রে।

খুমন নিংথৌ পুন্সিবা খুরেনচনবগী হাক্তক্তা খুমন লৈপাক্লা নংখিবা অৱা-অনা অমসুং শানগী লান্দা-লানকনগী ফিভমশিং অদুনা খুমন লৈপাক্কী ফিভম য়াম্না শাথীনা শোকচিনহল্লম্মী। মসিনা মরম ওইদুনা খুমন পুন্সিবা অসিগী মতুংদা পাল্লকপা অহুমশুবা নিংথৌ অদোন লময়ায় কাইখীনবগী হাক্তক্তদি খুমন লৈপাকসি পানবদা ৱানা থোক্লম্মী। মখোয় মশেনসি অমনা হায়বা অমনা তাদবা অমসুং অমগা অমগা য়েংথীনবা, উশীৎনদবা অমসুং লৌ য়েংনদুনা লৈনবনা লৈপাকসিদা নিংথৌ লৈবগী কান্নবা লৈরক্তবগুম তৌরম্মী। মরম অসিনা খুমন নিংথৌ লময়ায় কাইখীনবনা ফেনতা লৈকোয়বুংগী কোনুং থাদোক্কুনা লমলেন ৱাবকাই/ৱাবগাই লমদমদা কোনুং হোংদুনা পানখিরম্মী। অদুবু খুমন মচা কনানসু করিগীদমক্তা কোনুং হোংলিবনো হায়বদুগী মরম খঙবীদে অমসুং থিবীদে। মখোয় মশেন হান্নগী হান্নগীদু ওইনা মুক্লদুনা অদুম লৈরম্মী। মরম অসিনা খুমন নিংথৌ অদোন কাইখীনবনা মহাক্কী ঈমুং-মনুং, লোইনবা মরুপ-মপাং অমসুং মরী-মতাশিং পুম্নমক্কা লোইননা মৈতে নিংথৌগী লৈঙাক মখাদা লৈরুনবা মৈতে কোনুংদা লাকখিরম্মী। অদুগা খুমন লৈপাক্কী

লৈঙাক-লৈকন, ৱায়েন-থৌদা, লৈশেম-খুনশেন্নচিংবা পুন্নমক্কী থৌদাং, থৌদা, থৌগায়নচিংবা পুন্নমক মৈদিংঙু কোংয়াম্ব (খৃঃ ১৩২৪-৩৫) গী মফমদা শীন্নদুনা খুমন লৈপাক, মৈতৈ লৈপাক্তা তীনশিনখি। হায়রিবসিগী ঈ-পাউদিঃ-

...অতোন লময়াঈ কাইখীনপা মহাকথক্তা... অৱাং পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ, লাইরেন মৈতিংঙু কোঙয়ামপা তুপী সনা মহাকথক্তা খুনকারকএ [ব:ক:শ: ১৯৯৮, ১৩৩-৩৬] অসিনি। অসুম্না খুমন লৈপাক মৈত্রবাক্তা ১৪শুবা খৃষ্ট কুমশীঙ চাগী অনিশুবা মশুঙদা তীনশিনখি।

(৬) মোইরাং য়েক্কী নিংথৌ পানবা লৈপাক

কেগে, ঙাংঙোই অমসুং মোইরাং হায়রগা মৈত্রবাক মণিপুরগী খা-নোংচুপ থংবা মায়কৈদা মণিপুর তম্পাক্কী লমদম ঙমখৈদা লৈরিবা থাংজীঙ চীঙজাও অমসুং মসিগী অকোয়বগী লমদমশিং, মণিপুর ইতিহাস হৌদ্রিঙৈগী মতমদগী মনীঙ-মখা তম্বা, মশা মতোমতা লৈঙাক-ৱায়েন থৌদাজবা অমসুং মনীঙ-তম্বা নিংথৌনা হাইনা-হুম্না পানবা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা লৈরম্বগী খুদম চাংদম থেংনৈ। অদুগা মণিপুর ইতিহাসকী মতমদা লৈপাকসিদা লৈরম্বা মীওইশিংবু "মোইরাং" হায়না খঙনরকপা মী কাংলুপ-ফুরুপ/য়েক্কী মিং অসিদগী হেন্দুনা মসিগী শল্লাইশিংগী মিংগী মিংথোনশিং— ঈৱাং (ঈশিংনা ৱাংবা), লোক্তাক পাৎকী খোংবান্দা পানবা মী/শল্লাই; "কৌবা"(কৌব্রুদা লৈবা) কৌব্রু চীঙজাওনা কোনবা লমজাওগী মনুংদা পানবা মী/শল্লাই, ঙাংঙোই, অসিনচিংবসু থেংনজে। কেগে মোইরাং লৈপাকসি কেগে পোকপা সোরারেন, মোইরাং পোকপা কশারেন, চীঙঙু থাংজীঙ লাইয়িংথৌ মহাক্লা পাল্লম্বদগী মহাক্কী মমিংসি লৌদুনা মিংথোনবা থাংজীঙ চীঙজাওগী চীঙদোন্দগী কুমথরক্তুনা মালেম তম্পাক ওইবা লমদমশিংদা চীঙঙু মহাক্লা কুমথরক্লিঙৈগী মমাঙদগী লৈরম্লবা নমু মীকোক থোংবা লুচিংবশিং খরগা লোইননা অনৌবা অপুনবা মোইরাং লৈপাক অমা অমুক লীংখৎলকখিরম্মী।

মোইরাংগী লোক্তাক খোংবান্দা লীংখৎখ্রিবা মনীঙ-মখা তম্বা লৈপাক অসি চীঙঙু থাংজীঙ লাইয়িংথৌনা লৈঙাক্তুনা পাল্লিঙৈদা মৈতে নিংথৌজা য়েক্কী লৈপাক-মচা লীংখৎলুরগা খাবা-ঙানবগী লাল্লোইনবা লুপ্না লান হৌরকপদা মায়থীরদুনা লাঞ্জেল্লকপা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা (খৃঃ ৩৩/৩৪-১৫৪) না পুরিক্লাই চীঙঙু থাংজীঙগী মফমদা লানগী লাচ্ছুপফম ওইনা শাইদাংনবা মোইরাং লৈপাক্তা লাকখিরম্মী। চীঙঙু থাংজীঙনা মহাকপু মোইরাংগী লোইরেন সনাপুঙ, থম্পাল নোংশারৌদা লৈহন্দুনা চঙজফম পীরগা মোইরাংদা লৈঙাক্লোনগী তেংবাং লৌননবা নীরবা মীশক অমা ওইনা ঙাক-শেন্দুনা থন্বীখিরম্মী। মৈদিংঙু নোংদা লাইরেনসিনা লোইরেন সনাপুঙসিদা লৈনা-লৈনা মোইরাং লাইয়িংথৌ থাংজীঙসিনা পীবা চীঙঙু মহাক্কী মচা-মনাই মোইরাংচাওবা মেল্লেবা, শৌবোন-শানৌঙম্ব (চোংথাম শাগৈগী পুকোক্লি) গা লোইননা খাবা-ঙানবশিংনা পালহৌরবা লৈপাক্তু হন্দোক্লবা লান্দা-লাম্থেংননবা লাম্মী শেমগৎলম্মী। হায়রিবা পাখংবসিনা লোইরেন সনাপুঙদা লৈরিঙৈগী মতমসিদা মহাক্কী নুপী হৈরোংলেন-লোংজুম্বচনু লাইস্নাদি মহাক্না লাঞ্জেল্লকপদা লোইনরক্তবা মরম্না মহাক্তি শেল্লোই-লংমাইচীঙদা থোইনু অহোঙবী কৌনা চীঙঙু খাকপা নিংথৌ সোরারেন, অঙৌবা পুরৈরোম্বগী লমখৈ মনুংদা চঙফম লৌদুনা লৈরম্মী [খু:য়:স:, ১৯৬৭, ৩৫]। মতম অসিদা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেনসিনা য়ুনম কৌবী নুপী অমা পান্নদুনা মুংয়াং য়াওবা অমসুং তাংগ্রু লুময়িবা কৌবা মচানুপা অনি পোকখিরম্মী (খা:য়ুম্বী:,খ:)। মোইরাং চাওবা মেল্লেবনা খোম্বা লাম্মীনা মপুঙ ফারক্লবা অমসুং থাপতোক্লরুরবা অঙোম পুরৈরোম্ববু মহাক্কী নুপী লাইস্নানা তাইশিন্নদুনা মোইরাংদা মহাকপু লৌবা লাক্লিবা মতমদুদা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা পুরৈরোম্বা অমসুং মোইরাং চাওবা মেল্লেবগা শামী-লাম্মী ময়ামগা লোইনদুনা মোইরাংদগী লোক্তাকপাৎ হি তোংদুনা লাল্লক্লগা শামুরৌ মনাক্তা থুংলরম্মী। অদুগা শামুরৌদগী কংলৈপুঙগী লমদমদা হাইগল্লক্তুনা খাবা, ঙানবনচিংবগী কোনুংদুদা লান্দারক্লম্মী। লান অদুদা মোইরাং চাওবা মেল্লেবগী হূ তৈবা তেঞ্জেনা লানহৌবা খাবা-ঙানবনচিংবগী লুচিংবা লাঞ্জিংলেন খাবা নোংজেংবা, মচানুপা শঙ্গাই তেলহৈবা অমসুং নোংজেংবগী মচানুপী কাঙ্গম ঈচুপ্পীবু কাপখায়দুনা হাৎলবদা খাবা-ঙানবগী লাম্মীশিং পুম্নমক্তু

মায়কৈ মরিমক্তা কায়দুনা চেন্নখিরম্মী। অসুম্না মোইরাং লৈপাক্কী মতেংনা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা মহাক্কী লৈপাক কংলৈপুঙ অমুক হন্দোকখিরম্মী।

মোইরাংগী পুরিল্লাই চীঙঙু থাংজীঙ কোইরেল্লাই অমসুং মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা অনিসিগী মতুংদা লৈপাক অনিসিগী মরীসিদা চহী ১৪০০ রোমদি শাথেং-লান্থেংনবগী শাথোক-লান্থোক্কী ওইবা ইতিহাসনা মরু ওইবা ৱারী-পরীং ওইনা চৎলি। মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবা (খৃঃ ৫৬৮-৬৫৮) গী মতমদা মচা ঈরৈন্মা তন্ফা ৱাংঙমলোন নাউরেমতোনবু মোইরাং পুরিল্লাই লাইফাচেংদা থাজদুনা চারৌ-মৌরৌনবগী খুন্নাইলোনগী মরীনা লৈঙাক্লোনগী লীপুন শেম্বা হৌদোকখিরম্মী। মোইরাংনিংথৌ সনা রাখুৱাগী মতমদা খুয়োল ৱাপেংবগী মতমদা মৈদিংঙুচা নাউথিংখোং/খুঞ্জাওবনা খুমন নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবগা লাক্কুনা য়াওরম্লগা ঈৱাংলোন মোইরাম্বা চনু নামুন চাওবীবু লুহোংদুনা লৌরগা মরী-মতা ওইবগী মরীদু চেৎশিনহনখি। অদুবু মোইরাংশিংনা মৈদিংঙু খোঙতেকচা (খৃঃ ৭৬৩-৭৩) গী সনা হাক্তক্তা মোইরাং অথৌবা লাল্লোইলেন ৬৩ (হুন্ফু হুমদোই) না লুচিংদুনা লান্দারকপসিনা শা-লানগী ৱাথোক-লান্থোক্কী পোমিৎ কাঙবা হৌরকখিরম্মী। লান অসিদা মোইরাংশিং মায়থীখিরম্মী [চৈ:কুম:, ২০০৫, ৭]।

মোইরাং অমসুং মৈতৈ/নিংথৌজাগী লৈপাক অনিসি মরক্তা লুৱাং নৎত্রগা/অমসুং খুমন লৈপাক্লা খন্দুনা/থক্তুনা লৈখিবনা মৈদিংঙু, খোঙতেকচাগী মতুংদা চহী ২২০ লোমদি শাথেং-লান্থেংনদনা লৈরকখিরম্মী। অদুবু মৈতৈ নিংথৌজাশিংনা লুৱাংগী লৈপাক চুপশিনখ্রবা অমদি খুমন-মোইরাং পুন্দুনা ফান্তেক লৈপাক-মচা থুগায়খ্রবা মতুংদা মৈতৈ লৈপাক্তা মৈদিংঙু কাইনৌ ঈরেংব (খৃঃ ৯৮৪-১০৭৪) না পানবা মতমদা মৈতৈ নিংথৌজাগী লান্মীশিংনা খুমনগী লম ফাওদুনা লাক্লগা মোইরাংশিংগী মথক্তা লান্দারক্লম্মী। মতমসিদা মোইরাং নিংথৌ ঈথাইকাইরেম্বনা পাল্লম্মী অমসুং মোইরাংগা মৈতৈগা ঈথাইদা লান থেংনখিরম্মী, মদুদা মৈতৈনা লানঙমদুনা লানফা ১০ (তরা) খন্বা শেন্দাং, খন্বা লারাক অথৌবনচিংবা ফারকখি [মথক্কীসিদা, ৮]।

মোইরাং নিংথৌ অতোল্লক্কী লোইচাঙম্বা (শোঙলেন লাম্বাব) গী মতমদা খুমন লৈপাক্তা নোংয়াঙ্গ খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা খুরেন চনবনা পাল্লিঙৈগী মতমদা কবোশিংনা লান্দারক্লম্মী। খুমনশিংনা মৈতৈ নিংথৌ খুমোম্বা (খৃঃ ১২৬৩-৭৮) অমসুং মোইরাং নিংথৌ অতোল্লক্কী লোইচাঙম্বদা লান পাংবীয়ু হায়জরক্তুনা মৈতৈসু লান পাংখিরম্মী, অদুগা মোইরাংশিংসু মোইরাং নিংথৌসিগী মমাঙদা পাল্লম্বা পুরীক্লাই শাংতোন লাইনাউতাববু খুমনশিংনা হাৎখিবা [ও:ভ:স:, ১৯৮২, ১৬৮-৭০] গী মলোম পুম্নমক কাউথোক্তুনা লান পাংলগা মতমদুগী মৈত্রবাক মণিপুর অপুনবগী য়েক্লবা কবোশিংবু তাম্থোকপদা শরুক য়াখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১৯৭-২০৯]। মৈদিংঙু মোইরাম্বা (খৃঃ ১২৮৭-১৩০২)না মোইরাং লৈপাক্তা লানশীঙনরকপদগী মোইরাং নিংথৌ লাইজিংখু চীঙখু তেলহৈবনা মোইরাং লাম্মী পুদুনা নিংথৌখোংদা লান থেংনখিরম্মী। লান্দুনা মৈতৈনা লাকচদুনা মোইরাংগী মীশিং মশীঙ য়াম্না লানফা ওইনা ফাদুনা পুখিরম্মী [চৈথা:কুম:, ২০০৪, ১৫]। অদুগা মৈদিংঙু মোইরাম্বগী মতুংদা পাল্লকপা মৈদিংঙু থংবীলাম্বাব (খৃঃ ১৩০২-২৪) না মোইরাং নি :থৌ চীঙখু তেলহৈবগী মচানুপী লৈমা য়োঙ্গরেন তোমপোকপীবু মহাক্কী লৈমা/রানী ওইনবা পীয়ু হায়না হায়হল্লকখিরম্মী। মপা হাক্তক্তা লান তৌনখিবদুনা মরম ওইদুনা পুরীক্লাই চীঙখু তেলহৈবনা মচানুপী লৈতে হায়দুনা য়াদ্রগা মচানুপী লৈম য়োঙ্গরেন তোমপোকপীসিবু মোইরাংগী লোক্তাক খোংবানগী লোক্তাক ৰাংব্রেন কৌবা মফমদা লোৎহন্দুনা থমখিরম্মী। মৈতৈ নিংথৌনা মনাই থাদুনা লৈমসিগী লৈফম থিহল্লখি। অদুগা লৈমসিগা পাউ ফাওনরগা মোইরাংদা মৈতৈ নিংথৌনা লাম্মী পুদুনা লাক্লগা হি তোংদুনা মোইরাংশিংগা লান শোক্লখি [মথক্কীসিদা, ১৬]। মোইরাং লোক্তাক ৰাংব্রেনগী লানসিদা মৈতৈ মোইরাংশিংবু মায়থীবা পীরম্লগা লৈমা য়োঙ্গরেন তোমপোকপীবু মৈতৈ লৈপাক্তা পুদুনা চৎপ্রগা মৈতৈ-লৈমা হাপখিরম্মী।

মৈদিংঙু পুন্সিব (খৃঃ ১৪০৪-৩২) না নিংথৌ ওইনা পাল্লকপদা খৃঃ ১৪৩২ সিদা মোইরাং শোয়বুঙ কৌবা মফমদা হরাউ-তয়াম্না লম্বানচাক চানবা (Picnic) লাক্লম্মী।ময়াম্না শানৈ-য়ুনৈদুনা লাংবদা মোইরাংগী মীওইশিংবু

করেম-কথাইসৈ হায়দুনা মোইরাং মচাশিংগা-নীওঙাই-শঙদানরকপদগী মৈদিংঙু লাম্মীনা মোইরাং-মচাশিং খর হাত্তোকখিরম্মী। অদুবু মশীঙ য়ামদবা মৈতৈ লাম্মীশিংদুদি মোইরাং শোয়বুঙদু থাদোক্তনা অদুম লৈরম্মী। অদুগা চৈ চারবা মোইরাংগী মীওইশিংদুনা মোইরাং নিংথৌ পুরীক্লাই পুন্সিবদা তাক্লুবদগী মোইরাং লাম্মী ময়াম হৌদুনা লাক্লগা মোইরাং-শোয়বুঙদুদা লান্দারক্লম্মী অমসুং মফমদুদা মখোয়না মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু পুন্সিববু হাৎখিরম্মী [মীয়াৎ, খ:]। মৈদিংঙুসিগী মচাঙ্গবুংঙো নিংথৌখোম্ব (খৃঃ ১৮৩২-৬৭) না নিংথৌ হেক ওইবগা মপাঙ্গবুংঙোগী মংশৎ তান্ননবা য়াম্লা হৈ-শিঙনা থৌশীন থৌরাং তৌদুনা হৌজিক্কী ককচীঙগী মনাক অদুৱাইদা লৈরম্বা কবোগী লাম্মীশিংবু মতেং পাংহল্লগা [ও:ভ:স-২:, ১৯৬৭, ২১৯-২১] মোইরাং লৈপাক্তা খৃঃ ১৪৩২ মকসিদা লান্দাখিরম্মী। লানদুদা মোইরাং লৈপাক থুগায়দুনা মখোয়গী নিংথৌ সনা হোঙবনা মোইরাং খুল্লেপ্পা ঙমদদুনা হাওখা মেনখোনদা লোৎখিরম্মী। লান্দুদা মোইরাংগী মরুওইবা মী কয়া লানফা ওইনা ফারম্মী [চৈথা:, ২০০৫, ১৯]।

মোইরাংশিংগী নিংথৌ সনা হোঙবগী মচানুপা খেনচঙচায়বনা অমসুং মনাউ অনি কশুঙঙম্বা অমসুং লীক্লাই খ্বা (তাংবন-তোরা) না মশা লোৎনা-লোৎনা মখোয়গী মাঙখ্রবা মরৈপাক হঞ্জিন্নবা লাম্মী খোমগৎলম্মী। মখোয়গী মপাঙ্গবুংঙোনা খৃঃ ১৪৫০ গী অদুৱাইদা লৈখিদ্রবা মচানুপা অহন খেনচঙচায়ব (খৃঃ ১৪৫৬-৭৫) না নিংথৌ ওইরম্মী। মহাক্কী লাম্মী শেমগৎপগী পাউ অসি মৈতৈ নিংথৌ নিংথৌখোম্বনা খৃঃ ১৪৬৬ তা পাউ ফংখিরম্মী অমসুং মৈদিংঙুসিনা মজাঙ্গবুংঙো ক্যাম্বদা য়াথং পীদুনা মজাঙ্গবুংঙোসিনা মৈতৈগী অঙম্বা তরুক্কা লোইননা মৈতৈ লাম্মী ৩০০ (চহুম) পুদুনা মোইরাং মথক্তা লান তারক্লম্মী [ক:য়:স:, ১৯৭৪, ৭৯]। মৈতৈনা লান্দারকপগী পাউসি মোইরাং নিংথৌ খেনচঙ চায়বসু ফংলম্মী অমসুং মহাক্কী মনাউ অনি অমসুং অতৈ লাল্লোই-লাঞ্জিংলেনশিং পুন্নমক চুঙশিন্দুনা মৈতৈবু মায়থীবা পীরগা মৈতৈ লৈপাক লৌশীন্ননবগী লাছোঙ শীল্লম্মী। হায়রিবা মৈতৈ-মোইরাংগী লানসিগী মরমদা পীরল্লিবদিঃ-

...মোইরাংনা লাম্মী, তেঙ্গোল অনি থোক্লা খায়দুনা কংফান্দা অমা ঈশিংদা তেঙ্গোল অমা অসুম্না মৈতৈদা লান তারকখি। মৈতৈ লাম্মীশিংনা কংফান্দা লান শোক্লরিঙৈদা ঈশিং লাম্মীনা তুরেন্দা কারক্লুনা লিল্লোংদা ঈশিং থিংগৎলগা কংলা তম্না কারক্লমই। লাম্মী খরনা হিয়াঙথাংদা ঈশিং থিঙ্গৎলগা কোনুং তম্লকই। তুরেন অনিগী ঈশিং চাউরক্লুনা লৈবাক মীয়াম অৱাবা তারমই। খুদোংচাদবা তানফম অসিদা নুপী অঙাং অশোন অনা, ষণ-ইরোইনচিংবা মশীং নাইদনা শিখিরমই অমসুং হাৎখিরমই।

মতৌ অসুম্না অরোনবা লান চঙলকপনা কংলা কোনুং য়ৌশিল্লক্লবদা মৈতৈ লান্দা থৌরবা "চাইবা লাইতোঞ্জাম্বা" কৌবা নুপা অমনা লম অহুমলোম শাংবা ৱাকোক অচৌবা, মচীন তুম্লবা উয়ুং অমা পায়রগা অহিং অথেঙবা মীচীক মীরাওখোল তাদ্রবা মতমদা মশা অদু য়েম্পাক্লা খুমজিল্লগা মথক্তা কঙ, কৌশিংনা কুপশিন্দুনা তুরেন মরীন ইন্না তাউথরমই। অদুগা মোইরাংনা থিংলিবা পল অদু থিনগায়রম্মী। মশানা কংফান্দা কারক্লুনা খৌশা-খৌশাদুনা মৈতৈনা লান ঙম্লে, মোইরাং মচা মায়থীরে হায়না লাউর-লাউরদুনা চেনখৎলক্লমই।

থিংলিবা পল অদু খঙহৌদনা কায়থ্রবদা ঈশিং কংথখিদুনা মোইরাং লাম্মী অপুম্বা মখুৎ হামফম ফাওবা লৈখিদে [মথক্কীসিদা, ৭৯-৮০]।

অসিনি। হায়রিবা লান অসিদা মোইরাংশিংনা তকশিল্লকখিবসি হৌজিক্কী চীঙঙা চীঙদুম লৈরিবা মফম অসি ফাওবনি অমসুং মফম অসি য়ৌরবদা নুমিৎ তাখিদুনা অহিং লেন্নবা শেম-শাখিরম্মী [মো:নি:ল:, খ:]। অহিংদা চাইবা লাইতোঞ্জাম্বনা মোইরাংনা ঈশিং থিংগৎলিবসি থুগায়খিদুনা ঈশিং চিথখিবদগী নোংঙাল্লবদা কংফানগী লান শোক্লরকপদদি মোইরাং লাম্মীশিং মায়থীবা ফংখিরম্মী। লান্দুনা মোইরাংশিংগী মকোক ককখিবা ময়ামদু খোমজিন্দুনা ফুম্লগা মথক্তা লৈপুঙ থোঞ্জন্দুনা শেম-শারগা লৈপুঙদুবু মোইরাংখোম লৈপুঙ (মোইরাংখোমপুঙ) হায়না খঙনখি [চৈথা:কুম:, ২০০৫, ১৯ অমসুং ক:য়:স:, ১৯৭৪, ৮০]। হায়রিবা লান অসিগী মতুংদদি মোইরাংশিং অমুক হন্না হৌগৎপা ঙমখিদ্রে। মখোয়গী মরৈপাক অমসুং মজাতিগী

মনীঙ মখা তন্না পুম্নমক মতমচুপ্পগী ওইনা মাঙখ্রে। খৃঃ ১৪৬৬ কী লানসিদা মায়থীদুনা ময়াং লৈপাক নৎত্রগা থোংনাং তখেলগী লমদা চেন্দুনা লোৎলুবা পুরীল্লাই ৫ খনচঙচায়বসি মৈদিংঙু ক্যাম্ব (খৃঃ ১৪৬৭-১৫০৮) না মোইরাং নিংথৌ ওইহন্দুনা মহাক্কী মখা থাবা নিংথৌ ওইনা থমখিরম্মী। মসিদগী মোইরাং লৈপাকসি লৈঙাক্লোনগী ওইনা মৈতৈ নিংথৌজা য়েক্কী লৈঙাক মখাদা লাকখিরম্মী।

লৈঙাক্লোনগী ফিরান অমতগী মখাদা

মণিপুর তম্পাক্তা ইতিহাসকী মতম হৌরক্লিঙৈগী মমাঙদগী লৈরক্লবা লৈপাকসিগী মীওই কাংলুপ ফুরুপ পুম্নমকপু লৈঙাক্লোনগী ফিরান অমতগী মখাদা পুরক্লবা হোৎনখিবসি অরায়বা থবক নৎখিদে। মথক্তা মণিপুর তম্পাক্কী ইতিহাস হৌরকপা মতমদগী হৌনা য়েক-শল্লাইশিংনা মাগী মাগী লৈপাক-মচা-মচাশিং লীংখৎনরকপা অমসুং মাগী মাগী মতম লোয়নরক্তুনা মতমগী ঈপাক্তা লুপথরক্তুনা নিংথৌজা য়েক্কী লৈপাক্তা চুপশিনখিবগী ৱারম খর উৎচখ্রে। অদুগা মখোয় পুম্নমকপু নৎত্রগা খুদিংমক খুন্নাইলোনগী মমিং ‘‘মৈতৈ’’ হায়বসিগী ফিরান মখাদা পুরক্লবা অমসুং পুনশিল্লক্লবা মৈতৈ নিংথৌজা য়েক্কী শাগৈ-শল্লাইশিংনা কন্না হোৎনখিরম্মী। অদুবু ‘‘মৈতৈ’’ হায়বা মমিংসিনা লৈপাকসিদা লৈরিবা নিংথৌজাগী য়েক্কী মীওইশিং নৎত্রগা লৈপাকপু মণিপুর ইতিহাসকী ঙল্লিঙৈ, খৃঃ ১৭০০ কী মমাঙগী মতমশিংদা ওইরম্বনা নৎত্রগা নিংথৌজাগী অমসুং/নৎত্রগা মখোয়গী লৈপাক্কী ওইবা অতোপ্পা মমিং অমা ওইরম্বনা মণিপুর তম্পাক্তা লৈরিবা য়েকলুপ, শল্লাইলুপ পুম্নমকপু ‘‘মৈতৈ’’ হায়না খঙনদুনা/ কৌদুনা অপুনবা মৈতৈ জাতি নৎত্রগা লৈপাক শেম্নগৎলকপদুদা নৎত্রগা শেম্নবা হোৎনরকপদুদা মশানা য়ানীঙদবা ফুরুপ কাংলুপশিং নৎত্রগা য়েক-শল্লাইশিং য়াওদবা নৎলমদে। মখোয়দু মরুওইনা চকপা কাংলুপ-ফুরুপশিং অমসুং মোইরাং ঈৱাংগী য়েকলুপ শল্লাইনি। চকপশিংসিদি নোংদা লাইরেন পাখংবগী মমাঙ অমসুং মতুংগী মতমদগীনা মণিপুর ইতিহাসকী শাংলবা মতমসি ফাওবগী মনুংদা মখোয় মখোয়গী মখুন-খুঙ্গং অদুগী খুন্দা-লৈতাফম ময়ুম-ঈংখোলগী লম, লৌউ-শীঙউফম লৌবুক, উয়োক-উকনফম, উমং-ৱামং

মচাশিং অমসিদগী হেন্না চাওবা লৈপাক মচাগী থাক্তা লৈবা লমকন অমত্তা উবা ফংদে। মোইরাং ঈৰাংশিংসিগীদি মনীঙ মখা তম্বা লৈপাক-মচা অমা য়ামদ্রবা চহী ১৪৫০ দগী তাদনা লৈরম্বনা মমাঙঙৈগী মতমদুদা ''মৈতৈ'' হায়বা জাতিগী মিং অমসুং ফিরানসিগী লমদাংদা য়াশিন-তোশিন্নবসি পুরকপা ঙমদবসিনা অপুনবগী মিং অমসুং ময়াম পুম্নমক্কী ওইবা অপুনবা লৈপাক অমা শেম্লকপগী থৌরাংসিদা মতম থীহ্নবগী মরম ওইরম্মী।

মতমগী খোঙচত্তি খঙনা-উনা অদুমক চৎখিবনা মতম ফনা কুইনা মোইরাংগী মনীঙ তম্বা লৈপাকসি মৈতৈ লৈপাক্তা লৌশিনখ্রবা অমদি মণিপুর তম্পাক্তা নিংথৌজা য়েক্কী নত্তনা অতৈ য়েক্কী মনীঙ-মখা তম্বা, নিংথৌ পানবা লৈপাক অমত্তা লৈতবা হৌবগী মতমদগী চহি ১৩৫ (চামা-কুম্থ্রামঙা) রোম হৌখ্রবা মতুংদা মৈতৈ লৈপাকসিদা মৈতৈগী লৈঙাক্লোনগী, খুন্নাইলোনগী, শেন্দান-শেনচৎলোনগীনচিংবগী মচৎ-মনাৎ (সংস্কৃতি/কলচর) লৈরিবা অয়াম্বগী হৌরকফম মরূশিংবু হৌদোকপীরম্বা অথোইবা নিংথৌ অমা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাকসিদা খোঙদারকখিরম্মী। মহাক লৈঙাক্লোনগী চুপলী পায়বদা হৈ-শিঙবমুক খুন্নাইলোনগী অমসুং শেনবা-থুম্বারোনগী শনপোৎ খোইবদসু হৈ-শিঙবা অমদি মিৎয়েং শাননা উবা ঙম্বা নিংথৌরেন্নি। মহাক্না মীওইবগী থম্মোই অমসুং পুক্নীঙ ৱাখলবু লৈঙাক্লোনগী লীপুন্না পুনবদগীদি লাইনীঙলোনগী অমদি লাইনীঙগী শাংলবা থৌরী লীশাংনা পুনবনা হেন্না চেৎলি, নাম্বোক্তে অমসুং পুক্নীঙ হকচাং পীথোকই, হায়বসি খঙলম্মী। হীরম অসোমদা মিৎয়েং থম্লুরবদি মহাকসি আর্য্যবর্ত্তগী মৌর্য্য নিংথৌ আশোক (273-236 B.C.) ডি গ্রেটকা খুদম চাংদম্নবা য়াই। মহাক্না মৈতৈ নিংথৌদা লাইগী মতীক ময়াইগী শরুক খর চেল্লি অমসুং লাইয়িংথৌগী মহী ময়াইশিং করি করিগুম্বা মশা খঙনা নৎত্রগা খঙদনা ফোংদোক্লকই/শাফোংলকই হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা ''লাইয়িংথৌ '' হায়বা মিংথোনসি খৃঃ ১৬০৮ দা লৌরগা [মথক্কীসিদা, ৩৪] খৃঃ ১৬২২ দা খ্বাইগী অয়াবা ফংবা [মথক্কীসিদা, ২৭] সিদগী লাইনীঙলোন অমসুং লাইনীঙগী-লুৱাংজৈ/লৈঙাক-ৱায়েনজৈ পায়খত্তুনা জাতি, ফুরুপ-কাংলুপ, শক-চু, পুক্নীঙ ৱাখন্নচিংবদা খেন্ন-খেন্নরবা অমসুং তোংঙান-তোপ্পরবা মীওই

কয়াবু মৈতৈ জাতিগী অমসুং রাজনিতিগী ওইনা অপুনবা লীংজেন মান্নবগী লীপুন্না পুন্ননবা কৈশুম-থৌরী ওইকখি। মহাকসিবু মণিপুর ইতিহাসকী তাংকক অমদা ‘‘পোইরৈ নিংথৌহনবা, সনা হিহোনহন’’ হায়না খঙনৈ অমসুং ময়ুম খাগীবু ঙম্নগী শেনবী খাগেম্বা (খৃঃ ১৫৯৭-১৬৫২) হায়না ইতিহাসকী অঙানবা মতম তাংককশিংদা খঙনৈ। লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা মৈতৈগী লীংজেন মান্ননবগী যুম্ফম শাগৎপদা শীজিন্নখিবা খুৎলাইদি— ‘‘লাইশিংগী থোঙজীন্দদি মীপুম খুদিংমকসি শাগে-শল্লাই নাইদে, জাৎ-কুচু খায়দে, নুপা নুপী নাইদে, পুন্নমক চপ মান্নে’’— হায়বা লাইনীঙ-পাউতাক অসিনা ওইখিবগুম তৌই, মরম অসিনা মহাক্না মোইরাংশিং থাংজীঙ কোয়রেল্লাই অমসুং লাইয়িংথৌ নোংশাববুসু লাৎখি; অঙোমশিংগী লাই— সোরারেল (লাই কশা), নোংপোক নিংথৌ অমসুং অপানবী (পান্থোইবী), পুথিবনচিংববুসু লাৎখি; মৈতৈশিংগী লাই ফাৎলৌখোম্বা (সনামহী), মারজিং, ৱাংবরেন্নচিংববুসু লাক্কুনা মায়কৈ ঙাকপা লাই মরি (কৌব্রু, মারজিং, ৱাংরেন অমসুং থাংজীঙ) অমদি উমংলাই মাপন (মুৱা নিংথৌ, লাইয়িংথৌ হনবা, নাউকন, মোংবহনবা, চাখাবা, কৌবরেন, খল্লাংবা, লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা অমসুং মারজিং) গী লাইনীঙ হৌদোক্কুনা লাৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৩৬, ৩৮, ৩৯, ৪১, ৩৮, ৩৬, ৩৬, ৩৮ অমসুং ৩৮ (মথংশীৎনা)]। অদুগা খাবা-ঙানবশিংগীসু নোংপোক-নিংথৌ অমসুং পান্থোইবীসি মখোয়গী লাইনি [ম:চ:স: ১৯৯৯,]। অদুগা চকপশিং অমসুং থাংয়িগীসু টীঙঙু নোংথৌ সোরারেনসি মখোয়গী লাইনি [চ:খুন:খুন:খ: অমসুং চেংলৈরোন, খ:]। অসুম্না লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা অতৈ য়েক-শল্লাইশিংগী লাইয়িংথৌ লাইরেম্মশিংবু নিংথৌজাগী লাইরৈবাক্কী পনগোয়নুংদা পুশিল্লক্কুনা মণিপুর তম্পাক্কী মী খুদিংমকপু অমত্তা ওইবগী ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোনসি হৌদোকখিরম্মী। লাইগী লাকথোঙ থোঙজীন্দা মান্নবা থাক্কী অমগা অমগা মান্নবগী মিৎয়েং মখাদা লেপমিন্নবা, মান্নবা হক কনমিন্নবা অমদি মান্ননা থবক শুমিন-নোমিন্নবগী ৱাখল অসিনা মীপুম খুদিংমক্তা লৈঙাকলোনগী মান্নবা অমত্তা ওইবগী লীচিং কল্লমদবা লীপুন অসিনা তম্পাক্তা লৈরিবা মীওই অমমমগী লৈঙাক্লোনগী ফংফম থোকপশিংদু চপ মান্ননা পীদুনা মশা-মশাগী নোমজমন-মহৈ চাজনবগী পোরম য়াৎলকখিরম্মী। মতমদুগী মণিপুরী খুন্নাইদুদা মী-মী

কাংলুপ-ফুরুপকী ওইনা থাক (Gradation) খায়দোকপগী লৈরোন/মীরোন (Stratification of social units) লৈজরবসু কাংলুপ ফুরুপ অয়াম্বদি মৈদিংঙু খাগেম্বনা শেমগৎ-শাগৎলক্লিবা লাইনীঙলোম্দা য়ুম্ফম ওইদুনা অপুনবা নিংথৌজাগী লৈঙাক্কী মৈতৈ খুন্নাই/সমাজ অমসুং মৈতৈ লৈপাক্কী শেমগৎলকপগী খোঙথাংশিংদুদা চঙশিন্নরকখি। য়াররোয়দবা মপা-মচা, মচীন-মনাউনচিংবা য়ানদবগী ৱাফমদি থম্মোইদা নৎত্রগা পুক্লীঙ ৱাখন্দা থম্লরগা লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা য়াৎলম্বা পোরম অসিনা অপুনবা মৈতৈগী য়েক ৭ (তরেৎ), শল্লাই ৯ (মাপন) পুনশিন্নরক্লবগী থোঙজাওদু হাঙদোক্লুনা লাওনা থম্লকখিরম্মী।

মৈদিংঙু পোইরৈ নিংথৌহনবা শেনবী খাগেম্বসিগী মতুং তারকপা মতমদা মহাক্কী লাংওন অহুম পোক্লগদবগী [ন:ম:, ১৯৯৮, ৩২] অহানবা লাংওন্নি হায়নরিবা মৈদিংঙু ময়াম্বা/গরিবনিৱাজ (খৃঃ ১৭০৯-৪৮) না লৈঙাক্লোনগী লীক্লমদা শা-লানগী, শাফম-লানফমগী অমসুং মতম অমত্তদা মায়কৈ অনি (নোংপোক, নোংচুপ) দগী জাতি অনি (ত্রিপুরী, ব্রাম্মা/বর্মীজ) না লান্দারকপা [খৃঃ ১৭২৪ গী অঙনবা মতমদা (চৈথা:কুম:, ২০০৫, ৮৪) দা থোকখি] গী লানগী মৈয়াং পাইরকপা মতমসিদা মৈতৈ খুন্নাইগী কাংলুপ-ফুরুপকী থাক খেন্নবগী মীরোনগী পরীং (System of Social Stratification) দুদা অহোংবা খরা থম্লকখিরম্মী। মৈদিংঙু শেনবী খাগেম্বনা মৈতৈ-খুন্নাইগী মীরোন্দা থাক হন্থনা লৈপাক্কী চহিগী ওইবা মশান্নগী অথোই-অহেন তান্নবদা য়াওহন্দা থম্লম্বা [চেখোঙ, কৈরোই, কৈকোয়; খ:, অমসুং T.C.H. 2003, 56] বামোন, নাই, লোই অমসুং কৈবু পানা থোকহন্দুনা (Scheduled class তগী General Class তা কাহনবা) খুন্নাই-মীরোনগী থাক চিংখৎপীখি। অদুগা বামোনশিংসিদি মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবা (খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯) না হিন্দু শাক্ত ধর্ম্ম লৌবা [চৈথা:কুম: ২০০৫, ৬৮ অমসুং সনা:লই:, খ] গী মতম খৃঃ ১৭০৪ দা অৱাংবা থাক্তা পুখৎখ্রবনি [মথক্কীসিদা] অমসুং মখোয়গী বামোন লোইশঙ লীংখত্তুনা বামোন হঞ্জবা অমসুং হিদংগী ফম হাপখ্রবনি [চৈথা:কুম:, ২০০৫, ৭৭]। অসুম্না মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ

মহারাজনা মীগা মীগা পোক্লক-শাৎলকপগী, খুনহোং-কৈহোং লাকপগীনচিংবা হিরমশিংদগী খেন্নবা থল্লম্বদু থৌনা-লীংজেন পানবগী ৱা, লৌশিঙ ফবগী, মী ওইনা নুপা থোকপগী অমসুং থবক ঙম্বগী য়ুমফমশিংসিদা মিৎয়েং থমদুনা লৌথোকখি অমদি তম্মী পুন্নমকপু থাক অমত্তদা থমদুনা [খুনুং শীঙখায়: খ:]; মীপুম খুদিংমক মহাক-মহাক্কী থবক্কী মহৈনা পাঞ্জনবগী মান্নবা হক পুন্নমক পীদুনা মথৌ, মঙম, মতীক, মথৌনা, মরৌশিঙনচিংবগী মতীক-মঙম য়েংদুনা চৎনহল্লম্মী। হায়রিবা চৎলম-লুপতীনগী ৱাখুনসিনা হান্ননা লোই ওইরম্বা মোইরাং [মশীন: লাই: খ: অমসুং খ: চ: স:, ১৯৭৪, ৮৩-৮৪] সু পানামচাগী থাক্তা কাদুনা মান্নবা থাক্কী থোং থাখি। কৈ, লোই অমসুং নাইশিংসু মী, মাগী মাগী মহুৎ অমমম পীরগা পানা মচাগী থাক্তা কাহনখিরম্মী [চৈখোঙ, কৈরোই, খ: অমসুং ম:স:ক:,' ১৯৯৪, ১৬৬]। হায়রিবা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মহারাজগী খুজীল অমসুং থৌশীল-থৌরাং (Conduct and policy-programme) অসিনা লৈঙাক্লোন্দা অপুনবা মৈতৈ খুন্নাই অমসুং লৈপাক অমা শেমগত্তুনা অৱা/ম্রান্মা লৈপাক্তা চহি থংন-থংননা, কুম কাংদনা খৃঃ ১৭৩৫, ১৭৩৬, ১৭৩৭,১৭৩৮, ১৭৩৯ অমসুং ১৭৪০ দা লান্দুনা অৱা লৈপাক চায়খায়বা, খ্বাইরাকপা ঈরেন (হৌজিক খা থংবা কছারদা লৈরিবা, তুরেন ময়ায়দা চীঙদুম লৈবা ঈরেননি) য়ৌদুনা রাম-লক্ষ্মন খুরুম্বা ঙমখ্রিবনি [তখেন ঙ:,খ: অমসুং চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৯৫]।

ৱাখোম-ৱারোয়

মথক্তা থমখ্রিবা অফংবা ৱাফম অমসুং ৱারোল খরদংদা য়ুম্ফম ওইরগা শাগত্তুনা থমজখ্রিবা ৱারম খরসিনা হৌজিক্কী ওইবা মিৎয়েংদা পুরক্লিবা অপুনবা মৈতৈগী লৈপাক-খুন্নাই অমা শেমগৎ-শাগৎলকপগী ৱাফমশিংদি মখাদা থমজরিবা খরসিনি।

(১) মৈত্রবাক মণিপুর পীক্লবসু পীক্লা মীশীঙ য়ামদ্রবসু য়ামদনা মণিপুর-তম্পাক অপুনবসিদগীহেন্দোক্তুনা তম্পাকসিগী অকোয়বদা লৈরিবা চীঙগী লমদম খরদা ফাওবা মণিপুর ইতিহাসকী মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মতুংদা অপুনবা লৈপাক শেমগৎলন্বা অমসুং অপুনবা মৈতৈ জাতি অমা শাগৎলকপগী লীচিংসিনা মহৈ ওইনা পুরক্তুনা লীংজেন মান্নবগী কাংখুন্দা চীঙ-তম নৎত্রগা চীঙমী-তম্মীশিং ফাওবা পুল্লন্মী হায়বসি লৈপাকসিগী ইতিহাসকী থেংথরক্লবা মতমগী খৃঃ ১৮৪৭ (তাং ২৬।১১।১৮৪৭ ইং) তা পাংথোকপা হৌরকখিবা চীঙমী-তম্মীগী অপুনবা হরাউ-কুম্মৈ "মেরা হাওচোংবা" হায়বা [মথক্কীসিদা,২৮৪] সিদগী খঙবা ঙমই।

(২) "অপুনবা মৈতৈ অমা" মণিপুরগী লৈঙাক্লোন অমসুং খুন্নাইলোন্দা নিংথৌজা য়েক্লা শেমগৎলকখি হায়বসিগী খুদম-চাংদমদি মণিপুরগী লাম্মীশিংনা য়েক-শল্লাই, য়ুম্নাক-শাগৈ থিনদনা অমসুং খায়নদনা অমত্তা ওইবা লাম্মী তেঙ্গোন্না শৌগৎপা অমদি লান চৎপা মৈত্রবাক্কী নিংথৌরেন পুম্নমক্কী মকোক থোংলবা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মহারাজনা খৃঃ ১৭৩৮ [চৈথারোল কুম্বাবগী মতুং ইন্না খৃঃ ১৭৪০] দা হৌজিক্কী ম্যান্মাগী সগাইং/চেকং ডিভিজনগী সগাইং সহর [Sagaing/Tsit-King town of Tsit-King division in present Myanmar] গী ক্যাউঙমেদু (কোঙমতু, মৈতৈনা হায়বা) প্যাগোদা (Kyaungmyedu pogada) পী থোঙবাদা ম্না খুৎশূ থাঙনা য়ান্দুনা থাঙফম থন্নল্লিবসিনি [মথক্কীসিদা, ১০০-০১ অমসুং Hervey, 1954, 123]।

(৩) মৈতৈ হায়বা জাতিগী মিং অসিগী ফিরান মখাদা মৈতৈ লৈপাক-মণিপুরসিনা চহি তরেৎ খুন্তাকপ (খৃঃ ১৮১৯-২৫) দা মৈদিংঙুচা হেরাচন্দ্র, অবানা তাকু নিংথৌ (খৃঃ ১৮১৯-২০) হায়না মিংথোনবসিনা অমসুং মহাক্কী তাকু তেঙ্গোনগী লাঞ্জিংবশিং অঙোম সুবুনাথমনি, অকোইজম খন্বা, য়েল্লাংবা অমু, মৈয়েংবা শ্যাম অমসুং মোইরাংথেম্বা লবঙ্গ [চৈথা:কুম:, ২০০৫, ২১৭] না লৌখিবা শক্তমশিংদু মণিপুর ইতিহাসকী লমায়দগী খক মুৎপা লৈররোয়দবনি।

(৪) অপুনবা মৈতৈ লৈপাক, খুন্নাই অমসুং জাতি অমা শেমগৎ-শাগৎলক্লনবগী থৌরাংসিদা হোৎনখিবা অমসুং পুখৎলকখিবদা শাংলবা মতম লৌখিরম্মী। হায়রিবা মতমসি খৃঃ ৩৩/৩৪ দগী হৌরক্লগা খৃঃ ১৪৬৬ কী মতম ফাওবসিনা লান্দাদুনা লান ঙম্লগা মরম-লমদমদু খোপচিন্দুনা লৌবা অমসুং নমদুনা পুনশিনহনবগী মতম তাংকক ওইনা উজে। হায়রিবা চহি খৃঃ ১৪৬৬ সিদগী থাক-থাক ওইনা হিরম কয়াদা তোৎন-তিন্নদুনা খৃঃ ১৬০০ লোমগী মতম ফাওবদা চথরকপসিনা তোৎন-তীন্নরকপগী মতম তাংকক ওইনা লৌবা য়াই। অদুগা খৃঃ ১৬০০ সিগী মতমদগীদি মীওইবগী পুক্লীঙ-ৱাখলসি লাইনীঙলোন অমসুং লাইনীঙদা কাইদোং ওইদুনা খৃঃ ১৭২০ লোম ফাওবসিনা মীগা মীগা খেন্নদবা, য়ুম্নাক-শাগৈ নাইদনা পুক্লীঙ-ৱাখল চুঙশিন্নরকপগী মতম তাংকক ওইবগী মীশিংগী মিৎয়েং লৈনরকপা ওইনা উজে। অসুম্না চুঙশিন্নরকপসিনা খৃঃ ১৭২০ গী মতুংদগীদি লীংজেন মান্নবা, অপুনবা জাতিগী, লৈপাক অমতগী মী অমসুং খুন্নাই অমত্তগী মীওইশিং ওইনা মানা মানা ঙম্বা থাক্তা লৈপাক্কী অমসুং মীয়ামগী/জাতিগী থবক তৌনরকপগী মমিং অমসুং য়ুম্ফম উবা ফংই। অদুগা মীপুম খুদিংমক্না ঐ মৈতৈনি হায়বা ৱাখল লাক্লখিবসি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মহারাজগী সনা হাক্তক্তগীনি। মসি চাউরাক্লা খৃঃ ১৭২৪ গীনি হায়না লৌবা য়াই [মথক্কীসিদা, ৮৫]। অদুগা মপুঙ পুঙফা ফানা মৈতৈগীদমক্তা মশা কখোকপা ঙম্লকখিবসিদি চহি তরেৎ খুন্তাকপগী মতমসিদগীনি।

মথক্কী ৱাফমশিং অসিদি খুদম ওইনা পঞ্জরুবনি। অসিগুম্বা অপুনবা মৈতৈগী থৌনা লিংজেন অমসুং ৱাখল্লোন অসি শাগত্তুনা লৈবসিনা খৃঃ ১৮৯১ গী বৃটিশকা মৈতৈগা থেংনবা মৈতৈগী নীঙতম লানফমশিংনা মৈতৈ পাঙল,

চীঙমী, তম্মী কয়ানা বৃটিশ নোংমৈ গুলীদা মমা লৈপাক্কীদমক্তা মথন্নাই কখোকখিবনি অমসুং লান মায় পাক্লোয় হায়বা খঙলবসু জাতিগী অমসুং লৈপাক পানবা অমগী ঈজ্জৎ অমসুং ঈকাই খুম্নবা ঙাক্লনবগীদমক্তা লাম্ছেংনখিবনি। মরম অসিনা মহাক্কী মচেঙ চাদুনা মহাক্কী ঈশিং থক্তুনা চাওক্লবা ঈমা লৈপাক অমসুং মখোয়গী মরক্তা পোক্তুনা মখোয়গী মরক্তা হিংলক্লবা ঈজাতি অনিসিগীদমক্তা মরূভূমিদা গুহা তৌরুম্লবা লাইমাঙদা থাউমৈ অমত্তং কৎলমসি।

মরী-মখোঙ উৎচবা

(A) মৈতৈলোনগী অফোংবা লাইরিক

১) ও:ভ:স:, ১৯৬৭ - ওইনাম ভোগেশ্বর সিংহ: নিংথৌরোল শৈরেং (ইম্ফাল-১৯৬৭)

২) র:ভ:ফ:, ১৯৮৪ - হেমাম সোভা: য়াগৈরেন Vol. 1. (Journal, Moirang- ১৯৮৪)

৩) ও:ভ:স:-২, ১৯৬৭ - ওইনাম ভোগেশ্বর সিংহ-২: নিংথৌরোল লম্বুবা (ইম্ফাল-১৯৬৭)

৪) ম:চ:স:, ১৯৯৯ - মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ: পাম্ছোইবী খোম্কুল (ইম্ফাল-১৯৯৯)

৫) চ:কু:শ:, ১৯৯৬ - চিত্রেশ্বর, কুলচন্দ্র: নোংদা লাইরেন পাখংবগী মমা-মপা থিবা (ইম্ফাল-১৯৯৬)

৬) চৈথা:কুম:, ২০০৫ - লাই: ৺ইবুংঙোহল অমসুং নিং: খেলচন্দ্র সিংহ, চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল-২০০৫)

৭) ব:ক:শ:, ১৯৯৮ - বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা: খুমল নিংথৌরোল লম্বুবা

৮) ই: অ:, ১৯৮১ - ইরোম অমুবী: লৈহৌ নাউফমলোন (ইম্ফাল-১৯৮১)

৯) ন:ম:স: ১৯৮৯ - নোংমাইথেম মনাউয়াইমা সিংহ: চেংলৈরোন (ককচীঙ-১৯৮৯)

১০) ও:ভ:স:, ১৯৮২ - ওইনাম ভোগেশ্বর: মোইরাং নিংথৌরোল লম্বুবা (ইম্ফাল-১৯৮২)

১১) খু:য়:স:, ১৯৬৭ - খুমল্লম্বম য়াইমা সিংহ: পাখংবা ফম্বাল (ইম্ফাল-১৯৬৭)

১২) ম:চ:স: ১৯৭৯ - মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ পোইরৈতোন খুন্থোক (ইম্ফাল-১৯৭৯): লাইরিক মশামক

১৩) ন:খ:স:, ১৯৬৭ - নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ: চাদা লাইহুই (ইম্ফাল-১৯৬৭)

১৪) ম:স:ক:এ, ১৯৯৪ - মণিপুর স্তেত কলা একাডমী: শাগৈ-শল্লাইরোন (ইম্ফাল-১৯৯৪)

১৫) অ:ক:স:, ১৯৮৪ - অঙোম কামনীবিধু সিংহ: অঙোম নিংথৌজারোল য়ুমদাবা (ইম্ফাল-১৯৮৪)

১৬) ব:ক:শ:, ১৯৯৬ - বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা: ব্রাংখৈ মৈরাবা অথৌবা (ইম্ফাল-১৯৯৬)

১৭) ন:ম:, ১৯৯৮ - নিংঙোম্বম মনিজাও: মতম খোঙলৈ তাকপা পুয়াশিং (ইম্ফাল-১৯৯৪)

১৮) এম:জি:, ২০০৪ - Mayanglambam Gourachandra: লমমিৎলোন (ককচীঙ-২০০৪)

১৯) ইউ:এল:এ:, ১৯৮০ - ইউ:এল:এ: খুমন শৈরোন (পেনা অশৈবশিংদগী (খোমজিনবা) (ইম্ফাল-১৯৮০)

২০) ক:য়:স:, ১৯৭৪ - কাংহুজম য়াইস্কুল সিংহ: মীতৈ অশন্বা ইতিহাস (ইম্ফাল-১৯৭৪)

২১) খ:চ:স:, ১৯৭৪ - খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ: লোইয়ম্বা সিনয়েন (ইম্ফাল-১৯৭৪)

২২) শ:ন:স:, ১৯৭১ - শঞ্জেনবম নদিয়াচাদঁ সিংহ: ময়াম্বা গরিবনিবাজ (ইম্ফাল-১৯৭১)

(B) মৈতৈলোনগী খুৎয়ি লাইরিক

১) পা:লাই:, খ: - পাখংবা লাইহুই, খুৎয়ি,
২) ক:স:প:,খ: - কংলৈসঙলেন পুবা পুয়া, খুৎয়ি
৩) খা:য়ুম্বী:, খ: - খাগেম্বা য়ুম্বী, খুৎয়ি,
৪) চ:খুন:খুন:,খ: - চকপা খুছোক খুন্দা, খুৎয়ি
৫) খোয়রী:নাউ:, খ: - খোয়রীফাবা নাউথেমলোন, খুৎয়ি।
৬) অ:খো:,খ: - অঙোম খোঙহৌ, খুৎয়ি।
৭) মা:লাং:,খ: - মাইচৌ লাংওন-লাসৎ, খুৎয়ি।
৮) নাউ:ফ:কা:,খ: - নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা, খুৎয়ি।
৯) নুং:পোম্বী:,খ: - নুংবান পোম্বী লুৱাউবা, খুৎয়ি।
১০) চায়নরোন, খ: - চায়নরোন, খুৎয়ি।
১১) থা:হিরান:, খ: - থৱাঙ্বাবা হিরান, খুৎয়ি।
১২) মিয়াৎ, খ: - মিয়াৎ, খুৎয়ি।
১৩) মো:নি:ল:,খ: - মোইরাং নিংথৌরোল লম্বুবা, খুৎয়ি।
১৪) চেংলৈরোন, খ: - চেংলৈরোন, খুৎয়ি
১৫) চেখোঙ, খ: - চেখোঙ, খুৎয়ি।
১৬) কৈরোই, খ: - কৈরোই, খুৎয়ি।
১৭) খুনুং শীঙখায়, খ: - খুনুং শীঙখায়, খুৎয়ি।
১৮) মশীন, লাই: খ: - মশীন লাইরিক, খুৎয়ি।
১৯) তখেন ঙম:, খ: - তখেন ঙম্বা, খুৎয়ি।

(C) ইংলিশকী অফোঙবা লাইরিক

1) M.L.B., 1979 - M.L.Bose: Historical And Constitutional Documents of North-Eastern India (New Delhi-1979)

2) N.N.A., 1983 - N.N. Acharyya: Assam & Neighbouring States Historical Documents (New Delhi-1983)

3) C.B.A., 1987 - Compiled by Authority: Gazatteer of Burma Vol. 1 (Delhi-1987)

4) T.C.H. 2003 - T.C. Hodson : The Meitheis (Delhi-2003)

5) L.K.D., 2003 - Dr. L. Kunjeshwori Devi : Archaeology in Manipur (New Delhi-2003)

6) B.K.S. 1988 - B. Kulachandra Sharma: Ancient Ethnic Groups of Manipur (Seminar paper read out in Nov. 1988)

7) R.R.S., 1985 - R.R. Shimray: Origin And Culture of Nagas (New Delhi-1985)

8) Hervey, 1954 - Hervey: Outline of Burmese History (Calcutta-1954)

মণিপুর ইতিহাসকী নোং ঙাল্লমদায়দা লৈনুং য়াবীরোক

— ৰাহৌদোক —

লৈনুং য়াবীরোক হায়না হৈ-শিংলবা মণিপুরী ইতিহাস্কারশিং অমসুং ইতিহাসকী মহৈরোইশিং, ছাত্রশিংনা খঙনরিবসি মণিপুর ইতিহাসকী উরেপ-যাত্রা হুন্দুনা য়ুমলেপ চারা লীংলগা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ পানবা লৈপাক লেপ্পনবগী থোঙলেন-থোঙজাও হাঙদোক্লিবা অমদি মৈতৈ নিংথৌজা য়েক্কী নিংথেমচা শল্লাইগী-লৈঙাক্লোনগী থোং থারল্লিবা মৈতৈগী মবুংঙো-নোংদা লাইরেন পাখংবা নৎত্রগা নোংদা তুকুল্লীক্কী অপোকপী পলেম মমানি। মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা (চাওরাক্লা খৃঃ ৩৩/৩৪-১৫৪) না খৃঃ ৩৩/৩৪ দা মহাক্কী লৈঙাক-ৱায়েল-থৌদাগী মখাদা অপীকপা লৈপাক-মচা (Princedom) অমা লীংখৎখি অমসুং মসি মহাক্কী মতুংদা ৫ (মঙা) শুবা খৃষ্ট কুমশীঙ চাগী অহানবা মশুঙ ফাওবা লৈরম্লগা লৈপাক চাওবা হেনগৎলক্লুনা হায়রিবা মতমসিদগী লৈপাক-মচা (Princedom) অমা ওইরকখি অমদি মদু মখা চত্থরকপা লৈঙাক্লোনগী পরীংদুদা ১৫ (তরামঙা) শুবা খৃষ্টগী কুমশীঙ চাগী অহুমশুবা মশুঙ ফাওবা চৎনরক্লগা মৈদিংঙু শেনবী ক্যাম্বা (খৃঃ ১৪ ৬৭-১৫০৮) গী সনা হাক্তক্তগী মনীঙ তম্বা, মশা মতোমতা লৈঙাক-ৱায়েন থৌদাজবা অমসুং মশাগী মনীঙ মখা তম্বা নিংথৌনা হাইনা হুম্না পানবা নিংথৌ পানবা লৈপাক (Independents, autonomous and sovereign kingdom) অমা ওইরকখি। অদুগা লৈনুং য়াবীরোক্কী মচাঈবুংঙো নোংদা লাইরেন/তুকুল্লীক অসিনা তৌখিবা অমসুং মায় পাকখিবা থবক পুম্নমক অমদি মহাক্কী চাদা-নাউদা ওইবা মৈতৈ নিংথৌশিংনা মনীঙ-মখা তম্বা নিংথৌশিং ওইনা মহাক্লা লীংখৎলম্বা লৈপাকসিদা লৈপাক্কী ঙমখৈ চাওথোকহন্দুনা চহী ১৮৫৭ (খৃঃ ৩৪ দগী খৃঃ ১৮৯১ ফাওবা) রোম মণিপুর ইতিহাসকী খোংলম-তুখুন্দা পানখিবসি হায়রিবী পলেম মমা লৈনুং য়াবীরোক অসিনা মচাঈবুংঙোসিগীদমক্তা তৌবীখিবশিং, মশাগী হকচাং ফাওবা কথোকখিবা,

মচা নুংশিবগী খুদোল অদুগী মহৈননি অমসুং মসিগীদমক মৈতৈ নিংথৌ, নিংথৌমচাশিং, নিংথেমচাশিংখক্তনা নত্তনা মৈতৈ পুম্নমক্না মহাক্কী লমন তোললি, হায়না লৌবদা লাল্লোয়।

লৈনুং য়াবীরোক্কী লৈঙাক্লোনগী শক্তম

লৈনুং য়াবীরোক, মণিপুর ইতিহাসকী লামায়দা তারিবা মৈতৈ নুীশিংগী শক্তমদা খ্বাইদগী হেন্না অথোইবীশিংগী মতুংদা মণিপুর ইতিহাসপু খুমাখিবীনি। অদুবু মহাকসি মণিপুর ইতিহাসসিগী নোংঙান'-তু উরকপা, কাইরৈ য়েনখোং তম্লকপদা ইতিহাসকী মৈরা পায়দুনা থোক্লকখিবী শক্তম অমা ওইবনা মৈতৈ লাইরিক অরিবা শূবশিং ফাওবনা মৈতৈ নিংথৌশিংগী অয়োক-অকন, অঙাক-অখন্নচিংবগী লাই অহুম (নোংশাবা, পাখংবা অমসুং য়ুমজাও লৈমা/লাইরেম্মা) গী মনুংদগী অমনি হায়বসি নীঙশিঙবীদ্রে। হৌখিবগী পননা থত্তুনা থমখ্রে।

লৈনুং য়াবীরোক্কী মপুঙ ফাবা শক্তম

''য়াবীরোক'' হায়বা মিংলেন অসি ''মিংথোন-মিং'' অমনি অমসুং মসি মীশক অসিনা নোংদা তুকুপ্লীকপু চাওননবা য়োক্লকপা, শেম্বী-শাবীরকপা অমসুং য়েংবী-কোনবীরকপা অসিদগী লৈমা-নিংথৌকোনগী ৱাংগোন লৈমচাশিং (Princess and princessess) গী মপী (নাউয়োকপী, নাউরোইবী, নাউকোনবী নৎত্রগা য়োকচবী = Nurse) শিংদা পীনবা, কৌনবা মিংফম অসি মহাক্কী থৌদৌ-থৌওংশিংদগী ফংখিবা মাল্লি [ম:স:ক:, ১৯৯৪, ৮৭-৮৮ অমসুং নোং:খু:ল:]। লৈনুং য়াবীরোক্কী অশেংবা অমসুং মপুঙ ফাবা শক্তমগী লমদাংদা মমাঙঙৈগী অমসুং মাঙগী অহল-লম্মনশিংনা মচেক-ময়ানা য়ৈবা (Allegorical) নৎত্রগা প্রমান-পাহ্ৈ তৌবা (Allegeable) গী মওং-মতৌ অমসুং মচৎ-লীচত্তা পীবীরম্মী, মদুদিঃ-

...পিরিৎনু॥ অরৈনু॥ মাইরেংহওপা চনু নোংতা নোংখললেমপী॥ লমনুং য়াপী য়াখাচনু॥ চাখা নুরোন্ পিরোল্ য়াম্পী কৌএ॥ য়িম্চাউ লৈমা ওইপী॥ লৈম ৩লক সানওনপী॥ নিংথৌ ৩লক ওননা লৈমা ওইপী॥ লৈনুং য়াপীরোকনা

নোংতা লাইরেন পাখংপনে॥ নিংখেম পোকপা ৱানে॥

[খ:য়ুম:, খু:ল: অমসুং ম:স:ক, ১৯৯৪, ১-২]।

অসিনি। অদুবু পীবীরম্লিবা ৱারোলসি চাংয়েং তৌবগী পরমদা মিৎয়েং থম্লকপা অমসুং ৱাফমশিংসিগী অচুম-অরান খিদুনা নৈনরকপদদি লাই-তীনগী নৎত্রগা লাইওই-তীনওইবগী (Mythical or legendary) ৱাখল, ৱাখল্লোন অমসুং ওঙদা-নাতাদগী থৈদোক্লকই অমসুং মীওইবগী মচৎ-মতৌ, লীচৎ-শাজৎনচিংবগী চৎলম-পরমদা তারকই।

লৈনুং য়াবীরোকী "য়াবীরোক" হায়বা মমিংসিগী মমাঙগী অহানবা মমিংদি মথক্কী ৱারৌথোক (Quotation) সিদা য়াওরিবা— "মাইরেংহৌবা চনু, নোংদা নোংখললেম্বী, লৈনুং য়াবী য়াখা চনু" হায়বসিদা মহাক্কী মপা, মহাক্না মনুং চল্লুরিবা কাংলুপ-ফুরুপ (জাতি-উপজাতি) অমসুং মহাক্কী হৈনবী মচৎ/লীচৎ-শাজৎ তাক্লিবা ৱাহৈশিং— (১) মাইরেংহৌবা চনু (মাইরেং-হৌবগী মচানুপী, মপাগী মমিংনা "মাইরেং হৌবা), (২) লৈনুং (য়াবী) য়াখা চনু (লৈনুং কৌবা লমদা লৈবা য়াখা মী কাংলুপ/ফুরুপকী নিংঙোন) অমসুং (৩) য়াবী (অঙাং/মীবু কোনবী-শেন্নবীবনচিংবদা হৈ-শিঙলবী নুপী)-হায়বশিংসি লৌথোকপ্রগা লেমহৌরিবা 'নোংদা নোংখললেম্বী' হায়বসিনি। অদুগা মহাক্কী শক্তাক-ৱারোলদা অতোপ্পা লাইরিকশিংদা পীবশিংদিঃ-

(১) ...পীরিৎনু, অরেং অহুম্বা মাইরেং হউবা চনু, নোংদা নোংখল লেম্বী ইমজাও লৈমা ওইবী, লয়মা অহুমথক তানফংবী, নিংথৌ অহুমনা পালনবী লয়নু য়াবিরোক...

[চেখোঙ, খু:ল:, অমসুং ম:স:ক:, ১৯৯৪, ৪৮]

(২) ...পীরিৎনু, অরৈনু/অরেংনু, অহুমনু, মাইরেং হৌবা চনু, নোংদা নোংখললেম্বী, য়ুমজাও লৈমা, লৈমা অহুমথক্তা তানফংবী, নিংথৌ অহুম পানফবী, লৈনুং য়াইবী লোক্লা [মথক্কীসিদা, ১২৮ অমসুং কৈরোই, খু:ল:]

(৩) অরৈনু, পীরিৎনু, অহুমনু, মাইরেংহৌবা চনু নোংদা নোংখল লেম্বী, লৈনুং য়াবীরোক্লা [লাংথাবাললোন, খু:লা:]।

(৪) পীরিৎনু, অরৈনু, অহুমনু, মাইরেংহৌবা চনু, নোংদা নোংখনলেমপী, য়িমচাউ লৈমা, লইমা ৩ লকতা তানফংপী, নিংথৌ ৩ পান্‌ফপী, লাইনুং য়াপীরোক... [কৈকোই, খু:ল:]

(৫) পিরিৎনু, অহুমনু; অরেঙপা মাইরেঙ হওপা চনু নোংতা নোংখললেমপী, য়ীমচাও লাইরেমমা ৱোইপী, লাইমা ৩রকপু তানফংপী, নিংথৌ ৩না পালনপী, লৈনু য়াবিরোক...

[য়ুমলেপ, খু:ল:]

(৬) পিরিৎনু॥ অহুমনু॥ অরইপা॥ মাইরেং হৌপা চনুনা॥ নোংতা নোংখল লেমপিনা॥ লৈনুং য়াখুয়াপ চনু চাখা নুরোন পিরোন য়ামপি॥ য়ুমচাও লাইমা ওইপী॥ লৈমা ৩ লক ওইপী॥ নিংথৌ অহুমনা পান্‌নপি॥ লৈনুং য়াখুয়াপিরোক্‌না [পা:ম:,খু:ল:]

অসিশিংসিনি। ৱাই:কে: শিমরে (Y.K. Simray) না নোংদা নোংখললেম্বীগী মচৎ-মতৌ (Nature) গী/শাজৎ-লীচৎকী ওইবা মমিং অমা অমসুং/নৎত্রগা নহাক্লা নোংদা লাইরেন পাখংববু নিংথৌ-ফম্বালদা থাঙ্গৎত্রিঐগী মমাঙদা লৈরম্বা খুনফমগী মতাংদা খৃঃ ১৯৭২ দা খন্ন-নৈননীঙাই ওইবা ৱাফম অমা ওইনা তাংখুলশিংগী খুঙ্গং রৈনাম (Reinam) খুননি হায়না পুখৎলকখি [ঋতু-৪৪, ১৯৭২, ৩৪]।

নোংদা নোংখললেম্বীসি মহাক্কী ঈনখৎলকপা অমসুং মপুঙ-মরৈ ফারবা পুক্নিগী লমদাং চৎলকপদা মহাক্কী মতমদুগী শানৌ লৈরাংশিংবু থেম্না কয়াবু মহাক্কী মায়কৈদা চিংশিনবী অমদি চেংলৌ শক্কী মকা ফল্লক্লবদা মতমদুগী অৱাংবা থাক, খুৎকন-পাঙ্গনবা, মীথক-থোংনা খুন্নাইদা মমিং অমসুং মফম লৈবা অমদি অতৈনা নুংশি-হঙ্গোয়না ঈকাই খুম্নরিবা মশানৌ লৈথি-লৈথেম্না

অহুম্মু মতম অমত্তদা নুংশি-নুংওন্নবা লোইনবা ঙন্নী শকহেনবী অমা ওইনা য়েকপীরম্মী। মহাকসি অচাওরম পান্বী, পুক্নীঙ লৌশীঙসু চঙখোনবী ওইবনা মৈতৈ নিংথৌজা য়েক্কী পুকোক পুরেন ওইরিবা কোনশৌরেন কৌবদুদগী চাদা-নাউদারকপা “পুরিংলেন” হায়না মিঙ্গৌবা, পুরৈরোম্বা হায়বা মিংথোনসু ফংখিবা নিংথৌমচা অমগী লৈঙাক-খুন্নাইলোনগী (Politico-Socio-Cultural) চৎলম কাংলোন্না য়ারবা তাল্লোই (Legal and Formal consort) ওইনা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাখিরম্মী। অদুবু মহাক্কী য়ুম্বানবগী পুন্সিদুদা মপুরোইবা পুরিংলেন্না পুন্সিগী লমদাং ভেল্লকপনা মহাক অমসুং মহাক্কী মপারী নোংদা তুকুপ্লীকপু থাদোক্কন্নগা তাইবং খ্রীরম্লেন্দগী পাইখিদুনা খম্নুং শন্না পোন্দা নুংশি মিরেন লাংখিবনা লুখ্রা শীঙদা চলহৌখি অমসুং মহাক্কী মপুরোইবা পুরিংলেন পুরৈরোম্বনা খঙহৌদনা য়াইবী থন্নাই চুপখিবা মফমসি নোংপোক লইহওচীঙ (লৈহৌচীঙ) দনি [ক:স:প:প:, খু:ল:]। হৌজিক নোংমাইজীঙ চীঙগী চীঙথক্কী থেন অমদা পুরৈরোম্বা য়ুম্ফম হায়দুনা পুরিংলেনসিগী খুবম লৈরি।

নোংদা নোংখললেম্বীনা মপুরোইবা পুরিংলেন পুরৈরোম্বগী তাউজীঙ হৈরাং হৈরুনা চনু চরৈ চিন্দুনা মচানুপা অমা পোকচরবদা মহাক্কী কোল্লোই মমিংগী মিংহৌ ৱাহৈ লৌদুনা মপারীবু নোংদা তুকুপ্লীক মিংথোঞ্জখি অদুগা মহাক মশানা মিংথোন-মিংফম লৈনুং য়াবীরোক হায়বসি ফংখি-লৌখিরম্মী।

য়াবীরোক্না থৌদাং থৌপুরকপগী লংজীন

লৈনুং য়াবী য়াখা চনু য়াবীরোক্না, মপুরোইবা পুরিংলেন পুরৈরোম্বনা চহি অনিখক্তদা মপারীবু হুন্দোক্কন্নগা নোঙ্গাশ্রবদা নুংশি খুদোল থন্নম্বগী নুংশি’লমন শিংনবা নুপীমচা থৌদাং লৌদুনা থৌপুরকপগী লংলা-লংজীনবু মমাঙঙৈদগী ইদুনা থম্বীরম্বা অঙৌবা চেবাংথক্তা খুদম চাংদম উৎপা নৎত্রগা থৌপাং-ৱাপাং পীবা ওইনা লৈরিবশিংগী লাং কাইবগী পরীং অমসুং পরমদা মিৎয়েং থন্নকপদা অমসুং লেমলৈ খুৎহুন্নকপদা থেংনরিবা নোংদা নোংখল্লেম্বী নৎত্রগা লৈনুং য়াবীরোকসি ৱাখল লৌশিঙ থৌবী, পুক্নীঙ-ৱাখল মরা তানা

চেৎপী, মপুঙ ফানা ৱাখল খছ্‌বা ঙন্নগী মতীক লৈবী, পায়রু-তৌরুবা থবক্তা উইন কনবী অমসুং নুংশি-নুংঙোন্দা ঈরাং পুনা মীঙন্বী ওইবগুম কায়না মৈশাগী ঈনুং পীরাংনা মোল্লাং চোৎপী, কায়নৱবা নুংশিবদা ৱাশক চেৎপী অমসুং মপারী নুংশিবদা থৱাই-হকচাং য়োছোকপা ঙন্বী অমসু ওইনা মমাঙগী অইবশিংনা খোর্জে থাবীরম্মী। হায়রিবা পুক্নীঙগী শাফু-চৈথাশিং অমদি ৱাখলগী পোখাং-পোৎলুমশিং অসিগী মচীঞ্জাক হুন্ননবা/তম্ননবা অমসুং পীননবগীদমক্তা মহাক্না মহাক্কী মপারী নোংদা তুকুপ্লীকপু মহাক্কী মপা-মপুগী অৱাংবা থাক অমসুং নিংথেমচা-নিংথৌমচা ওইবগী পল্লেপ-পান্দম লৈরিবা খুন্নাইগী মীওইশিংগী খোং মান্নদবা থাক অমসুং নিংথৌমচা অমা ওইবগী লৈরিবা মফম অদুদা লেপহন্নবগীদমক্তা মহাক্না অতৈগা চুঙশিন-চাশিন্নবা য়ানবগী শক্তম অমদা ময়ামগা পুন্না পানমিন-লৈমিন্নবা য়াননবগী খোঙফমদা লেপ্তুনা লৈরকখি।

লৈনুং য়ীবীরোক্না মণিপুর ইতিহাসকী ফম্বাক্তা শান্নখিবা থৌদোক-ৱাথোক্কী মশকশিংসি ফিজঙ মরূমদা শান্নরিবা লীলা অদুগী পরমদনি। অদুবু তশেংনমক হায়রবদি উৎলিবা লীলাগী ফম্বাক্তুদা ফিজঙ মরূমদুদগী মঙাল অমসুং মমি অনিমক্না ফাওদোরক্কুনা মিৎ থক্না উহল্লিবা মৈতৈ নুপীশিংগী মনুংদগী লমজিং মৈরা পুরিবীগী ফিরেপ অমনি। মণিপুর ইতিহাসনা শাক্ষী ওইরগা মসিগী পনখৈ মনুংদা থোকখিবা অমসুং পোকখিবা মণিপুরগী নৎত্রগা মীওইবগী লূ-তোংনা শাবা হকচাংগী ওইবা মৈতৈ নুপী অমতনা মহাক্না তৌখিবা থবকশিং অমসুং পাংথোকখিবা থৌদৌ-থৌওংশিং অদুগী মপা চানবা অমতা তৌবা ঙমখিবগী রেকোর্ড লৈত্রি, হায়বা য়াই। মৈতৈগী মবুংঙো নোংদা লাইরেন পাখংবনা মৈতৈগী নিংথৌ শাগে, নিংথেমচা শল্লাই অমসুং নিংথৌজা য়েক্কী পরীং লাংশঙ হুন্দুনা উরেপ-যাত্রা হুল্লগা অপুনবা মৈতৈ লৈপাক, মৈতৈ জাতি অমসুং মৈতৈগী অপুনবা সমাজ অমা শেম্মনবগী লম্বী থোল্লল্লিবা অমদি মণিপুর তম্পাক্কী চোয়না চোয়না মনীঙ তম্না লৈরম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাকশিংবু ১৫শুবা খৃষ্টগী কুমশীঙ চাদা পুন্না তীনশিন-পুনশিন্নদুনা অপুনবা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা শাগৎলগা খৃঃ ১৮৯১ দা মতমদুদা মখোয়গী সম্রাজ (Empire) দা নুমিৎ তাবা লৈতে হায়নবা য়ুনাইতেদ কিংদমগী খুৎকন-পাঙ্গল্লবা বৃটিশশিংগা

মায়থীগনি হায়বা খঙলবা ফাওবদা জাতিগী ঈজ্জৎ অমসুং মনীঙ তম্বা লৈপাক পানবগী ঈকাই খুম্নবা ঙাক্লনবগীদমক্তা লান থেংনখিবা অমসুং ঙসিগী চীঙমী-তম্মীনা পুনবা, চীঙলৈপাক-তমলৈপাক তীন্নবা মণিপুর অমা মৈতৈনা ফংজরিবা পুম্নমক অসি লৈনুং য়াবীরোক্কী মচাঈবুংঙো নোংদা তুকুপ্লীক্কুনা তম্বা খুদোল্দুগী অবদান (Accomplished/glorious act/achivement) নি। হায়রিবশিংসি ফংহন্নবগীদমক্তা লৈনুং য়াবীরোক্লা মহাক্কী থম্মোইগী থম্বালগী লৈনা শেগায়দুনা নুংশিজরবা মপুরোইবনা পীশক পীক্লা। খুৎশিন্নরম্বা মজাঈবুংঙোবু নিংথৌ ফম্বালদা থাঙ্গৎনবগীদমক্তা মহাক্কী মীওইবগী হকচাংগী ওইবা মশা অমসুং পুক্নীঙগী ওইবা ৱাখলগী লৈজবা পুম্নমক মহাক্কী নুংশিজরবা মচা ঈবুংঙোগীদমক্তা খুদোল তমখিবনি।

লৈনুং য়াবীরোক্কী মথক্তা থমজখ্রিবা মহাক্কী মপারীবু মীথক থোংনা অৱাংবা থাক্তা কাহন্নবা অমসুং মশাগী পুন্সিবু মমল লৈহন্নবগী পান্দমশিংসিবু থবক্তা ওঙ্ছোক্লনবগীদমক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজঙদা মহাক্লা লৌখিবা শকলোন অমসুং শক্তমশিং অদুগী পায়খৎখিবা থবকশিং অমদি থবকশিংদুদগী ফংখিবা মহৈশিং পুম্নমক অদুগী লংলা-লংজীন (Clue) অমসুং খুৎফম-খুনাম (Key) শিংদি মৈতৈগী শক্তাক্লমদ্রবা অমসুং শকখঙ্ঙমদ্রবা সাহিত্যকার নৎত্রগা কুম্বারোন ইবা অমনা নীঙথিরবা অরিবা সাহিত্যগী লোন্দা-পুদা অমসুং মচৎ-মতৌগী পরমদা পুথোক্কুনা থম্লল্লিবা ৱাহৈ পরেং অদুগী মনুংদা খোমজীন-তাশিন্দুনা লৈরি অমসুং হায়জরিবা অরিবা সাহিত্যগী লোন্দা-পুদাগী ৱাহৈ-পরেংসি মথক্তা মৈতৈ লাইরিক কয়াদগী লৌখৎচদুনা থমজগ্রে। অদুবু নৈনগদবা ৱাফমগী খুদোংচাবা লৌজদুনা অমুক্কসু হন্না মখাদা থমজরিঃ-

পীরিৎনু, অরৈনু, অহুমনু, অরেংপা-মায়রেং-হৌপা চনু, নোংতা নোংখনলেমপী, লৈনুং য়াপী য়াখু চনু, নুরোন্ পীরোন্ য়ামপী, য়ীমচাও লৈমা ওইপী, লৈমা অহুল্লক সানওন্পী, নিংথৌ অহুম্না পানাপী, লৈনুং য়াপীরোকনা নোংতা লাইরেন পাখংপ-নে।

অরাইবা/হৌজিক্কী লোনদা ওহোকপা

নোংদা নোংখল্লেম্বী, মহাক্কী অনীঙবা-অপাম্বা ফংননবগী চঙশিল্লকপা খেন্ন-খেন্নরবা খোঙজঙ কয়াগী পরীংদা মশক মমিং মান্নদ্রবা মীশকশিংদা পীরিংনু, অরৈনু অমসুং অহুমনু হায়না মমিং হোং-হোংদুনা চঙশিনখিবী, লৈনুং [কুপ্খবা/অনেম্বা লম (Low land, netherland)] গী লমদমদা পাল্লম্বা য়াবী য়াখু কৌবা শক্লাইরবা নুপা অমদগী চাদা-নাউদারকপা শাগৈদা পোকপীসি চরৈ ফিদুপ নাইবগুম নুপী লোনবা অমসুং নুপা লোনবগী মচৎ-মনাৎ লৈবী অমা ওইনা মতমদুদা খুৎকন-পাঙ্গল্লবা অমসুং খ্বাইগী মা ঙজীন থানা শক্লাইরবা নিংথৌ (Chieftain/Chief) অহুম [সোরারেন অরিবা অহুম (অঙোম সোরারেন = পুরৈরোম্বা অঙৌ/অঙৌবা (?); লুৱাং সোরারেন = লুৱাং লংমাইবা (?) অমসুং থাংয়ি সোরারেন = থাংয়ি সোরা পুক্তাং)] গী মফমদা চেংলৌ শক্লোন পুদুনা মশক-মমিং হোংনা-হোংনা [অঙোম সোরারেন্দা পীরিৎনু কৌদুনা, লুৱাং সোরারেন্দা অরৈনু কৌদুনা অমসুং থাংয়ি সোরারেন্দা অহুমনু কৌদুনা] মরূম্বী (Concubine/Paramour) ওইনা মতম অমত্তদা লোনচৎননা, হৈরাং লোঞ্জা-চা, লৈরাং লোঞ্জিন-চীনমিন্নবগী লাং থাক্লুনা ফাখিরম্মী অমসুং মচা ঈবুংঙোবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎনবা, মতমদুদগী মী কাংলুপ-ফুরুপ পম্নমক্তুগী নিংথৌ ওইহন্নবা অমসুং হায়রিবশিংসি মতীক-মঙম, মপাঙ্গল-ময়াইনচিংবা ফংহন্নবা অমদি মপারীনা পায়হন্নবগীদমক্তা লৈনুং য়াবীরোক্লা মীশক অমত্তনা মীওই অহুম থোকপা নুপী অমত্তনা নুপী অহুম শুহনবা, শক্লোন অহুম লোনবগী শক্তমসি পুথোকখিবনি। অসুম্না মপারীগী মপাঙ্গল চাওননবা মশাগী হকচাং কখোক্লুনা লৈপাম্বা খোইমুদা পীরগা পোইরৈগী নিংথৌ ফম্বাল ৱানখিবা অমদি মপারীবু কদায়দা, করি শোয়খিগদবগে, কনানা লাকচ'খুদুম চনখিগদবগে অমসুং কৈদৌঙে, করম্না খুদোংথীৱা অমসুং লাইবক থীবা লাক্কদবা, মদু করম্না ঙাকথোকখিগদবগে হায়বসিদা মিৎয়েং থমদুনা অমদি চেকশিন্না শেন্নদুনা অঙাক-অকন, অয়োক-অকোন তৌবীবা লাইরেম্বী অমা ওইনা মপারী নোংদা লাইরেন পাখংবগীদমক্তা মহাক্কী পুক্লীঙ-ৱাখল, থম্মোই অমসুং য়াইবী-থৱাইনা লৈখিবা অদুনা মতুং তারকপা মতমগী মখা শমথরকপা মৈতৈ নিংথৌশিংগী পাল্লিবা নিংথৌ শাগৈগী, নিংথৌ মহাক্কী ঈমুং-মনুং অমসুং

মহাক্কী থৌশীল-থৌরাং, লৈঙাক-থৌদা, ৱায়েল-থৌপুনচিংববু ঙাক-শেল্লিবী, অয়োক-অকন তৌরিবী নিংথৌলাই ওইনা ''যুমজাওলৈমা যুমশঙ-যুমঙাকপী, যুমজাও লাইরেম্মা/লাইরেন্বী'' হায়বা মিংলেনসিগী মখাদা ঈরাৎচদুনা লৈরি।

মথক্তা থমজরিবা ইশিন্দুনা থন্বীরম্বা ৱারোল অমসুং শাগৈ-শল্লাইরোনগী চাদা-নাউদাগী লীক্লম পরীংগী ঈ-পাউগী লীখুনশিং অসিনা ঙসি-ঙসিগী মিৎয়েংদা পুরক্লিবদিঃ- মণিপুর ইতিহাসকী নোং ঙানফুং-ঙানফুং তৌরকপগী মতম অদুৱাইদা লৈরন্বী চুঙ-ফিরান চানা, নুপী ওইবীগী মীওই-মীতৌ চুম্না ফজরবী মৈতৈ চনুরাশিংগী মরক্তগী অমা ওইরিবী নোংদা নোংখল্লেন্বী হায়বী, লৈনুং লমদমদগী হৌরকপা য়াবী য়াখুগী শাগৈ-মচা মায়রেং-হৌবা কৌবগী মচানুপী অসি, মহাক্না ময়ুম পান্দুনা মহাক্কী অমত্তা পোকচরবা মচানুপা ''নোংদা তুকুপ্লীক'' হায়বসি পোক্লবা মতুংদা মহাক্কী অরোয়বা ফাওবদা শাগোন্নখিবা মমিং ''য়াবীরোক'' হায়বসি ফংখি অমসুং হকপান্নবা মপুরোইবা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্কী নুংশি হেকমায় কামিন্নবা মরূন্বী (Paramour) অহুম মতম তাংকক্ অমত্তদা লৈরম্মী অমদি মখোয় অহুমদুদা অমদা পীরিৎনু, অমদা অরৈনু অমসুং অমদা অহুমনু কৌদুনা লোইনরম্মী। মণিপুর ইতিহাসনা অমসুং/নৎত্রগা সাহিত্যক/ঐতিহাসিক/পৌরানিক লাইরিক নৎত্রগা পুয়া অমত্তনা য়াবীরোক্কী মরূন্বী অহুমদুদগী অমত্তবু য়াবীরোকসিগী মচানুপা (নোংদা তুকুপ্লীক/লাইরেন) সিগী অশেংবা-অপোকপা মপানি, হায়না পীবা, খুদম-চাংদম উৎপা, ৱাপা-ৱাপাং (Evidence) পীবা, ৱাখুন-পোমিৎ উৎপা নৎত্রগা লংলা-লংজীন তাকপা লৈতে [পাঃলাঃ; খুঃলঃ পাঃফমঃ, খুঃলঃ; পাঃলমঃ থঃ,খুঃলঃ]। অদুগা হায়রিবা খুৎকন পাঙ্গল্লবা অমসুং শক্লাইরবা নিংথৌ/সোরারেল/নুপা অহুম অসি লৈনুং য়াবীরোক্কী পুথোক্লিবা শক্লোনশিং অমসুং থৌশীল-থৌরাংনা নোংদা তুকুপ্লীক হায়বা য়াবীরোক্কী মচানুপা অসিগী অয়োক-অকন ওইবা মপা, ঙাকপী-শেনবী মপন অমসুং লাঙ্গোন-নাউকোনবীবা পন্থৌ ওইনা পুশিল্লক্তুনা থল্লম্মী। অদুবু লৈনুং য়াবীরোক্কী মশাগী ওইবা অরোনবদুদি মহাক্কী থম্মোই লাইয়ুমনুংদা অমসুং পুক্লীঙগী ফিরোন্নুংদা অদুম লৈবনা মমাঙগী অমসুং মমাঙঙৈগী মাইচৌ-পণ্ডিতশিং অমসুং ফাথিবশিংনা হৌখিবগী চৎলম ইন্দুনা লৈনুং য়াবীরোক্কী শক্তম অমিগী চরিত্র য়েকপদা ৱাখন্দনা খঙনবা পরীং অমগী উচন-উফমদা তাদুনা

লৈরিবা হায়দোক-ফোঙদোকহৈদবগী মশক অমা ওইনা তাবুনুংদা লীদুনা থন্বীরম্মী। অখঙবদা খঙসনু, হংলক-থিরকপনা খঙননবগী মরম ওইসনু হায়দুনা থুপ্লম্বসি মতম ফিজঙ হাইদোক্লকপা ঙাইদুনা লৈরিবনি।

লৈঙাক্লোনগী ফম্বাক্তা য়াবীরোক্কী শক্লোন

লৈনুং য়াবীরোক, মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবগী অপোকপী মমাগী লৈঙাক্লোনগী ফম্বাক্তা শক্তম লাংলম্বা শক্লোনসি, মথক্তা উৎচখিবা, মমাঙদা ইবীরম্বশিংদগী শত্তোক-লৌথোকচরকপা ৱারোল মতেক অসিদা উহল্লিবা/উৎলিবসিগী মতুং ইন্না মণিপুর ইতিহাসতা য়াম্না মরু ওইবা অমসুং মমল হায়নীঙঙাই লৈতনা ৱাংবা ইতিহাসকী মচাক-মরন নৎত্রগা ঈ-পাউশিংসি ঈচম চম্বা য়েংবা মিৎয়েংদা মচী-মরূমদা লোনচৎনবী, মরূম্বী মরোন নাইনা সমাজগী মিৎয়েংদা ফিরোন নাইনা শেৎপগুম লমচৎনবী নুপীগী শকফমদা মমি-শামি ওইনা লেপ্লিবী অমা ওইনা খ্বাই মীয়ামগী ওইবা নুপী ওইবীগী শক্তমশিংদা অমকপা চায়শিন্দনবগী শাফ-ৱাখল অমসুং য়াইফ-পুক্নীঙগা ঈরোইননা উৎপগী মশেন-মরাং ওইবা মঙান্না শকউহল্লি। অদুবু মণিপুর ইতিহাসকী নোংঙাল্লমদায়দগীনা নোংঙান' তু উরকপগী মতম তাংকক্তুদা লৈখ্রিবা অমসুং থোকখ্রিবা লৈঙাক্লোনগী লৈঙাক-খুনঙাক, লৈকন-খুনকন্নচিংবা অমসুং লৈপাক ঙাক্লনবগী থৌদা-থৌশীল, থৌগায়-থৌরাংনচিংবদা থৌদাং লৌনখিবা, থবক পুনখিবসি থিজিন-হুমজিন্দুনা নৈনরকপদদি লৈনুং য়াবীরোক্না মতমদুগী রাজনিতিগী ক্ষেত্রদা লেপ্লিবা শক্তম, লৌখিবা শক্লোন অমসুং পুথোকখিবা শকফমশিংসি য়াম্না মরুওইবা মশকশিংনি। মরমদি মদুশিংদুনা মতমদুগী মণিপুরগী চীঙমী অমসুং তম্মীশিংগী খ্বাইদগী হেন্না মতীক-মঙম/মপাঙ্গল লৈরবা লানলোইনবা অমসুং শীনলোইনবগী মশক নাইরবা রাজনিতিগী লুপকী শক্তম অমা শাগৎলিবা মহাক্কী মতেং পাংলিবশিংগা লোইননা থবক পায়খৎলি অমসুং পায়খৎনবগী মরম-লীক্লম য়াৎলিবা রাজনিতিগী লুৱাংজৈ (রাজদণ্ড = Sceptre/staff) পায়রিবী অমগী মপুঙ ফারবা শক্তমনি। মহাক্কী থৌশীল য়াথংগী মরূমদা মতমদুগী খ্বাইদগী হেন্না খুৎকন-পাঙ্গন্নবা শেল্লোই-লংমাইচীঙ (নোংমাইজীঙ) গী মবুংঙো পুরৈরোম্বা, শেল্লোই লংমাইচীঙদা পানবা লুৱাং

শল্লাইগী লুচিংবা লাঞ্জিংলেন লুব্রাং লংমাইবা অমসুং সেল্লোই লংমাইচীঙগী লংমাই-ব্রাইরোকচীঙদা পানবা থাংয়ি (চেংলৈ/শরাং-লৈশাং) গী নিংথৌনা থবক পায়খৎকদবগী পাউ লাকপা ঙাইদুনা লৈরিবনি [পা:লা:, খু:ল:]। অসুম্না ময়ামদগী অতোন-অরেম ওইনা লৈরবীসিগী মৈতৈ লাইরিক-লাইশূগী পরীংদগী শাগৎপা ব্রাফমশিংদু মখাদা থমজরিঃ-

নোংদা নোংখললেম্বীসি মহাক্না মপুরোইবা পুরিংলেন পুরৈরোম্বগী তাল্লোই য়ুমঙাকপী ওইনা লৈরিঙৈগী মতমদুদা থাজনীঙঙাই ওইরবা য়ুমগী নুপী য়ুমলৈমা, মপুরোইবা নীঙবী তাল্লোই অমসুং লম য়ৌনা শকহেনবী ওইরবসু হায়বা ইনবী অমা ওইরকখি হায়বসি মহাক্না মপুরোইবনা পীরম্বা খুদোল চহি অনিখক্তা ঙাইরিবা মচানুপা নোংদা তুকুপ্লীকপু নুংশি খুদম ওইনা মী ওইনবা শেম্বদগী হেন্দোক্লুনা মতমদুগী অথোইবা নিংথৌগী ফম্বালথক্তা থাঙ্গৎখিবা অদুনা খুদম-চাংদম ওইরি। মহাক্কী অসিগুম্বা মপুরোইবা নীঙবা, মহাক্কী মফমদা থাজবা থম্বা, মপুরোইবগী মফমদা মহাক্কী তৌফম থোকপা মথৌ তৌবনচিংবগী গুণশিংসি চেল্লমদ্রবদি মহাক অঙোমগী য়ুমলৈমা ওইনা লৈরম্বা য়াবনি। মহাকপু মপুরোইবনা মহাক মতোমতা ওইনা পীক্লিবা মচানুপা, মতোমতা ঙাইজরিবা মপারী অদুবু য়োক-থাকপা, চাওননবা লাঙ্গোনবনচিংবগী পোৎলুম অদু থোঙ্গৎপীরল্লগা মালেম তাইবংপান থাদোক্লুনা চৎখ্রবসু মহাক্না পুক্সিগী লানফমদা মায়থীরবী অমগুম খুবাম তিংনা কপ্পুনা লৈথোকখিদে অমদি ঈরাক্লুরবা মীগুম ইকা অমা ফাওবা লাম্বগী ব্রাখলদু তৌখিদে। খুত্তুম শীঙনা অব্রাংবা লোইবী চীঙজাও কাখৎলরকখি।

লৈনুং য়াবীরোকসিনা পায়মা লীনা ঙানবী, পুক্নীঙ লৌশিঙ চঙখোনবী অমসুং মতমদুগী সমাজগী ঈরাং খঙবী ওইবনিনা মহাক্কী মখুন খুন্নাইগী, শাগৈ-ময়েকচাগী অমসুং মীখুঙ্গং-মীয়েকচাগী লুচিং' ফমলেন ওইবশিং অমদি য়েকলুপ পীবা ওইবশিংগী থাক, মঙম্নচিংবা মহাক্কী মমিত্তা উরিবশিংদু চনীঙ তানা খঙজিল্লম্মী। অদুগা মহাক্কী মচানুপাবুসু মহাক্কী মপাঈবুংঙোনা ওইরম্বা থাক, খ্বাইগী ঈকাই খুম্নবগী ফিবমগী, মফম কল্লিবা অদুগুম্বা থাক অদুদা পুখৎপদা নত্তনা মীথোই-মীহেন্না মতমদুগী সমাজদুগী খ্বাইদগী হেন্না ব্রাংবা মফমদুদা

থাঙ্গৎকে হায়না চেৎনা নীঙজখি। মহাক্না পান্দম্লিবা ব্রাখলগী থাক অদু ফংনবা চঙশিন্নবগী অহৌবা লমদাংগী মতমদদি মহাকপু শৌগৎ-ঙাকখৎপীননবা অমসুং থাঙ্গৎ-পমখৎপীনবা তেংবাং পান্থে ব্রাৎপনা মহাক লৌশীঙ-লৌমাঙনবগুম তৌরম্মী। অদুবু মহাকসি মশানা মশাবু থাজজবা মীওইনিনা নুপীমচা ওইজরবসু নীঙবা কায়বগী লাংদা থুদুনা আশাগী ময়োল তেকপদুদি তৌখিদে। অদুগা মহাক্না শায়বা-কল্লগা ওইনমলকই, নোম্বা কল্লগা ফম্মেন ফংই, হায়বা পাউরৌ-পাউতাকসিগী ব্রায়েল মখাদা চৎখিবগুম তৌই। মহাক্কী পুন্সি খোঙলোই ওইদুনা ব্রারে ব্রামিন্নগদবা, নুংঙাইরে নুংঙাইমিন্নগবা মীরম্লেনগী খোঙবু অদুসু তাইবং মপুগী লোংদম্না খাংঙুথক্তা কেমথ্রবসু পুন্সিগী মহাউদি হোৎনবনা পুরকপা মহৈদা লৈ অমসুং হোৎনবগী পান্থেদি মশক নাইদে হায়না খল্লকখি। মরম অসিনা মহাক্না শক্কী কৈথেল কাদুনা চীম্বালগী নুংশিবা য়োনগে থোক্লকখি, লৈঙাক্লোনগী মপাঙ্গল লৈদুনা নিংথৌ-ফম্বাল মনতীক্লগে চোংথোক্লকখিরম্মী। অচৌ-অশাংনা পামগদবা; অকন-অথৌনা খোয়দাগদবা, মপাঙ্গল কনবা নুপাশিংনা মিহৌগদবা অমসুং নিংথৌ ওইবশিংনা কল্লকচগদবা পোৎলমশিং অদুদমক পুক্লীঙগী অনীঙবা শেন্দোং ফংননবা অমদি ব্রাখলগী পান্দমগী মমল পীবা ঙমগদবশিংদুদমক য়োল্লম্মী। অদুগা লোইননা মতমদুগী চীঙদা তোংবা চীঙবুরোই অমসুং তমদা পানবা তম্বুরোইশিং ওইনা লৈরিবা লৈঙাক-লৈকনগী, লৈপাক-ব্রায়েল-থৌদাগী অমসুং লৈঙাক্লোনগী পরীংগী খোংবান্দা তারিবা অমসুং তোবর্বান্দা লেপ্লিবশিংগী মফমদা মশাগী হকচিনবা মিৎয়েং থমদুনা য়েংবা অমদি য়েংশিনবা হৌরক্লম্মী।

লৈনুং য়াবীরোক্না মতমদুগী মণিপুর তম্পাক্কী কংলৈ ময়োল ওইরিবা লমদম কংলৈ-পুঙ-ময়োনগী মতাই অমদা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরিঙৈগী মতমদা পোইরৈ তমলৈকাই, লোইবী চীঙলৈকাইগী করম্বা লৈয়াৎশিং, লমলেন লমদমশিং অমসুং খুল্লেন-খুঞ্জাওশিংগী কনা-করম্বা খুল্লাক-লুপ্লাকপশিং, নিংথৌ-ব্রাঙ্গোন-নিংথৌশিংনা খুৎকন-পাঙ্গন্না পাল্লিবগে, করম্বনা কদায়দা লৈরিবগে, কনা-কনানা হেন্না খুৎকন-পাঙ্গনবগে হায়বনচিংবগী অচুম্বা ঈ-পাউশিং নীঙথিনা মরীক চুম্নবা লৌবা, খোমজিনবা ঙম্নবগী লৌশীঙদু লৈরম্মী অমসুং খোমজিল্লম্মী। হায়রিবা মতম তাংককসিদা কাংলুপশিং অমসুং কাংবু-

কাংবুশিংগী মপাঙ্গলশিং চুঙশিন-পুনশিন্নদুনা ওইবা কাংলুপ অনিখক্কী মরক্তা মুক্নবা অমসুং হিদান্নবগী ফিবমশিং লৈরম্মী। হায়রিবা অনিসিগী মনুংদগী অমনা কংলৈ পুঙময়োন্দা পানবা খাবা য়েক্কী কংলৈ লৈমাবশিংনা লুচিংবা [পান:খ:, খু:ল: অমসুং ম:চ:স:, ১৯৯৯, ৩২-৩৪] অমসুং মখোয়গা খুন্দা লৈতামিন্নরিবা ঙানবা শল্লাই অমদি চকপা কাংলুপকী ফুরুপ খর [লৈ:ন:, খু:ল: অমসুং ই:অ:স:, ১৯৮১, ৯] অমদি শেল্লোই লংমাইজীওদা তারম্বদগী কংলৈ লমদা হোংদুনা খুন্দাখিবা থাংয়িগী ফুরুপ অমা [মথক্কীসিদা ১, চেংলৈ:, খু:ল:] না পুন্না চৎমিন্নবা অমসুং লাললোই-শীল্লোইনবা লুপনি। অদুগা অতোপ্পা অদুনা শেল্লোই-লংমাইচীওদা পানবা অঙোম য়েক্কী, লুৱাং য়েক্কী অমসুং থাংয়ি য়েক্কী কাংলুপশিংনা শাবা, অঙোম য়েক্কী নিংথৌনা লুচিংবা লুপনি [পা:ফম:, খু:ল:; পা:লা:, খু:ল: অমসুং ও:ভ:স:, ১৯৬৭, ১]। হায়রিবা লুপ অনিসিগী লুচিংলিবা য়েক অনিসি চারৌ-মৌরৌনবগী মরীনা মখোয়গী হিদান্নবা অমসুং মুক্নবগী লমদাংদা অয়েৎপা-অথিংবা লৈজরবসু লুপকী অপাম্বগী শাফু অমসুং শউম্না হুমদুনা পুখিবনা মথক থংবা তান্নবগী মুক্নবসিদা খুদোংচাবা গুইনদুনা লৈনরম্মী [শ:ফ:, খু:ল:; পো:খুন:, খু:ল: অমসুং খ:য়:স: ১৯৭১, ১-১০]। হায়রিবা পোইরৈ লৈপাকসিগী লৈঙাক্লোনগী তৌনরিবা ঈরাংশিং অমসুং ফিবমদুদা য়াবীরোক্তা মহাক্কী ৱাখল থাদদুনা মায়কৈ কদোমদা হিহোনগবগে হায়বদু য়েংদুনা লৈরম্মী।

লৈনুং য়াবীরোক নৎত্রগা নোংদা নোংখল্লেম্বী হায়রিবীসি শেল্লোই-লংমাইজীওগী চনু-নিংঙোন্নি [চ: & ক:, ১৯৯৬, ১১৩]। মরম অসিনা মহাক্না শেল্লোই লংমাইজীওদা মচী-মচী খায়দোক্নদুনা পাল্লিবা নিংথৌ অহুম অসিগী মতীক-মঙম, মপাঙ্গল-মথৌনানচিংবা পুন্নমক, মরু ওইনা, অঙোমগী নিংথৌ (পুরৈরোম্বা) বু মশক মুন্না খঙলম্মী। হায়রিবা নিংথৌ অহুমকসি সরারেন/সোরারেন (কৌব্রু চীঙজাওগী খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা চীঙশা অমদা পানবা লাইওই-তীনওইবা মী ফুরুপ/কাংলুপ সোরা হায়বদুগী নিংথৌ নৎত্রগা অথোইবা সোরা) হায়বা মিংথোনসি ফংলম্মী [ও:ভ:স:, ১৯৬৭, ৯ অমসুং নিং:লম:, খু:ল:] অমসুং মখোয় অহুমসি মথক্তা চাওরাকপা মমিং-মথাগী মশক অমা

উৎচপ্রে অমসুং অঙোম সোরারেন (অঙৌ/অঙৌবা পুরৈরোম্বা), লুৰাং সোরারেন (লুৰাং লংমাইবা = লুৰাং নিংথৌ) অমসুং থাংয়ি সোরারেন (থাংয়ি থারোং নৎত্রগা সোরা পুকতাং) [চ:&ক:, ১৯৯৬, ১১৫] নি হায়না লৌনৈ। লৈনুং য়াবীরোক্লা মতোমতা য়াম্না কুপ্না খল্লবা মতুংদা মহাক্কী মপাম লমদমদা পাল্লিবা নিংথৌশিংগী-লানলোই-শীল্লোইনরিবা লুপ অদুগী মতেং লৌগে অমসুং মখোয়বু শীজিন্নগে হায়না মশাগী ৱারেপ লৌজখিরম্মী। অদুগা মহাক্লা লৌরিবা ৱারেপসিদগী মহাক্লা পাল্লিবা অমসুং পান্দল্লিবা লাইবক ফবগী ফিবমদু পুরক্নবা শাহুইশিংগী মচীঞ্জাক থাক্কদৌরিবা পোৎলমশিংদি মহাক্কী হকচাংগী ফজবা অমসুং থোৎ-মেঙলবা হকচাংদুগী ময়াইননি হায়বসিসু মহাক্লা খনবা লোয়প্নবনি। মরম অসিনা মহাক্লা মখোয় অহুম অদুগী লুহোংলকপদা ঙাইরিবী তাল্লোই অমমমগী শক্তম লৌদুনা তোংঙান-তোংঙানবা মফমশিংদা অমসুং খেন্ন-খেন্নরবা তাঞ্জা-মেঞ্জাদা নুংশি-নুংঙোনগী লীলা শান্নখি। অদুবু মহাক্লা মহাক্কী নুংশিজবা মচাঈবুংঙো অমসুং মাগী ৱাখন্দা পুরিবা অৱাংবা পান্দম অদুগীমক্তা মহাক্কী নুপী ওইবীগী নুপী মহাক মশা অমসুং মীওইবগী লূ-তোংনা শাবা হকচাং অদুবু কখোকপা অমসুং থাদোকখিবদুদগী মশাগী হকচাং ওইবদুনা মৱাক চাল্লকপা, লৈমন চল্লকপা অমসুং কুচু থাউরকপা অদুগীদমক্তা করিসু নাচুংলুদে, মরমদি কৎফম থোকপদু কত্তুনা মহাক্কী থম্মোইনা তশেংনা নুংশিজখিবা মীশক্তুগী শীঙঙল্লরোইদবা লমন অমদি শীঙলবনি, হায়না ঈনুং মীকপ্পরম্বা য়াই।

লৈনুং য়াবীরোক্লা সোরারেন অরিবা অহুমগী য়াথং পীবা লুচিংবা অঙোম সোরারেন্দা পীরিৎনু কৌনা ওঙলগা সমাজগী মিৎয়েঙদা ফিজঙ খন্দুনা থমখি, অদুগা অরৈনু কৌনা লুৰাং সোরারেন্দা ওঙলগা খুন্নাইগী মিৎয়েংবু চরৈ ফিনা কুপ্তুনা থমখি অমসুং অহুমনু কৌনা থাংয়ি সোরারেন্দা ওঙলগা সেল্লোই মপা-মচা ওইবশিংদা নাথৈ-নাকোইননা থমখিরম্মী। মরম অসিনা নোংদা নোংখল্লেম্বী, নোংদা তুকুপলীকপু পোকপী য়াবীরোকসিবু নুপী অহুমগী শকলোন পুবী (নুরোনবী), নিংথৌ অহুমদা ওঙদুনা মখোয় অহুম্না মরূম্বী তাল্লোই ওইনা পানবী ওইনা হায়দুনা, ''নুরোন পীরোন য়াম্বী লৈমা অহুল্লক ওইবী, নিংথৌ অহুম্না পানবী''-হায়না শৈথানৈ।

অরোন-অফোঙবা লানশঙদা মহৈ তম্বা

শকহেনবী লৈনুং য়াবীরোক, চাখা নুরোন-পীরোন য়াম্বীনা নুংঙোনবা মশুংলাংগী নুংশি-লাংথাক পোৎফম ফমদুনা নিংথৌ সোরারেন অরিবা অহুম্মক্কী থম্মোইবু শেন্দোং ওইনা ফংলবদা মহাক্না লাইনীঙ'থৌরী কোন্দুনা "মদুদদি" হায়দুনা চপ যুংনা থম্লকপা পান্দমদুগী পরমদা মখোয় অহুম্মু পুশিল্লক্কবা হোৎনরকপগী তাঞ্জাদুদা থাংয়ি সোরারেন্দি ঈচেন অমত্তদা তাউথমিন্নরকপা হিনাউনা খাবক লাকপা নত্তবনা ঈচেনগী তোরৈ-তুথেক্কী ঈহন-ঈহুন্নচিংবদগী-মালং ফৌরোই ইন্না তাউথোকখিবগুম মতোমতা মশানা হন্দোকখিরম্মী। অদুবু অঙোম সোরারেন অমসুং লুৱাং সোরারেন অনীনা য়াবীরোক্কী অনীঙবা থুংনবা মহাক অমসুং মহাক্কী মচাঈবুংঙো অনিবু মখোয়গী লৈঙাক-ৱায়েন্না কোনবা লমদম অৱাং ফাৎলৌ লাইমকোন (লিনৱাই ঈমরূ= ঈরীন তুরেনগী হৌরকফম মরূ অমসুং কোংবা তুরেনগী হৌরকফম মরূগী লমদম) দা পুদুনা চৎখিরম্মী। অদুগা মফমদুদা নোংদা তুকুপ্পীক অমসুং মহাক্কী ঈনখৎলক্লিবা অরিবা অমদি অনৌবা মরুপ-মপাং, লোইন-খময়িন পুম্নমকপু শা-লানগী মহৈ-মশীঙ তম্ননবা লানশঙ-লান্দমশঙ অমা শারগা হুয়েন-লাল্লোং, শাফা-লানফানচিংবগী মহৈ-মশিঙ তম্বীবা হৌরম্মী। অসুম্না অরোনবা লান্দমফম অসি হাঙদোক্নুনা নোংদা তুকুপ্পীকপু মহৈ-মশিঙগী লমদাংদা মথেন ফানবা খুৎলাই য়াওদনা শাথেং-লাম্বেংনবা, মতম মতমগী খুৎশূ-খুৎলাই মখলশিং— লীরুং-তেন, থাঙপাক, থাঙশাং, লম্বু-তা, খংনংতা, হাকথং-তা, য়োৎখোক-তেনখোক, থেঙ্গু-তেম, অসিনচিংবা খুৎপায়নরগা য়েক্নবা লাম্বা পানবা, শরীৎ-শরাক, পাম্বা শৈথেংননা কৈজনবা, অসিনচিংবা পুম্নমক অঙোম সোরারেন অমসুং মহাক্কী মরোই লুৱাং সোরারেন অনিগী মিৎয়েং মখাদা তাকপী-তম্বীরক্লম্মী। লান্দমশঙসিদা মতম খর থুপ্পুনা লৈরগা নোংদা তুকুপ্পীকনা ৱাইরা-শাথেংনবা, হুয়েন লাম্বেংনবা ঙম্বগী মতম ঙাইদুনা লৈরম্মী। মথক্তা পীরিবা শাফা-লানফাগী মহৈ-মশিঙসি নীঙথিনা নোংদা তুকুপ্পীক অমসুং মহাক্কী খোঙলোই-লাল্লোইশিংনা তমলকখি হায়বসি মখোয়না হন্‌চীঙ (হৌজিক্কী নোংপোক ইম্ফালগী হৈঙাং খুঞ্জাওগী নোংপোক্লোম ওইরপ্পা লৈবা চীঙ অমা)

দগী কংলৈ পুঙময়োন তম্না লাকপদা লৈরম্বা খুঙ্গংশিং লাছেংনদুনা লোই চল্লম্বগী থম্বীরম্বা ৱারোলদুদিঃ-

...লাইরেন মৈদিংঙুদি খোইমোম ওংজা চীঙমাবা মফম, লিসি, থাঙ্‌ৱাই, মুচেং, কৈহও, নাউকল, হাওখু, তাংখম, পুম্নমবু থাঙৱাইননা হনচীঙ চীঙমৈ ইন্না ... মোংবা নোংহুমশঙ শরোং লপয়ান কাদা ৱাইথুংলরে [খ:য়:স:, ১৯৬৭, ২২-২৩ পা:লা:, খু:ল:]।

অসিনি। অসুম্না খুন তরেৎপু নমথরল্লগা লাকপা হায়বসি শা-লানগী মহৈসি মতমদুদা য়াওদবা য়াদবনিনা মহৈসিগী তম্ফম, ঔরায়ফম নৎত্রগা শাজেন তৌফম লৈতবা য়াদে। অমুক অমরোমদা মতমদুগী ইম্ফাল সহরগী মচী অমদা পোকপা অঙাং অমনা করম্না হৈঙাংলোমদগী লাক্লিবনো অমসুং মসিগী মরী লৈনবা থৌদোক-ৱাথোক করি লৈখিবগে হায়বসিদা মিৎয়েং থম্ফম থোকপা অদু লৌখৎফম থোকপনি। অদুগা হায়রিবা থৌরাংশিংসিগী মতাংদসু নিংথৌরোল লম্বুবা কৌবনা পীরিবা লংলা-লংজীনসি হান্নগীশিংদুগা অদুম মমান্নে, মদুদিঃ-

...য়াওরৈ নকাইফম অসিদা থৌদু তুগুম্ববু লেপ্পা য়ুংখীনবা, খুনকাম নরৈনেৎ চেঙচা তুগুম্ববু লেপ্পা য়ুংবদি কনানো? নয়োন মৈতৈলৈমা লৈনুং য়াবীরোক, চাখা নুরোন পীলোন য়াম্বী, য়োইবু নুয়াম শাফবী, লৈমু শেকথাকপা, লৈহৌ শেংওইবা চনু, চাখা নুরোনবী, চাখা নোংলেনবী, নুয়াম শাফবী লৈমা অহুল্লকপু শাওনবী, সলাই খুনমাবী, চাখা নুরোল পীরোন য়াম্বী-ও তৌনা কৌয়ে।

[নিং:লম:,খু:ল: অমসুং ও:ভ:স:, ১৯৬৭, ২]

অসিনি। মসিদা অমুক ৱাহন্দোক পীবদু হান্ননা পীখিবদুদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না হায়বা থোক্লগনি।

লান্দা-লানচনগী খোঙচৎ

য়াবীরোক্কী মপারী নোংদা তুকুপ্পীক্লা মহৈ-মশিঙ তম্বগী থৌরাং মপুঙ-ফারে, শা-লানগী শাজেন নীঙথিনা হৈরে অমসুং মশা মতোমদা শাফম-লানফমগী মহৈ-মশিঙ ঔরায়জবদা মতোমতনা মশা পুজবা ঙম্লে হায়না নোংদা

নোংখল্লেন্নীনা খল্লক্লবা মতমদুদা মখা করি চত্থগদবগে হায়বদু মহাক্কী ৱাখন্দা খল্লক্লে। মমাঙদগী থল্লকপা পান্দমদা নিংথৌ শাগৈদা হৌরকপগী নিংথৌ হায়বদু ওইদবা য়াদে। নিংথৌ অমা ওইবা তারবদি— (১) মহাক্কী লৈপাক/লম লৈবা, (২) খ্বাই মীয়াম লৈবা, (৩) অঙাক-অকনগী লাম্মী, (৪) লৈপাক ঙাকপদা শীজিন্নবা লন-থুম (Finance) অমসুং (৫) লৈঙাক-ৱায়েল-থৌদা-লুপ অমা হায়বশিংসি শোয়দনা লৈতবা য়াদ্রবা পোৎচঙশিংনি। হৌজিক য়াবীরোক্কী মচা অসিগী লাম্মী লৈরে, লাম্মীশিংদুনা লৈপাক মীয়াম শারগা অমসুং লৈঙাক ৱায়েন-থৌদা লুপ অমা– পুখ্রনবা, নোংথোনবা, কৈরুংবা অমসুং শেল্লুংবগী ফম হাপ্তুনা শারে [খ:য়:স: ১৯৬৭, ২৩]। অদুগা লৈপাক ঙাকপদা শীজিন্ননবা লন-থুমদু লৈপাক/লম লৈরবদি থোক্কনি, অদুবু মদুগী মতমদু লাক্লিবা ফাওবদি য়াবীরোক মহাক্লা মশা হকচাং য়োম্বোক্তুনা মখোয়গী মতীক-মঙম ৱাল্লিবা সোরারেল অরিবা অনিনা পুরি। অদুনদি লৈপাক কন্দায়দগী করম্না ৱাল্লুগনি হায়না খল্লকপদা হান্ননা মুক্লদুনা লৈরিবা শীললোই-লাল্লোইনরিবা লুপ অনিদুগী মনুংদা মখোয়গী লুপ্তুনা মথক থোংবা ওইনবা মখোয়গী মায়োক্তা লৈরিবা লুপ অদুগী মহুম থুগায়বা হায়বসিনা খ্বাইদগী হেন্না ফরবা পান্বেনি হায়বসি খন্দুনা ৱাফমসি পুথোক্লবা তাঞ্জা ঙাইরম্মী।

লৈনুং য়াবীরোক্লা ৱাফমসি মখোয় পুন্নমক্কী লুচিং-লাঞ্জিংলিবা অঙোম সোরারেন্দা হৌদোক্তুনা খন্নরকপদা খাবশিংগী মকোন চায়খায়নবা লান্দা-লানচন খোঙচৎ লৌখৎনবা লেপ্পখ্রে। ৱাফমসি য়ানখিবদগী অঙৌবা সোরারেন্না লাঞ্জিংলেন ওইবা, লুৱাং সরারেন্না লাঞ্জিংবা ওইনা লাল্লম পুবা নোংদা তুকুপ্পীক্কী লাম্মী অমা শেমদুনা অৱাং ফাৎলৌ লাইমকোন্দগী মখারোমদা মমায় ওন্দুনা ঈরীন তুরেনগী খোংলম ইন্দুনা হাইথরক্লে। মখোয় হনচীঙ য়ৌবা মতমদা মফমদুদা ঙাইহাক পল্লন্নগা হুয়েল লাল্লম য়াত্তুনা খা-নোংচুপ ওইরপ্পা হাইথরকপদা লন্বীদা লৈরম্বা খুঙ্গং ৭= লিসি, থাঙৱাই, মুচেং, কৈহৌ, নাউকল, হাওকু অমসুং তাংখম কৌবা ঈরীন মপান্দা খুন্দাবা খুনশিংদা লান্দাদুনা লোই চল্লন্নগা কংলৈ পুঙময়োনগী লমদম চঙশিল্লকখি। লাক্লিবা লান্দা-লানচনগী খোঙচৎসিদা লাম্মা লুপসিগী লাঞ্জিংলেন অঙৌবা পুরৈরোম্না/সোরারেন্না মাঙদা মশাগী অঙোম লাম্মা পুদুনা লমজিং-লাঞ্জিংলগা, লাঞ্জিংবা লুৱাং লংমাইবনা তুংদা মশাগী লুৱাং লংমাইশিংগী লাল্লোইশিং পুদুনা লান্দা খোঙচৎ ইল্লকখি। অদুগা নহা ওইরিবা

নোংদা তুকুপ্লীক, লৈনুং য়াবীরোক্কী মপারীনা মমাঙ-তুং অনিগী মরক্তা কংলৈ'লান্দা খোঙজঙ চঙশিল্লক্লম্মী। মপারীবু করিদা শোয়খিগদবগে হায়বগী চেকশিন থৌরাংদা লৈনুং য়াবীরোক্লা শীল্লকপা লান্দা-খোঙচৎকী মশক মাল্লি। অদুগা হায়রিবা লান্দা-লানচন খোঙচৎ অসিদা লৈনুং য়াবীরোক মশাসু মপারীগা লোইননা য়াওরমগদবা মাল্লি। মরমদি মহাক্কী কখোকখ্রবা থৱাই হকচাংদুদি অমুক হঞ্জিন্দুনা য়োক্লবগী মঙোন্দা তোংজবা লৈত্রে, শীন্নগদবা পুন্নমক লাঞ্জিংলেন অঙোম পুরৈরোম্বদা শীন্নপ্রে, মহাক্কী ৱাৎহৌরিবা হায়ববু মহাক্লা মচা শেম্বগী মথৌ লোয়বা ঙাইদুনা অশি লৈপাক্তা ঙাইরিবা মপুরোইবগা থুংনরুগদবা অদুদা মঙাইরে।

নিংথৌ ফম্বালদা নোংদা তুকুপ্লীক

নোংদা তুকুপ্লীক্কী মৈতৈ, অঙোম অমসুং লুৱাংনা শাবা লাম্মী তেঙ্গোল অমা অঙৌবা পুরৈরোম্বনা লাঞ্জিংলেন ওইদুনা অঙোম নিংঙোন মচা খাবা-ঙানবশিংনা পাল্লিবা কংলৈ পুঙময়োন্দা লান্দানবা চঙশিল্লক্লে হায়বসি খাবশিংসু মরোই-মনাউশিংনা পাউ পুরক্তুনা তারম্মী। মখোয়সু মখোয়গী লৈজরিবা পুন্না খুন্দা লৈতামিন্নরিবা ঙানবা, চকপা অমদি থাংয়ি (ফুরুপ অমা) মী লাল্লোই-লাম্মীশিংদু থীন্দনা খোমগত্তুনা লান মায়য়োক য়ানবা শেম-শারম্মী। অদুবু লান ঔরায়বা তোয়বা অমসুং শাজেন লেপ্তবা হেল্লকপা নোংদা তুকুপ্লীক্কী লাম্মীশিংদুনা খাবনা লাঞ্জিংবা লুপ অদুবু মায়থীবা পীদুনা কংলৈপুঙগী লমখৈদগী তাহোকখিরম্মী [পা:ল:, খু:ল:]। অসুন্না খাবশিংগী কংলৈ লৈপাক অদুবু লোই চন্দুনা লৌরবদা নোংদা তুকুপ্লীক্লা পলেম মমাগী থৌশীন্দা থৌদোংদুনা মহাক্লা নিংথৌ ওইবগী অপীকপা লৈপাক মচা (Princedom) অমা মহাক্কী মরোই-মনাউ, মরুপ-মপাং, লোইন-খময়িন, লাল্লোই-লাম্মীনচিংবা পুন্নমক্লা অনৌবা লোই চনবা লমদমদুদা লৈদুনা লীংখৎপাহৌখিরম্মী। হায়রিবা অপীকপা লৈপাক মচাসি অৱাংলোমদা চীঙমৈরোঙ চীঙ (কোইরেঙ্গেগী লোয়বা), নোংপোকলোমদা খুরাই অহোঙপুঙ (তেলীপতি), খারোমদা ককৱা লমদাইবুঙ (ককৱা কৈথেল), (খুমনলৈপাক্কী অৱাংগী ঙমখৈ) অমসুং নোংচুপলোমদা লমফেলপাৎ অমসুং লাংজীঙ চীঙদুম য়ৌবনা কোল্লিবা লমকন অসিমখৈনি (R.K.J. 1992,23]। অসুন্না লৈপাক লীংলবা মতুংদা নোংদা তুকুপ্লীক্লা লৈঙাক-থৌদাগী অরুম্বদু লৌদুনা লৈঙাকপা

অমা ওইনা মণিপুর ইতিহাসকী অহানবা নিংথৌ ওইবগী শক্তমদু খৃঃ ৩৩/৩৪ দা নোংদা লাইরেন পাখংবা হায়বা ফম্বাল মিংহুনসিগা লোইননা মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল কাখিরম্মী [পা:লা:, খু:ল:, পা:ফম:, খু:লঃ অমসুং খ:য়:স:, ১৯৬৭, ২৩-২৪]। অসুম্না লৈনুং য়াবীরোক্না থম্মোই লাইয়ুমনুংদা কিসি কিদুনা, মতোমতগী ৱাখন্না খঙজনা পুরকপা নীঙজবগী অপান্বা অমসুং অচাওরমগী পান্দমদু লৈনুং চনুরা মহাক মতোমতগী থৌশীল-থৌরাং অমসুং থৌরম-থৌপুনা, মীমাঙদা ফিনা খুম, মীতুংদনা ফোংনা চত্তুনা শেম-শাখিবদুনা মপুঙ ফানা থুংহনখি। অদুবু হায়রবী য়াবীরোকসিনা তৌরিবা অবদান অমসুং কথোক্লিবা পুম্নমকসিদি ফোংনা মহাক্কী মমিংদা থম্বীদে।

ৱাখোম-ৱারোয়

লৈনুং য়াবীরোক্কী লৈঙাকলোনগী-ফম্বাক্তা তারিবা লৈঙাক-থৌদাগী শক্তমগী মমিগী মরমদা অফংবা মচাশিং খর মৈতৈ লাইরিকশিংগী লামায়দগী লৌখত্তুনা নৈনরুবদা থেংনরকপা অমসুং হৌজিক্কী মিৎয়েংদা তারকখিবা ৱারমশিং অমসুং ৱাফমশিং খরসিনা মণিপুর ইতিহাসকী নোংঙান, তু উরকপা মতমগী চয়েৎ-খোইয়েৎনরবা ইতিহাসকী মচাক-মথুমশিং অদুগী মফমদুদা পুখত্তুনা য়ৌহল্লি। মহাক্কী রাজনিতিগী ওইনা লৌরকখিবা শক্তম অসিনা মহাক্কী অতৈ হিরমশিং— খুন্নাই-লাইনীঙলোন, শেন্দান-শেনচৎলোন্দা খুৎহৈ-শীনহৈবগী মশক্লচিংবগী লমদাংশিংদা লৌরকখিবা শক্তমশিংসু লৈরি হায়বসি ফোঙদোক্লি। অদুবু মহাক্কী অতৈ শকফমশিংদুদি লৈঙাক্লোনগী ফম্বাক্তা তারিবা শক্তম অসিগুম মরু ওইবা শক্তম নত্তবনা মখোয়দুদি থাদোকচরম্লে।

লৈনুং য়াবীরোক্না মণিপুর ইতিহাসকী নোং ঙানফুং -ঙানফুং তৌরকপা শজীক-থবানা মঙালগী মমি শান্নকপা মতুংদুদা মহাক্কী অমত্তা পোকচবা মচাগী নিংথৌ ওইননবা লৈপাক মচা অমা লীংখত্তবা য়াদে হায়না চোংথোক্লকখিবদুনা ঙসি ঐখোয়না ঙসিগী মণিপুর অসি ফংলিবনি। অদুবু মহাক্কী অসিগুম্বা শক্তম অসিদা তারিবা মমিদিঃ-

Sacrifice that causes pain is no sacrifice at all.
True sacrifice is joy-giving and uplifting.

—Mahatma Gandhi—

হায়বসিনি। মহাক্কী কখোকপগী লমদাংশিংদা অৱা-অনাগী ৱাখল লৈখিদে। তশেংনমক লৈনুং য়াবীরোক্কী লৈঙাক্লোনগী ফন্বাক্তা লৌরকখিবা শক্তম অসি মৈতৈ নুপীশিংগী লমচত্তা লংলবা অমসুং হেন্দোক-থোক্লবা মঙানগী মশক্তি অমসুং মহাকসি, মণিপুর ইতিহাসকী ইতিহাস অমা ওইবগী ঈকাই খুম্নবা অমসুং ঈরাৎনীঙঙাই ওইবগী মচৎ অদুনা লৈতেংবদা মতীক চারবী, ঈকাই খুম্নফম ওইরবী নুপী অমনি। মহাক অসিবু মৈতৈ নিংথৌশিং অমসুং পানখিবা নিংথৌ মচা, নিংথেমচাশিংনা ''ঈবেম্ফৌ'' য়ুমজাও লৈমা/ লাইরেম্মা/লাইরৈমা/লাইরেম্বী'' হায়না মিংথোঞ্জদুনা নিংথৌগী, অয়োক-অকুন অমসুং ঙাকপী-শেনবীবা লাইরেম্মা, নিংথৌগী কোনুংবু শঙবী-ঙাকপীবী, লৈপাক-নিংথৌগী খুদোংথীবগী মমি লাকপদা মাঙজৌননা মালং শউম ওইনা পাউতাকপীবী লাইরেম্বী ওইনা য়াম্না লুনা অমসু চেকশিন্না নীঙজবগা লোইননা ঈরাৎ-থৌনীজৈ। মহাকপু ঈরাৎ-পূজা তৌবসি মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙলোনগী ওইনা লাৎচবা, অমসুং য়ুমজাও লৈমা, কংলৈ-লৈমাবী অমদি মৈতৈ লৈপাক লৈমাবী (গৃহলক্ষ্মী, গ্রামলক্ষ্মী/নগরলক্ষ্মী অমসুং রাজ্য লক্ষ্মী) ওইনা মথাং কয়া, মরোন কয়াদসু লাৎনৈ। অমরোমদা কংলা লানবাউ তম্বদা চিথ্থফদবা অমসু শজিবু চৈরাউবদা থাদোকফদবা লাইরেম্মা ওইনা লৈ। মহাক্কী লৈঙাকলোনগী শক্লোন অসি লৈরমদ্রবদি নোংদা লাইরেন পাখংবা থোক্লক্লমলোয়, মহাক্না নিংথৌজা য়েক্কী লৈপাক, পোইরৈ মৈতৈ লৈপাকসিসু লীংখৎলল্লোয়। মরম অসিনা লৈনুং য়াবীরোক্কী লৈঙাক্লোনগী শক্তম অসি মণিপুর ইতিহাসতা মমল য়াম্না লৈবনা মহাক্কী শক্তমসিদা ইতিহাসকী মঙাল অমখক থম্বীদুনা ঙালহনবগী মথৌ তাই। তাইবং হকচাংদি মাঙখিনি, তৌরম্বা থবক্কী মমি মতমগী নুঙায়দা মমি তাদুনা লৈহৌগনি। মরম অসিনা তুংলমচত্তা লাক্কদবা ইতিহাসকী পুজারিশিংনা মণিপুরগী নীঙথিরবা ইতিহাসকী মমি অমা য়াৎলকপদা মহাকপু শোয়দনা নীঙশিঙলকখিগনি হায়বগী থাজবসি চেৎনা থমজরি।

~~~~()~~~~
~~~~

মরী-মখোঙ উৎপা

১) ম:স:ক:, ১৯৯৪ = ঈরোম অমুবী, খেলচন্দ্র, ভোগেশ্বর, ইবোচৌবা: শাগৈ-শলাইরোল (ইম্ফাল-১৯৯৪)

২) ম:চ:স:, ১৯৯৯ = মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ: পাম্হৌইবী খোঙ্গুল (ইম্ফাল-১৯৯৯),

৩) ই:অ:স:, ১৯৮১ = ইরোম অমুবী সিংহ: লৈহৌ নাউফমলোন (ইম্ফাল-১৯৮১),

৪) ও:ভ:স:, ১৯৬৭ = ওইনাম ভোগেশ্বর সিংহঃ নিংথৌরোল লম্বুবা (ইম্ফাল-১৯৬৭),

৫) খ:য়:স: ১৯৭১ = খুমল্লম্বম য়াইমা সিংহ: পোইরৈতোন খুন্থোকপা (ইম্ফাল-১৯৭১),

৬) চ: & ক:, ১৯৯৬ = এ: চিত্রেশ্বর অমসুং বি: কুলচন্দ্র:নোংদা লাইরেন পাখংবগী মমা-মপা থিবা (ইম্ফাল-১৯৯৬)

৭) ক:য়:স: ১৯৬৭ = খুমল্লম্বম য়াইমা সিংহ: পাখংবা ফম্বাল (ইম্ফাল-১৯৬৭),

খুৎয়ি লাইরিক

১) নোং:,খু:ল: = নোংথ্রং, খুৎয়ি লাইরিক

২) খ:য়ুম:, খু:ল: = খাগেম্বা য়ুম্বী, খুৎয়ি লাইরিক

৩) চেখোঙ, খু:ল: = চেখোঙ, খুৎয়ি লাইরিক

৪) কৈরোই, খু:ল: = কৈরোই খুৎয়ি লাইরিক

৫) লাংথবাল্লোন:, খু:ল: = লাংথবাললোন; খুৎয়ি লাইরিক,

৬) কৈকোই, খু:ল: = কৈকোই, খুৎয়ি লাইরিক,

৭) য়ুমলেপ, খু:ল: = য়ুমলেপ, খুৎয়ি লাইরিক,

৮) পা:ম:, খু:ল: = পাখংবা মৈহৌবরোন খুৎয়ি লাইরিক,

৯) ক:স:প:প:,খু:ল: = কংলৈ সঙলেন পুবা পুয়া, খুৎয়ি লাইরিক

১০) পা:লা:, খু:ল: = পাখংবা লাইহুই, খুৎয়ি লাইরিক
১১) পা:ফম:, খু:ল: = পাখংবা ফম্বাল, খুৎয়ি লাইরিক
১২) পা:লম:থ:, খু:ল: = পাখংবা লমলেন থোকপা, খুৎয়ি লাইরিক
১৩) পান:খ:, খু:ল: = পাছোইপী খোঙ্গুল, খুৎয়ি লাইরিক,
১৪) লৈ:ন:,খু:ল: = লইহও নাউফমলোন, খুৎয়ি লাইরিক
১৫) চেংলৈ:,খু:ল: = চেংলৈরোন, খুৎয়ি লাইরিক
১৬) পো:খুন:, খু:ল: = পোইরৈতোন খুছোক, খুৎয়ি লাইরিক
১৭) নিং:লম:,খু:ল: = নিংথৌরোল লম্বুবা, খুৎয়ি লাইরিক
১৮) শ:ফ:, খু:ল: = শঙ্গাই ফমমাঙ্ খুৎয়ি লাইরিক

ঈঙ্গ্রেজী লাইরিক

1. R.K. Jhaljit Singh: A short history of Manipur (Imphal-1992),

চেফোঙ

১। খুমছেম প্রকাশ সিংহঃ ঋতু, ৪৪শুবা মশীঙ, খৃ: ১৯৭২, ইম্ফাল।

~~~()~~~
~~~

বীঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মগী ফোঙথ্রবা লাইরিকশিং

১) সনাতোম্বী (নোভেল - ১৯৬৮)
২) চারিক পরেং (নোভেল - ১৯৬৯)
৩) যুগী পাত্রদা তশবীর (নোভেল - ১৯৭০)
৪) খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা (পুয়া মশামক - ১৯৮৯)
৫) থাঙমৈরোন (পুয়া মশা - ১৯৮৯)
৬) সনামহী পুয়া (অরিবা লাইয়িংথৌসিগী লাইরিক ৬ খক - ১৯৮৯)
৭) মৈতৈ পাংগল হৌরকফম (থিজিন-হুমজিনবা - ১৯৯১)
৮) মৈতৈ বামোন হৌরকফম (থিজিন-হুমজিনবা - ১৯৯১)
৯) মণিপুরগী নুঙগী চক্তা লৈরম্বা মীশিং
(আর্কিওলোজিকেল এস্পেক্ত - ১৯৯৬)
১০) নোংদা লাইরেন পাখংবগী মমা-মপা থিবা
(থিজিন-হুমজিনবা - ১৯৯৬)
১১) হৈক্রু হিদোংবা অমসুং মোইরাংলৈমা থাঙ্গপাৎ
(থিজিন-হুমজিনবা - ১৯৯৬)
১২) ৱাংখৈ মৈরাবা অথৌবা (থিজিন-হুমজিনবা - ১৯৯৬)
১৩) মৈত্রবাক মণিপুরগী খুম্ভোক-খুন্দারোন
(থিজিন-হুমজিনবা - ১৯৯৭)
১৪) চীঙঙা লাইরেম্বীগী পুৱারী (থিজিন-হুমজিনবা - ১৯৯৮)
১৫) মৈত্রবাক মণিপুরগী ফুশা-ৱানশারোন
(থিজিন-হুমজিনবা - ১৯৯৮)
১৬) খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা
(অনৌবা লোনগী ৱাহন্দোক যাওবা - ১৯৯৮)
১৭) মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন-লৈনবগী ৱায়েন-ৱাখুন
(থিজিন-হুমজিনবা - ১৯৯৮)
১৮) মৈতৈগী শা-লান ফাবগী থৌরম খর (থিজিন-হুমজিনবা - ১৯৯৯)
১৯) সনা চহী অহুম (থিজিন-হুমজিনবা - ১৯৯৯)
২০) মৈতৈ মচুগী মনাৎ (থিজিন-হুমজিনবা - ২০০০)
২১) লমাংদোংগী বিষ্ণু লাইশঙগী য়ূমশা-কৈশারোন
(থিজিন-হুমজিনবা - ২০০০)
২২) মৈদিংঙু ময়াম্বা গরিবনিৱাজ (থিজিন-হুমজিনবা - ২০০০)
২৩) চুপশারোন (থিজিন-হুমজিনবা - ১৯৯৯)
২৪) সঙ্কীর্ত্তণ নির্নয় (থিজিন-হুমজিনবা - ২০০১)
২৫) কেক্রুপাৎ (থিজিন-হুমজিনবা - ২০০১)
২৬) ফাইল (থিজিন-হুমজিনবা - ২০০৫)
২৭) Typology & Technology of Meitei Writing Materials
(Research Work - 1999)
২৮) A Dictionary of Manipuri Medical Terms
২৯) ফমলোন (২০০৯)
৩০) বামোন খুপায় (২০০৯)
৩১) মৈত্রবাক্কী মনীংতম্বা লৈপাক্লা হওরকখিবা (২০০৯)